মণিপুর ইতিবৃত্ত

১ম খণ্ড

শ্রীখুমন্থেম কাওমচা সিংহ

মণিপুর ইতিবৃত্ত

(মৈতৈ পুরাণ মযামদগী খোমজিনবতনি)

১ ম খণ্ড

পরেং লেংশিনজবা

শ্রীখুমন্থেম কাওমচা সিংহ মাখি দীবা

মেম্বর হিষ্টোরিকেল রিসার্চ্চ সোসাইটি

নিখিল হিন্দু মণিপুর মহাসভা

প্রকাশকা —
খুমন্থেম ওংবী শ্রীমতী বীমলা দেবী
সগোলবন্দ, মৈনো লৈরক, ইম্ফাল

অহানবা থুংনম ১৯৭৬ ইং
অনিশুবা থুংনম ১৯৮০ ইং

মমল লুপা কুল

ছাপা তৌবা —
ভাগ্যবতী কার্য্যালয় চংচাম্ফ প্রেন্টিং ৱার্কস
ইম্ফাল।

অনিশুবা খুৎনমগী ৱারোল

মণিপুর ইতিবৃত্ত অহানবা খণ্ড অসি অহানবা খুৎনমগা কাইনদনা কোংদোকচরি। কুইখ্রবা লাইরিক অসিনা অনিশুবা খুৎনম পুথোকপগী খবক লৌখৎচবা অসি মণিপুর ইতিহাসকী মরিদা গবেষণা তৌবা বিদ্যার্থীশিংগী উৎসাহনা মরম ওইদুবা তৌজবনি। অনিশুবা খণ্ড অমসু ১৯৪২ ইংদা ছাপা তৌবা লোইরবা কোংদ্রবা কপিশিং অনিশুবা লাইব্রেরীগী লাম্মীশিংনা মৈ থাদোকখিবনা মাংখ্রে। মসুতং ফোংডলক্লবদি লেখককী উদ্দেশ্য মপুং ফারমগনি খল্লে। অনিশুবা খুৎনমগী লাইরিক অসিনা হিরমসিদা খিজিনবগী খবক তৌরিবা বিদ্যার্থীশিংগী মতেং খজিক্লং ওইরকপা ওইবতং থোক্লবদি ঐখোয়গী থৌরাং অসিগী মহৈ য়াম্না নংজগনি। ইতি

বিনীত

লেকাশিক্কা

হিরম লামাঙ্



[illegible]

১৮৭০—১৯৫৫

মণিপুর ইতিবৃত্ত

মণিপুরগী অহৌবা ৱারম

শ্রীকৃষ্ণায়নমঃ।

শ্রীনারায়ণনা ব্রহ্মা পোকই। ব্রহ্মাগী পুকনিংদগী মরীচি পোকই। মরীচিনা কশ্যপ পোকই। কশ্যপনা সূর্য্য পোকই। সূর্য্যনা শ্রাদ্ধদেব পোকই। শ্রাদ্ধদেবদগী সূর্য্যবংশ কৌবা শাগে থাইখিএ।

সূর্য্যনা সাবর্ণি কৌবা মনু পোকই, মনুনা ইন্দু পোকই; মাগোন্দগী চন্দ্রবংশ কৌবা শাগে থাইথি।

ইন্দুনা চিত্রকেতু পোকই চিত্রকেতুনা প্রভঞ্জন হাইনবা কৌই। মহাভারতনা প্রভঞ্জন নিংথৌ হাইদুনা ইন্দুগী মচা চিত্রকেতুবু হাইরমি, অদুম্না থংলগনি। প্রভঞ্জন হাইবা নিংথৌ অসি মহাভারতকী প্রসঙ্গদগী থাই, মাদুদি নিংথৌ অসি মহাদেব নিংথৌ মহাদেবগী মনাক্তা ভক্ত অমা ওইখি। নোংমগী কুমিংতা মহাক্রা মহাদেবদা বর নিইজে, প্রভু ননাক্তা এগী থারা মুংতনবা হৈচা অমা পীনবিয়ু, অদুম্না বর নিইজে, মহাদেবনা বর অমা পীরমই, তেনিংথৌ নচা নিপা অমা পোকই, মচা অদুনা নিংথৌ ওইরমু। অদুম্না এগী বরদগী মতোন্দগী সন্দোকথিবা থারা অসি মচানিপা অমামম পোকচসনু, মাদুনা মথং মথং নিংথৌ ওইহৌসনু, অদুম্না বর পিখি।

রামায়ণদা লৈবা প্রসঙ্গসিংদগী থংবা ওয়াই; মাদুদি শ্রীরামচন্দ্রনা সীতা কাইনরবদা য়োং নিংথৌ সুগ্রীবনা ভারতবর্ষগী মাইকৈ পুম্নমক্কী লৈপাক থুদিংদা য়োং তেঙ্গোল শান্নী থাদুনা সীতা দেবী থিখি। মাদুদা হাইনবা লৈ, মাদুদি সুগ্রীবনা য়োং দূতসিংদা তাকই, চিনা ইকোই কোইসিনবা গন্ধর্ব্ব কাটি

১৪না ডাকপা লৈপাক অমা লৈবনি, লম অদু চংলুগদ্রা, মাহুদা চংলুরবদি নখোইগী থরাই মাংগনি পাউ হল্লকপা ড়ুম্লাই, অদুম্না ভাবথি, মাহু ভাবংকী নোংপোক, মৈথেমদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর অসিনি।

প্রভঞ্জন কৌবা নিংথৌগী থাবানা মাস্থানা পাল্লকপাদা ইবোই লোইবা থাবাবু "চিত্রবাহন" কৌই। মহাক্কী মচানুপীবু চিত্রাঙ্গদা কোই। নিংথৌ অসি মচা নিপা পোক্লে, সুপনগী মচা নুপীসু 'চিত্রাঙ্গদাদা মত্তাই। চিত্রভানুনা মপুপ্পা থল্লি, ইপু প্রভঞ্জন নিংথৌদা মহাদেবনা বর পীরম্বদি "মনী থাবাদ' মচা নিপা অমামম পোক্লগনু. অদুনা নিংথৌ ওকরু" হায়রাম, ঐদি ইচানিপাস্থ পোক্লবে, সুপনগী নুপী অসিমত্তা মপোকই। অদুনদি মাংবা হৌনদবা ঈশ্বরগী বরদি মাংবা হৌনদে, মরমদি ঈশ্বরগী লীলাদি থাবা ওমদে, মরাথংদি লোইবা লৌনদে। ঐগী ইপুদা পীরম্বা মহাদেবগী বর অসিদা হল্লক্তে মীওইবনা থংত্তধবা লীলা অমা থোক্কদৌরিবোইরে, অদুম্না থল্লে, নিংথৌ অসিনা থল্লি,—ঐগী ইচা নুপী চিত্রাঙ্গদা অসি ঐগী মচানি, অদুগী বরনা নিপা পোক্কই হাইবনিনা নুপী অসি নিপাগী মশকনি; ঐগী ইচা নিপানা লৌগদবা পুন্নমক মাপা তৌগনি করিগুম্বা মীওইবনা থবা ওমদ্রবা লাইগী লীলা অমা ইচাহুপী অসিগী হাকথক্তা থোক্কদৌরিবোইরে, অদুম্না থল্দুনা চিত্রবাহন নিংথৌনা মচানুপী চিত্রাঙ্গদাবু মচা নিপানি, অদুম্না থল্লগা, যোক্ত্রুনা হে।

মতম অসিদা হাস্তিনা লৈপাক্তা থাবনাবত্ত কৌবা খুন্দ যুধিষ্ঠিরনা নিংথৌ ওইরে। মহিন মনাউ মওনা দ্রৌপদীগী নুরমগীদমক সময় অমা তৌনথি, মাহুদা মনগী মরমগীদমক অর্জ্জুন অকনবগা মমদা লাইরে, হাইনথিবা মতুং ইন্না অর্জ্জুননা তীর্থ চৎলম্বই। অহানবদা হিমালয় চিংজাওরা লাকই অহুগা ভারতকী নোংপোক্তা চৎলি। নাগ লৌব লীন শাগেদা পোক্পী উলুপী লৌই। নুপী অসি অহানবদা মরা লাংকরবীনি, মৃত্যা ওইদুনা লৈবীনি। মহাক্না অর্জ্জুনবু পানদুনা ইসংদা পাম্মিদৈংগা অর্জ্জুনগা উনদুনা অর্জ্জুননা লৌরে।

অর্জ্জুনগী মতু উলুপীগী মখামসিবু মহাভারতকাতিংবা শাস্ত্র গ্রন্থনা নাগবংশ কৌই। হৌজিক্কি ভারততা পণ্ডিতসিংনা "আঙ্গামী" কৌই, অদুনা উলুপীবু

অনৌবা শাস্ত্রনা "আঙ্গামী নিঙোন" অস্থম্না কৌনরে। মাহুগী অকুপ্পা খংথি-নিংবিসিংনা বিশ্বকোষনাচিংবদা থিবিরগা কংনগনি।

ঙাইমৈনিঙোল উলুপীগা চিত্রবাহনগী মচানুপী চিত্রাঙ্গদাগা য়াম্না চাইয়ে, মরমদি লৈপাক অনিহু থংনবা নকনবা নিংথৌমচা নুপী মশেন ওইবনা অয়োল অথুপ্পা ক্কাউবা মাখোই অনিসি তানৈ।

অর্জ্জুননা উলুপী লৌরবা অতুগী তুংদা মণিপুরদা কোম্না লাকই। লৈপাক অসি য়ৌরবদা চিত্রবাহনগী মচা নুপী চিত্রাঙ্গদা উবদা অর্জ্জুনগী পুকনিং অসি ইনুম নুমংংলে। অর্জ্জুননা চিত্রবাহন নিংথৌগী নাক্তা চংদুনা মচানুপী পীয়্ হাঙ্গীনা নিজই। চিত্রবাহননা তাবগা খামনা নুঙ্গাইরে হাঙ্গীয়মই, তে ক্ষত্রিয় মচা নাখোইবা! এগী ইচা অসি মপোক্কদা পীগে, অদুগা এদি ইচা নুপী অসিবু নিপানি হাঙ্গীনা থংজে, মহাদেবনা ইপু প্রভঞ্জনকেতুদা পীবা বরনা ঐখোইগী ইপা ইপু পুম্নমক মচানিপা অমামম পোকই এদি পোক্করে, অদুনা নুপী অসিবু মহাদেবগী বরদগী নিপানি অদুম্না নিংঙি। নংনা য়াবিরবদি মহাক অসিবু লৈপাক অসিগী চংনবি পুত্রিকা ধর্ম্ম কৌবা ধর্ম্মনা থাজগে। মাহুদি ইচা নুপী অসিনা মচা নিপা অমা পোক্কারবা মহৈ নহাকনা চংপা য়াদে। পোকলাকপা অঙাং অদুনা মমাগী থাইগে লৌদুনা এগী থায়া ওইবা লৈপাক অসিগী নিংথৌ ওইগনি। অর্জ্জুননা অদুবু অদুনা চিত্রাঙ্গদা লৌরে, বিবাহ তৌরে। চাহি অহুম চুপনা লৈপাক অসিদা লৈরম্মী। অর্জ্জুননা লৈপাক অসিদা চিত্রাঙ্গদাগা পাম্নজুনা লৈরবা তুংদা অমোকস্থ তীর্থদা চংলুই, অদুগা হল্লিন্দুনা লৈরে। মচা নিপা অমা অর্জ্জুনগী চিত্রাঙ্গদানা পোকই, মমিংদি মপুগী মমিং লৌদুনা বভ্রুবাহন কৌই, "বভ্রু" হাইবদি সংস্কৃততা অয়াংবা হাইবনি। চিত্রবাহন হাইবা মপুস্থ মিংগী অথদা "অয়াংবা তোবা" হাইবনি, মপুগী মমিং অসি লৌদুনা অর্জ্জুননা পোকপা মচাবু "বভ্রুবাহন" অয়াংবা তোংবা কৌই। মচা অসি পোকলাবদা অর্জ্জুননা চিত্রবাহনদা হাই, মহারাজ ইচা বভ্রুবাহন হাইবসি লৌরো, মাসি পাঙ্গলপদি পুরুবংশনি, অদুবু হাঙ্গীনাবননা মরম ওইদুনা মমা পোকপা মপুগী মচা ওইরো এনা পীরবসিনি,

ঐগী মুংসিরবা ইচা অসি থনম্মগে হাঙ্গীনা মমা পোকপা মপুদা থনম্মগা অর্জ্জুন চৎখি। অমুম্না অর্জ্জুনদগী কংহৌবা বভ্রুবাহন্না মমা পোকপা মপুগী শাগৈ লৌহুনা লৈপাক অসিদা পালহৌই, মাসুমনা উলুপা কৌবী ভামৈনিঙোন্দ পোকলমবা মচাবুনা 'ইরাবান" কৌই। অঙাং অনিসি মহাভারতকী লান-জাউগীদা ইরাবান্ লানদা সিখরে, বভ্রুবাহননা লৈহৌই। মাদি লান য়াউ রুদে। মচিন মনাউ অনি অসিগী মরমদা শ্রীভাগবতনা মাসুমনা হাইরমই মাহুদি :—

ইরাবন্ত মুলুপ্যাংবৈ সুতায়াং বভ্রুবাহনম্।
মণিপুরপতেঃ সোপি তৎ সুতঃ পুতিকাসুতঃ ॥

মহাভারত লানদা পঞ্চ পাণ্ডবনা শাগৈ হাংপগী পাপ কোকুবা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌই। মহুগী সগোল থারকপদা মণিপুরদা সগোল মতুং ইন্দুনা অর্জ্জুন চংলকই। তাইবং পান-গী অকনবা অথোইবা অর্জ্জুননা লৈপাক অসিদা মচাগী মখুত্তা য়াইথিবা ফংলুই। অর্জ্জুনদা ভীষ্মগী মমানা চৈরক্নুনা ওকখিবনা লৈপাক অসিদা মচানি হাঙ্গীবা বভ্রুবাহনবু অর্জ্জুননা য়াখিদে। অহুগা মপুক্তাদ মচাগী মুংসিবা মৈনা চাকপনা লানগী ময়াইদা মচানা অর্জ্জুনদা য়ৈবা, মপা অর্জ্জুননাদি মচাবু নাগনি হাঙ্গীনা পুংসহুনা য়ৈদবা, চুমনগী ইকাইনবা মচাবু পংচৈত্তা চৈ। ক্ষাত্রিয় শাগৈগী অমা উবগী মৈনা মপানি হাঙ্গীবগী মমতা কাউহুনা বভ্রুবাহননা অর্জ্জুনবু অকনবা খুলাইনা থারুরে, অর্জ্জুন শাগ্রেম, লানগ্রেম নাইদে হাঙ্গীবা চুরুংহুনা মচাগী খুলাইবু থোওইদবনা ভাক্তরে, মাহুনা পালবদা অর্জ্জুন য়ানথরে, মাসুপ কম্না য়ানখৈ, খুদোং থিরবদি সিবামকয়াই। বভ্রুবাহন নিংথৌগী মমা চিত্রাঙ্গদানা তারে, মাহু পুম্নমকতু ঙামৈ নিঙোন উলপাগী যন্ত্রযন্ত্রনা থোকহনবনি খংহুনা য়ামনা য়াখি। সতী—চিত্রাঙ্গদানা অর্জ্জুনদা খুরুমজরে, মপুরোইববু লাইকন্নাহুনা অর্জজুন নাবা কয়গা মচাবু লৌথৎপীরমই। মতম অহুদি বভ্রুবাহনগী মপু চিত্রবাহনদি লৈতরে। বভ্রুবা-হননা লৈপাক অসিদা অচৌবা নিংথৌ অমা ওইনা পাল্লবা মতমনি।

মণিপুর লৈপাক্কী মমুংদা মতম অসিদা ইম্ফাল হাঙ্গীনরিবা লম অসিবু মহেন্দ্র নগর কৌরমই, লৈপাক অসিবু মেথলে হাঙ্গীনবদগী অমুম অমুম থৈরক্নুনা

"মেখলে" দেশনু কৌরমই। মরমদি মৈতৈ—হাঙৈবসিগী মাখোইগী হৌরকপা লৈপাককা মৈথিলগা মন্নি লৈনৈ। অদুগা জাতি অসিবু মৈতৈ কৌরিবগী মরমসু—হাৱৈ মায়েক্তা য়ামনা সন্দোকনা হাঙৈরি—অদুগা ময়েক্তা তাজৈ—লৈপাক অসিদা লৈবা মীগী জাতিগী মমিং কৌদুনা "মেথলে" হাঙৈবনি। অদুগা ইম্ফাল অসিবু লাইয়োন্দা অরাং কংলৈ কৌই, কুম্বাবনা মহেন্দ্র নগর কৌই। সুপনগী বভ্রুবাহননা পানবা লৈপাক অসি অতোপ অতোপ্পা লাই-রিক্তা য়ামনা তিন্নদনা প-উ উবসু য়াওই। গরুর পুরান্দা মণিপুরগী মমিংদি য়াউদনা লৈপাক অতোপ অতোপ্পা ওইহনদুনা যুগসু সত্য, ত্রেতা হাইবনচিংবা হাঙৈরিবা অদুসু মণিপুরদা থোল্লম্বা লৈপাক্কী মমিং ওইনি। ইম্ফাল হাঙৈবা মিং অসিদি সহর হাঙৈবনি, সহর হাঙৈবাদি মৈতৈলোন নত্তে, য়ুম ফজবা সাই হাঙৈদুনা সহরবু মৈতৈলোন্দা য়ুমফাল কৌবদগী ইংরেজীনা ইম্ফাল (Imphal) হাঙৈনা ইসিনবিরুদুনা মাদুগী মতৌ তমদুনা মতুংদা ঙরাং লহালদা ইম্ফাল হাঙৈনা ইনখি। নাস্তুম তৌদুনা ভুগোলদা ইম্ফাল হাঙৈনা ইবদু উবদগী লম অসিগী মমিং অমা ওইনা থোকখরে। লম অসিগী মমিং চান্নবদি কুম্বাবনা হাঙৈরিবা মহেন্দ্র নগর হাঙৈবসি ওইগনি। লম অসিবু মহেন্দ্র নগর কৌরম্বসি মহাভারতকী হৌনবী এংলবসু কৌকমমক থোকই। মরমদি—মণিপুর য়ৌ-রমদাইদা মহেন্দ্র পর্ব্বত উই হাঙৈ। অদুদগী মণিপুরদা চংই হাঙৈ :—

"মহেন্দ্র পর্ব্বতং দৃষ্ট্বা তাপসৈঃ পরিশোভিত"

ইত্যাদি—

হুজিকমকসু মণিপুরগী মহেন্দ্র পর্ববত হাঙৈবসি মৈতৈ পুন্নমক্তা ঐতিহ্য ওইনা লৈরি। অদুনা ইম্ফাল হাঙৈবসিগী চান্নবা মিংদি মহেন্দ্র নগর কৌই।

বভ্রুবাহননা নিংথৌ ওইদুনা পানবদা নিংথৌ কয়া মরূম ঙমজদুনা পাল্লি, মগুণসু চাওরে, লৈপাকসু সুংঙাইরে, মনি ফংবা হাকথক্তুগী মণিপুর কৌরে। মরম অদুনা মোনহোস তৌদবা য়ুমনাক অমতবু মৈতৈ ওইদ্রিবা অসিনি। বভ্রু বাহন নিংথৌনা চহি ১৩সুবা মতমদা (কলিগী চহি ২৫২৬ তা) যুধিষ্ঠির মহা-রাজগী অশ্বমেধ য়াওরুরগা হল্লকলে, মতুং অদুদা মচা নিপা অমা পোকই, সুবাহু কৌই। মচা অদুবু সুংশিবদগী রাথল তৌবদা স্বাই লাওথ্রে ঐবুসু

ইপানা অস্থূপ সুংশিবিরিনী কোঃ খল্লকএ ঐদি ইপাদা বিরুদ্ধ ওইরুরে খল্লুবদা রাবনা নিংঙমলক্করে, মসুংথামপি হোল্লে হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ কৌহুনা কপলে, চাবা থকপা তৌদরে, তুম্বা হিপ্পা যাদরে, রাজদোর্ব্বার থোক্করে মতোমমক শিরগে নিংঙে, থর থর শন্দুনা কপলে মী কনাদস্থ হাঙ্গীদোক্কে, অমুক খল্লি, ঐ মৈস্থুংদা ওইরবস্থ ঈ শিদো ওইরবস্থ শিগে হাঙ্গীববু এতোমতগী থরাই হাংলবদি জীব অহু লানবা ফংদ্রে হাঙ্গী, ঐবু করম তৌসিবা অস্থম্মা খন্দুনা চাদ-থক্কনা লৈ মতম অত্তুদা প্রজা অত্তম্বা খিখিক্কা থম্মে কয়িনো চন্দক মহারাজনা তৌরি-বসি থাংদরে, অসুম্মা খক্কুনা শ্রীমতি চিত্রাঙ্গদাদা হংগংলে। অত্তুদা শ্রীমতি চিত্রাঙ্গদানা অত্তম্বা পুম্নমক্কা চংলকলে মমা ইবেম্মা উবদা শ্রীযুক্ত বভ্রুবাহন মহারাজনা থুরুমনি মমাগী আসন থাবে, ফমহল্লি, অত্তম্বা পুংমকনা মহারাজবু খুকুম্মি পুম্নমক কম্মি শ্রীমতি চিত্রাঙ্গদানা মচাগী অরাবা উহুনা য়াম্না রারে কপলকই মচাবু থংকনা হাঙ্গী, ইমাগী ইবুংঙো নহাক্কী নপো থেংবদা হমা য়াম্না র'রে, কয়িগী মরমনো? ইমাদা তাকউ রারম থংদবনা ইমাগি ওংকম থংদরে মমা ইবেম্মাগী য়াপ তারবদা শ্রীযুক্ত বভ্রুবাহন মহারাজ কপলহুনা হাঙ্গীরকই, ননাই ঐগী পরাক্ত অসি হিংনিংদরে শিখিবনা করনি নিংলে, মরমদি ইপাদা বিরুদ্ধ ওইকনসি খল্লুবদা হিংনিংদরে ঐনক্ক মশিরগে হাঙ্গীহুনা মমাগী থোংবী পাইহুনা নোং থোংবাগুম্না কপলে মাক্ত তারবদা মমা ইবেম্মাসুং শুড্রম অথৌস্থ কপলে, অহুদা মমা ইবেম্মানা হাঙ্গী ইবুংঙো নহাক্কা শিগ্রবাদি ইমাদি কয়মনা লৈগনি ইবুংঙো ইমাবু য়োকথো হাঙ্গীহুনা থারকলে অহু তারবদা শ্রীযুক্ত বভ্রু বাহননা হাঙ্গীরকই ননাই য়াক্তি থাংবাদি ওমত্রে, হরমদো হাঙ্গীবগে শ্রীমতি মমানা হাঙ্গী ইবুংঙো তাইবং পানবগী মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু নিংঙু রাবা কোকলি হাঙ্গীনা তাকশিরে। বভ্রুবাহন নিংথৌনা শ্রীকৃষ্ণবু নিংতি। সুগাহঁনা হেমাঙ্গদা লৌহুনা ধর্ম্মাঙ্গ পোকই, ধর্ম্মাঙ্গনা কোশিমি লৌহুনা হেমাঙ্গ পোকই, হেমাঙ্গনা ভানুমতী লৌহুনা মণিপুরগী নিংথৌ ওই অহুদা নির্ব্বংশ ওইহুনা সিত্রে অহুদা ভানুমতী মহারাণীনা সূর্য্যপূজা তৌহুনা লৈপাক ভাকই; সূর্য্যনা কৃপা তৌহুনা নোংজুন গনি পীএ, অহুবু উমহুনা পুবকই য়াইবীয়োক লৈথ-রেন্দা শিহুনা লৈমগ্না কোন্দুনা শিনু ওইনা পোকলে শকাব্দগী হৌশলবা চাহ ৭৫ থাংলৈভেনি মশিং পাথবা কোএ চহি ১২০ পাম্মে মাগী মহারাণীশ

লাইগ্না কৌই অহিং মী ওই মুংথিল লাই ওট লাইস্নানা নোংমা অহিংদা চাঙী মুংথিল মুংথিল নংনা লাই ওইবা অসিবু কনাগুম্বা মুপী অমদা খোংদাখিবা ঐরগে ঐরুন্ন লাই ওইরগে পাথংবনা চাঙী নংদি পোইরৈতোম্না থুচোরকপদা লাকপনি মী ওইবা য়াই লাই ওইনা থাদে ঐদি কোবৌ নোংদোন্দগী কুম্মক-পানিনা মী ওইবস্থ য়াই লাই ওইবস্থ য়াই সুম চাঙনা থুম্মি মৈদংদু পাথংবা কৌই চহি ১২০ পাল্লমমী।

মতুং ইলিং চাওই মী পুন্নমশ চিংথক্কা চেনুপি মতুং শকাব্দ ৭৯৩তা পাথংবগী থারা খুৎখোই তোম্পোক্কা পাল্লি চহি ১১০ মগাকথক্কা থুছুপ ১২ শাংবা পুংজাও শক্তি মউন্না তিংবনা য়৻রুবদা শক্তি মখোলগুম্না চৌরে লৈপাক থম্বদা অসি য়াইফবা ওইরবোই কনাগুম্বা মীগী মিচৈ লৈ চাঙইদুনা তোকলে কৈগী মউন্না তিংবদা য়৻রুবদা কৈ মখোলগুম্না চৌরে লৈপাক থম্বদা গুরুনা নোংখোং কোইরু চাঙইনা পোৗদাখিবনি হাইদুনা তোকলে অদুদগী শন্দং মউন্না তিংবদা করদুনা সাদিক লানদিল থাকপদা য়৻নখ্রে চহি ১১০ পালিলম্মী নোংগাখ্রে মতুংদা তাওথিংমাংনা পালপি মগাকথক্কা মযাম্বা য়োইমোম্বাগা মণিপুরগী তুরেল মতং মতং লৈবা মথৈ তৌথংলি অকোনবদা ঈরিল তুরেল য়োইমোম্বনা তৌথংপদা ম্লিলোং য়ৌবদা ফুনান তেকলৈহেননা ঐগী ইংমগী তৌকয়োক্ত চাঙইদুনা থিংজি নোচুম্লোমদা তৌথদুনা তুরেল অচৌবদা তিকলে মথা পাংনা তৌথরে। তাওথিংমাংনা তাম্লককই ফুনান তেকলৈহেননা ঈরম্মি চৎফদে থিংই। তাওথিংমাংনা ইথাম্বা কয়া কুইথরে চঙই। কুইথ্রে থমখি। ঐ তুবং শমগে হাঙবদা য়াদে। ঐদি শমগনি হাঙইদুনা শয়মি। ফুনাম তেকলৈবনা তাওথিংমাগী মবুক্তা কাপথাইরে খোইরি লিনশাং শোক্তুনা ঈনা ইভাং ভাংনা তাওথৈ মকম অদু ভাংলৌ কৌখি। তাওথিংমাংনা অদুমমক শমদুনা চৎলে। মথারোমদা চৎখিবদা হাওথা লোথাদা কংলে। হাওথা লোথা হাঙইবদি গুম্মুদান, তৌজিক ফাওবা হাওথা লৌবুক হাঙইদুনা গুম্মুদা লৈরি হৌজিক হাওথা হাঙইবা অসিদি কোম্না হোংখি। মরমদি নিংথৌ মনাইনা লোইপোং থোবা চৎপদা খুলাকপগী মযুমদা থু হ খুলাকপদি খুল লালখিদুনা লৈরমদে। খুলাকপগী মুপী অদু য়াম্না ফজৈ

নিংথৌ মনাই অহুনা লাল্লুরে। খুলাকপনা হল্লকলপা মাগী মুপীনা ভমলে অহুগী মলোয়া নিংথৌ মনাই অহু হাংলে। অহুদগী কীরহুনা চেনখিবনি। য়োইমোম্বগা তাওখিংমাংগা অনিমকনা চিংমুংহুৎতা কাৎথখি। খুল অহুগী মীনা করিনো নচিন ননাওনা লাকপদি ঐখোইগী লম অসিদি ককাম্বল মিঙম্বনা মী চেনখিবনা মপান থোকনদ্রে, নচিন ননাওম্ব চেনখ্রনি। অহু তারবদা লাং থাকুনা ককৃয়েল কাই হাংলে মশা অমনা লোক্তাকী ঈশিং কংখ্রনি হাঈহুনা থিংডি মকম অহু ইথিং কৌখিএ। মশা অমনা চিংমুংহুৎতা কুমমি মরমদি ঙা কোরিয়াল, নাগুবি, গুম্ভীর কারক্তনবা থিংবনি। মাখোইবু হাওখা লোখানা কীনরে, হাওখা লোখা লোইচল্লমগা কারকই। খরা লৈরগা নোংগাখ্রে। চহি ১০০

৪।	খোইনিংথৌ	চহি	১৫	পাল্লি।
৫।	পেংশিবা	চহি	১৫	পাল্লি।
৬	কাওখংবা	চহি	১৬	পাল্লি।
৭।	নাওখম্বা	চহি	১৭	পাল্লি।

৮। শকাব্দ ৩৫০ দা শ্রীযুক্ত নাওখংবা পাল্লি, চহি ১৭ মহাকথক্তা রাজাগুহি যজ্ঞ অশ্বমেধ যজ্ঞ য়াদ্রে হাঈহুনা কম্বাল তোংবা হৌদোকই। হাওনা অভিষেক তৌবা কত্তে হাঈহুনা কমদৌ নিংথৌ হাঈহুনা ৬৪ হাপই। শ্রীযুক্ত পাখংবগী গুরুং মথক্তা নিংথৌ মহারাণী পোংলোই সম্পোং সেংহুনা হিথাও পুবা থোগন লাংগন, থাং, তা, খুংলাই পুমমক থোগন তৌহুনা কুম্মে চাওনা তৌহুনা কমদৌ ৬৪ না অভিষেক তৌবা গুরুং মথক্তা কম্বা নিংথৌ কুইনা কমগা কুইনা পানবা, কুইনা কম্বা ভমত্রবদি নিংথৌ কুইনা পানবা ভমদে। গুরুং অসিদি বিজ্ঞানগী মত্তদি অগ্নিয়গিরি অমুম্বা থোকই। মকম অসিবু কংলা কৌই।

৯। শকাব্দ চহি ৩৬৭ তা শ্রীযুক্ত শমৈরাংনা পাল্লি, চহি ৫ই মহাকথক্তা অভোম নিংথৌ ক্বাকপা থরাল থাবা ভমহুনা লৌখ। মনাও থমংলাংনা নিংথৌজা নিংথৌ শাগৈ হাইহুনা য়ুমনাক তাখি। অকল অথৌ চাক খাংবা হৌদোকখি।

১০। শকাব্দ ৪১৭ শ্রীযুক্ত কোনথোবা পাললি, চহি ৯০ সেনলৌ লংমাই হাংলি। অসিগী মতুং চহি ৫ লাল কাইনৈ।

১১। শ্রীযুক্ত নাওথিংখোংনা পাললি, চহি ১০০ মহাকথক্তা পোং নিংথৌ মনাও শামলুনা পাশা কাওবা লোই চম্লুরগা হললকতুনা অপোং হিংখোন্দা থমমি। (নোংপোক হিংখোল)

১২। শ্রীযুক্ত খোংতেকচানা নিংথৌ ওই চহি ১০ পাললি, মহাকথক্তা লাংজা লৌপুং কৈন্দা মীয়াম পুতুনা শা তানবা চৎপদা কমদৌ ৬৪ ঈশিংদা লাইনা লৌথিতুনা অমত্তামহিংডি, মথুক্তা লোং পাইহ্নুনা হিংডি হাঈতুনা মাগী খারাদি লোংজম কৌথিএ, মোইরাং অথোবা ৬৩ মৈতৈদা তারকই। মোইরাং পুথ্রম্বানাচিংবা ওমমক হাংলি। মতুং অন্না লাকুনা চহি ১১ লান কাইনৈ।

১৩। অসিমতুং শ্রীযুক্ত কৈরেনচানা পাললি চহি ১৫।

১৪। সি'মতুং য়ারবনা পাললি চহি ২২।

১৫। অয়াংবনা পাললি চহি ৮৯ অয়াং পললি খোললি, খুমন ওমমি লান য়ামনা কাই।

১৬। শ্রীযুক্ত নিংথৌচেংনা চহি ৬৯ পাললি হাওগৈ ওমমি।

১৭। শ্রীযুক্ত চেংলৈ ইপাল থাবনা চহি ২০ পাললি মাহাকথক্তা লুরাংলিদা লুরাংনা হি তোংতুনা লাকপদা ওয়া কারকই।

১৮। শ্রীযুক্ত য়াংলৌ কৈকাবনা চহি ১৫ পাললি মাহাকথক্তা মুশীগী ফনেক ফিবাল লোনবা হৌদোকই, হি শাবা কোম্রাবনা হি শাবদা থাংমৈদা উগী মযেক য়েকপথু উতুনা ফনেক ফিবান্দা লোললি, হিজ মযেক কৌথি।

১৯। শ্রীযুক্ত ঈরেংবনা চহি ৯০ পাললি।

২০। শ্রীযুক্ত লোইয়াম্বনা চহি ৪৮ পাললি, মাহাকথক্তা লাই তাম্থোকতুনা মী নাই শুম্ভাইনা পাল্লি, পানা ৬ থোকই, পানা মমিংদি অঙোবা লুপতি লুপলেল লুপ অমা। নোংমাই লুপতি থৌজা লুপ ২। অকোংলুপ্তি কোংজা লুপ ৩। খুরাই লুপ্তি খুরাই লুপ ৪। লুপমাচংদি চিংজালুপ ৫। রালেল থাজনখি থাইজ লুপ ৬। মাহাকথক্তা অসুম্না লালুপ কাথিএ সেক্তাদা ঙা থুম, খোকপা ফাল অমা লৈরমই, মাহু পিয়ু হাঈবা য়াদতুনা মবাই অঙম নিংথৌবু

লান শোরুহন্দুনা ভমই। কাল অহু লোই পাইথ্রে। হাওগুদা লোই থোরুব্দা লোইপোৎ পিদে হাঙ্গিহুনা ময়াম্বা থমলাং পাল শাববু লান শোরুহন্দুনা ভমই, হাওগু নিংথৌ কাই। অমুক লৈহৌদা লোইপোৎ থোরুবদা চানবা পিদে হাঙ্গিহুনা শ্রীযুক্ত লোইয়ামবা নিংথৌ লেংহুনা লৈহৌ-নিংথৌ কাই, ঔগ্রি হুজন শকপা হৌবা অহুত্তৈগীনে।

২১। শকাব্দ ৯৭০ শ্রীযুক্ত লোইতোংবনা চহি ২৮ পাল্লি। মাহাকংক্তা কাং শানবা হৌথি মবমদি ভেংপাক থুং য়েৎনা পাইরগা নাথাং মপাদা চীংলগা থাদা হাঙ্গিথহুনা থুং চুম্বা তান্নহুনা সানৈ, অহুদগী মহারাজনা অসুম্না সান্নবা অসি কজদে কজনা সান্নসি হাঙ্গি অহুদা লৈপাক পুন্নমক থম্নে। অহুদি কজবা শংগী মন্নুংদা সান্নসি খিল্লিবা মকম অসি পোৎচৈ থাবা মকমবু কাংথুন কৌই। কাং-খিল্লা খিনবা মকমসি কাংথুন কৌসি খিল্লিবস্থ কাংখিল কৌসি হুল্লিবন্থস্থ কাং কৌসি লেপ্পুনা হুনবা অসি চেকচৈ কৌসি থুং য়াইনা ইনবসি থাজিনখিবলি লমথা কৌসি কাংথুন্দা থাবা পোৎ শিনস্থ য়াওই লমথা অসি কাংশি হাঙ্গবা নাইনসি হুমিৎ কোরৌ ৭ তরেৎনি না মী ৭ তরেং সান্নসি মতমদি শজিবু চৈ-রাওবদগী ইভা থানা শিবা হুমিৎ কাওবা য়াই। মহারাণীনা হাঙ্গি ঐখোই হুপীস্থ সান্নজগে হাঙ্গি অহুদা মহারাজনা হাঙ্গি নখোইনা সান্নবদা নিপা অনি অনি হাপ্পুনা সান্নৌ হাঙ্গি নোংপোকলমদা লান শোরুবদা ভন্মি কেগেলাও ১। খোংতোন ২। তোনস্থ ৩। মাওলোংবা ৪। অভোন নাওথিংবা ৫। কোক মরোক ৬। হিনাওবা মাখোই অন্দিনচিংবা ১০ কারকই।

২২। শ্রীযুক্ত অভোন কোইরেনবনা চহি ১৩ পাল্লি, মনাওনা তাম্বোক-হুনা থুমন্দা চেল্লি।

২৩। শ্রীযুক্ত ইপান থাবনা চহি ৩৩ পাল্লি।

২৪। শ্রীযুক্ত থৌরান থাবনা চহি ৩৬ পাল্লি, থুমনগী সৌবোময়াই মুল্লি।

২৫। শকাব্দ ১০৭৬ শ্রীযুক্ত চিংথা লাম্বনা চহি ১১ পাল্লি, কামু নিংথৌ কাই

২৬। শকাব্দ ১০৮১ শ্রীযুক্ত থিংবাই শেল হোংবনা চহি ৫ পাল্লি চহি ১১ অরা লান কাইনৈ।

২৭। শকাব্দ ১০৮৭ শ্রীযুক্ত পুন্নাল থাবনা চহি ১৬ পাল্লি, কৌবা কৌদাই কাই।

২৮। শ্রীযুক্ত খুমোম্বনা চহি ১৫ পাল্লি, মাহাকথক্তা চিথাং ভম্মি, থঙ্গাল ভম্মি, হাওকুল ভম্মি, খুমম্না লাল নেক্তুনা মৈতৈনা কবো চাইথাই। কবো লী মা চিনবান থোং লুপা চিনবাল থোং ইমোংবা অসিনাচিংবা লান য়াম্না কারকই।

২৯। শ্রীযুক্ত মোইরাম্বনা চহি ২৪ পাল্লি, মকি হাও ভম্মি।

৩০। শ্রীযুক্ত থম্বি লাম্বনা চহি ২২ পাল্লি, মোইরাং চিংখু তেলহৈবগী মচা শুপী য়োইরেল তোম্পোকপি মহারাণী হাম্বিগে হাঙ্গবা য়াদহুনা লোক্তাক্তা হি থাদহনা লান শোকনৈ ভম্মি, লান য়াম্না কারকই

৩১। শকাব্দ ১১৬৪ শ্রীযুক্ত কোংয়াম্বনা পাল্লি, চহি ১১ নোংচুপ কোংয়াংকাইদা লান শোকনৈ ভম্মি, মোংচুপ কোংয়াংমনিংথৌ কাই। কৌবা হিবেল চিংদা ময়াং লান হৌরকপা শোক্লহুনা ভম্মি, অকে রাজা থাংয়ানকনবা তিঙ্গু রাজা রাশকপা নাগাশুমগা তাও অরিং অরাং তাও অসিনাচিংবা কাই।

৩২। শকাব্দ ১১৭৫ শ্রীযুক্ত তেলহৈবা চহি ১১ পাল্লি।

৩৩। শকাব্দ ১১৯৫ তোনাবনা চহি ৫ পাল্লি।

৩৪। শকাব্দ ১২০০ শ্রীযুক্ত তবুংবা পাল্লি, চহি ৪৫ অরাংলোমদা চিংশোল হাওনা ফিবোং চমেম্বা রাঙ্গোল পুকৈলোলবু পিদে হাঙ্গহুনা লান্দাথিবদা ভম্মি, নিংথৌ মনাই অকাংজাম্বা তেলহৈবা হাংথি।

৩৫। শকাব্দ ১২৪৫ শ্রীযুক্ত লাইরেনবনা চহি ৩৫ পল্লি মতুং চহি ১০ লান কাইনৈ।

৩৬। শ্রীযুক্ত পুন্সিবনা পাল্লি, চহি ৩৮।

৩৭। শকাব্দ ১৩৩৮ শ্রীযুক্ত নিংথৌ খোম্বানা চহি ৪৮ পাল্লি, অলকা ভম্মি, তাংখুল পুন্নমক লান হৌরকুনা মৈতৈ লৈমা লিম্বোই ভম্বিনা মৈতৈ লাম্নি

পুন্থনা লোইনা কাই। মচা অমা পোকই, ক্যাম্বা কৌই, তান্না নোংগাপ্রে। হেক পোকপগা ক্যাম্বা থনম্মি।

৩৮। শকাব্দ ১৩৭৬ শ্রীযুক্ত ক্যামবনা পাললি চহি ২৪ সুবদা লৈপাক সেম্মি, চহি ২৭ কুনভারৎতা ফম্বাল কাই ক্যাম্বানা কবোক্যাং ওমগে হাঈহুনা থারি চিংখোংদা শন্দং অমা কংলম্মি ক্যাম্বগা পোং নিংখৌ চৌফা খাকখোমগা লান লোইনৈ কবো ভাম্ম কবোকৌ হাঈবা আস অহুদগী পুরক-হুনা কবোকৌ খোকখি। নিংদি তুরেল মকৈদা লম ১০০ পাকপবু স্না, লুপানা থোং শাহুনা শ্রীযুক্ত ক্যাম্বা নিংখৌনে শ্রীযুক্ত পোং নিংথৌনে লান-মিন্নৈ। স্না লিকক মথক্তা স্নগী তাংবন থাহুনা কাম্মিন্নৈ। স্না লুক হাথি, স্নাগী লীঃ কাল্লী লানদি কাবোগী। তখেল মুংশুং খমশেংস্নং থমলাই শুং কাবোগী অচৌবা অহুম অসি ফাই পোং নিংখৌ চৌফাখাক খোমগী মনাই পেরে খোংবা শ্রীযুক্ত ক্যাম্বা নিংথৌনা ঐগী লৈপাকতি পুংমাচিংবা য়েবা মোইবুং বাসিনাচিংবা য়ি, হৈ, হৈ, পেরে খোংবা আসিদি কয়া পাংদে। লোৱাল পেরে খোংবসি থা ৫, ৪ থনম্মু হাঈহুনা লোহৌপ্পি। পোং নিংথৌনা হাঈএ, ঐগী লৈপাক্তি পুং য়েবা হৈবা লৈতে পিরম্মু হাঈহুনা সেক্তা পুং য়েবা পিরম্মি, থা ৫ পুং তমবিয়ু হাঈহুনা পিরম্মে। অহুগী লম য়েনসি হাঈ-হুনা মৈতৈগী মহৌ রাংবী শুমবগা পোংগী, কয়ো, চাপাক, তে তেঃ বগা চংহন্দুনা য়েনহল্লি। পোংগী লমদি হৈনৌ খেনেম্বা পোকপগী মখেনে, মৈতৈগী লমদি মোংখোং মুণ্ডাইগী মখেনি। নোংপোকলমদি লোই জারিগী মখেনে, মথারমদি মিন্নাতোং কৌবা চিং হৈনৌ খোংনেমবা পোকপগী মখেনি। থারি লৈবাক পুন্নমক থাইরম্মি। সনখোক মমাংদি পোংগীনি, মনিংদি মৈতৈগীনি, পোংগী কাগোক পিরম্মি স্নগী মশক শ্রীবিষ্ণু ফংঈ। মহুমপু চহি হংনৈ পোং নিংথৌনা ঐদি চহি ৬৭ শুরে ফম্বাল তোংবদি চহি ৩০ শুরে হাঈ। শ্রীযুক্ত ক্যাম্বা নিংথৌনা হাঈ ঐ ১ চহি ২১ শুরে ফম্বাল চহি ৩ শুরে হাঈ অহুম্না হাঈনহুনা হম্নকই। শ্রীযুক্ত ক্যাম্বা নিংথৌনা পানবদি লমমাংদোংদা পাল্লি। লমমাংদোদা অসিবু লমলাংদোং কৌনরমুমি। মাহুগী ব্যাখ্যাদি

ইদরে লম্‌মাংদোংদা শ্রীযুক্ত ক্যাম্বাগী কোম্বুং মকম লৈরি, বিষ্ণু লাংলম্‌মি হাঙ্গৈহনা বিষ্ণুপুর কৌই।

মতুদা 5হি খরা লৈরগা লৈবাক পুন্নমক তিন্নহনা থাইনদগী হৌরকপা চহিগী অয়োইবা মুমিত্তা নিংথৌগী পণ্ডিতসিংনা চৈ মচা অমদা কিরান মচা অমা পুনহনা ঙসি চহি লোইরে হাঙ্গৈহনা লমজাওদা খুল্লক ইরক্তো লাওই অহু চৈ পাইহনা লাওই হাঙ্গৈহনা চৈরাওবা কৌই মাসি কজদরে চৈ অসি থারসি হাঙ্গৈনরে, অতুদি করম তৌসিগে হাঙ্গৈনবদা শ্রীযুক্ত ক্যাম্বা মহারাজনা হাঙ্গৈ অতুদি চৈ থারসি হাঙ্গৈরবদি নিপা অমা চৈথাবা হাঙ্গৈনা চহি চহিগী হাপ্লসি নিপা অতুদি মথৌ কোক্লাস। লোইলমনা চৈ অহু থারবদি পানা থোকপা রানসি মামংসু চৈ থাবা কৌরসি অসুম লেপনহনা শ্রীযুক্ত ক্যামবা মহারাজ চহি ৩০ সুবদা শ্রীযুক্ত ইয়াং লোইনা চৈ থাবা হৌই। (শকাব্দ ১৪০৬ তা) ১৪০৭ তা নামোই খুবাই ঙমবানা চৈ থাবা, মাসগী ফাল্গুন পূর্ণিমাদা শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভু অবতার তৌই, গৌরধর্ম্ম চাওখংলি। যোগাই মাধাই লানবী।

১। অহল্লুপ লোইশং শংলেন লিংখৎপা অতুঙৈগীনি। শ্রীযুক্ত থাংইলম্ লৈয়াংবনা অহল্লুপ লাকপাওই। ২। নহালুপ লোইশং শংলেন হৌবা অতুঙৈগীন। শ্রীযুক্ত ইরাংবমচা লালব শারাবন্না নহালুপ লাকপা ওই।

শকাব্দ ১৪২৯ কম্বাল চহি ৩০ পুন্সি, চহি ৫৪ শ্রীযুক্ত ক্যামবা নোংগাখ্রে।

৩৯। ক্যামবাগী মচা ইবুঙো শ্রীযুক্ত কোইরেনবা চহি ২০ দা কম্বাল কাই। মাহাক থক্তা হিয়াঙ্গৈ থাদা হিয়াং তানবা হৌবা অতুঙৈগীনি। কোইরেনগৈ খুন শেম্‌মম্মে, কুমনং লোনবা লুপারিক পুন্না তোপ্পা শিংনহনা মিরোল অহু শিনৈএ। কম্বাল চহি ৪ পুন্সি, ২৪ দা মোংগাখি।

৪০। শকাব্দ ১৪৩৩ দা শ্রীযুক্ত লম ক্যামবানা চহি ৫৩ দা কম্বাল কাই। শোক ১৪৩৯ দা মচা ইবুঙো অমা পোকই, মমিংদি কবোমবা কৌই, শোক ১৪৪০ দা য়ুম লাইখন তাবা শাবা হৌবা অতুঙৈগীনি।

শকাব্দ ১৪৪১ দা লাইজাও থোকপা অহুঙৈগীনি। শকাব্দ ১৪৪৩ দ নিংথৌনা কংলা হোংই। ১৪৪৪ দা পুন্সি চহি ৬৪ দা নোংগাখিএ।

৪১। শকাব্দ ১৪৪৫ দা শ্রীযুক্ত নোংইন কাবা নিংথৌ ওই, চহি অম পালম্নগা নোংগাখ্রে।

৪২। শ্রীযুক্ত কবোম্বা কম্বল কাইএ মাহাক থক্তা শকাব্দ ৪৪৯ দা লম্বুল পুংজাও থোক্লি (লম্বুল তুরেল) ১৪৭০ দা কাইরম পুংজাও থোক্লি। ১৪৫৫ দা তখেল খোং তৌই। তখেলস্থু থোরকই শল ইরোইস্থু য়াম্না লি। শকাব্দ ৪৫৭ তা তেখাও লন্থি কাংলি। নিংথৌগী মচা হুবেম্বা তেখাও লৈমা ওইথি। খোংনামবি কৌই, পাম্মু তেখাও ঙমবা পিরকই, কৌবুক্তা কৌমানবীগাক কৌবে, কৌ লইয়নেই নিংঙ্গনা প্রজানা নিংথৌদা হুঙ্গংলে, মাহারাজা কুমশিদি পো থোইরবগ্ হুঙরকস্থ য়াবে কৌ ঙাক্তা হৌরে মৈঙৈ-না কৌমানবী য়াঙ্গৈবা থংদে, কৌমানবী হাঙ্গৈবা অাস অহুঙৈগীনি। অহুদা মহারাজানা হাঙ্গৈ, লংঙৈনা পিরবনি হাঙ্গৈহুনা লৌ উদ্রে, চহি অহুতা ওম্মে। মাহুদা তেখাওগী চংলুবা মীন লু য়াঙলবা শাবগা তুরেন্দা থুমমি হাঙ্গৈহুনা তেখাও লু শংহুনা তুরেন্দা থুমহনা য়াবনা কাহুনা লেনখি। তেখাও থংনৈ, তেখাও লু শাবস্থ অহুঙৈগীনি।

১৫৫৯ দা ঈশিং চাওবা, য়াইস্থু নিংস্থু তাংহৌদে।

১৪৬৩ শকাব্দদা কৌবা চানা লাল হৌরকপা ওয়ামি, শ্রীযুক্ত কবোম্বা মহারাজা কম্বাল চহি ১৮ শুগানা ফুংলে, চহি ২৬ তা নোংগাখ্রে।

৪৩। শ্রীযুক্ত তাংজবা নিংথৌনা শ্রীযুক্ত কবোম্বা নিংথৌ তাম্হোক্তুনা নিংথৌ ওইবদা পাওবম কাপানা পোকচাও পুখ্রম্বু হাংলি। থোকচাও নামবগী মচা হাওবা চেনাদি অঙৌ পামবা লোইজা ওমবদা চেনশিল্লি, পাও-বম কাপানা পিয়ু হাংকে হাঙ্গৈবদা পাক্রে কাবিগী পিদবগে হাঙ্গৈহুনা অঙৌ পামবা লোইজা ওম্বু হাংকে হৌই, পোকচাও তাম্বা চেনানা অঙৌ পামবা পাইজা ওম্বগী থোংজিন্দা লুমহুনা পাওবম কাপাবু হাংলি, কুম অহু অস্থুম

তৌহুনা হিয়াং লেপএ। শোক ১৪৬৬ শ্রীযুক্ত তাংজবা নিংথৌ কম্বাল চহি ৩ পুন্সি, চহি ৩১ নোংগাখি।

৪৪। শকাব্দ ১৪৬৬ শ্রীযুক্ত চলাম্বা পাম্লি, চহি ৩২ দা কম্বাল কাই।

শোক ১৪৬৮ দা মুংযাংবা পোকই।

শোক ১৪৭০ দা খাইরাকপা খুনজাওবা পোকই।

শোক ১৪৭৩ মৈতৈ লৈপাক্কী কমদি লেমবা লোইবে।

শোক ১৪৭৫ নিংথৌগী য়ুমজাও মে হৌই। ইরু হাও ওন্মি।

শোক ১৪৭৬ কৈয়েন তুরেল তৌই। লৈমাংখোংবু তৌই, মুংশিং হাম্মা কম্মা শিংলি, য়ুমকৈ তেকই।

শোক ১৪৭৮ মায়াং পোকই, ইমাত্র পাগংবা হৌই, শ্রীযুক্ত কভৌ-পামবা লমদাবা পোকই।

শোক ১৪৭৯ মুংয়ুংই, কঙ্গমাপগী মূর্তি য়েকই।

শোক ১৪৮০ অনাল ওন্মি অনালনিংথৌ লোংলিংখোই কাই। নারুম-খোম মী লীমদাই নিংথৌ কাই।

শোক ১৪৮১ খিংনুংগৈ ইথিং অলিমক মণিকপি খিংনুংগৈবু কৈ ওইহল্লি, ইলিংবু হৈ কুমজাগী কংহান্ন।

শোক ১৪৮৩ শ্রীযুক্ত চরুম্বা কম্বাল চহি ১৭ পুন্সি ৪৮ দা নোংগাখি। শ্রীযুক্ত মুংযাংবা চহি ১৮ দা কম্বাল কাই, খোইরুক খনবা ফুরিংতা লৈতেংবা হৌই।

শোক ১৪৮৪ দা অরাংবা লম য়েংদা দাল শোকইন, অরা তেংঙাল চাইথাইহুনা ওন্মি। অরাগী কমনাক্না অচৌবা চৌফা মন্ত্রং ১। চৌফা ওনথিনেপা ২। অমংচতা ৩। পেরাতারি ৪। লাকয়া ফারা ৫। কাই, নাংমৈ, থাঙ্গং হামনা লোপই। তাংখুল খুলেন্দা সিরা তান্দুনা ওন্মি।

৪৫। শোক ১৪৮৫ দা মুংয়াংবাগী সেরেম্বী মহারাণীগা অনিমকনা শ্রীযুক্ত চরাম্বা মহারাজগী কর্ম্ম তৌববু অহুগুম্না মমাংঙৈদা য়াওদরি। মুংয়াংবা মহারাজনা ফি তোংঙি, লম থোকই, শুগু লৈহেন্নবদা চিংশাং নাকপাক্ত হি লাক্কনা মহারাণীগা মনাই খোংলেনগা অনিমক শি, অঙৌপামবা ক্যারেং তৌকানা ময়ুং শাংবা পুম্রি অমা তৌহনা হোংববু মহাক্কী পুম্রি অহুক ফজবা মমাংঙৈদা ওইখিগ্রি, মচা ইবেম্মা লাংমৈরেম্বি কবোদা থাজবদা কবো নিংথৌ না শামু য়াম্মা কৎলি মৈতৈ লৈম সেরেমবীনা খোংনাং হোংই। মোংশাং হাও নিংথৌ হাংলি অহুগী মথে মোংশাংগৈ কৌই মৈতৈ লৈমা সেরেমবীনা মাইবা লাইশং পামে। সাগাং নিঙাই চাওই হাঙ্গীহনা মোথেক নিংথৌ ফাই।

শোক ১৪৯২ দা মুংয়াংবা নিংথৌ অরুম তৌহনা হিয়াঙ্গে হিয়াং লেপই। অনাল ওম্মি নোংথক্কা লাইরেন পাই মচা ইবুঙো লমমোনবা শিএ। কবো মরু খোম্মি কবুই শামথুন ওমমি অরেং নিংথৌ ফাই। চাক তাংই নিংথৌনা থোইজু লাংমৈ লুপাগী লুহুপ ফমনাইবা পুম্নমক নিংথৌনাচিংবা শিংনৈএ।

শোক ১৪৯৭ তা মচা ইবুঙো অমা পোকই খাগেমবা কৌই, মচা ইবুঙো কোইরেম্বানা খোংনাং হোংঙি; খাইবাকপা পুনজাওবগা লমখোমবীগা ললহাংনবদা লুপা খাও শিংনৈ, চিংথক্কা লেপুং থোক্লমমি। শোক ১৪৯৯ দা চিংঙাদা মাওবি মহৈ য়াম্মা পাল্লহনা হৌম্লে। মচা ইবুঙো চাম্বনা অরা চংহনা শামু অনি পুনকই। মোংশাংগদা ফাজাও চিংথাবনা হৈনৌ থোং শাহনা লানবদা থোং তেকুনা ইবেম্মা সেরেন ওম্বি তাহনা শি, সাংখু থোকই (চুপশাবা) চিংশাং পুম্নমক ওম্বি, পদ্দং ফাই, থোজ্জাওদা সোইজিল হুরাল্ল-বদা খাগোক পাঙ্লে, লাইশ্রমমাঙ্কে, খারোইনে, লৈচোলুনে শিএ। হুরানবা হাঙ্গীবা অসি অমতা থমদে, ললহাং কাললে ওম্মি, তুশোমনে ওম্মি, মরাম লৈমা পোংলম্ন লুহোংঙি। লৈমা থুবী ওই, লৈপুং কিম্বহনা সঙাইপুংদা একোকপম পুংজাও ইরোই তোংহনা তাহনা শি, থাঙ্গল খুলেন ওম্মি। হিয়াং হিরেন লাংমৈ পোকথোকই হাঙ্গীহনা মাইবা চাক থাংঙি সগোল তাম্নবম্ন হৌথিএ (অহৈঙীনি) তেম্বা পুং ঈশিংন পাথহনা চেম্নৈ, মী য়ামনা শি,

নোংমাইচিংদা ওকলাবা খুকৈবা মনা চুংপা অমা কাই, নিংথেমগী য়ুমজাও মৈনা চাকই। মরান নিংথৌ থাংবু কাই।

শকাব্দ ১৫০৮ দা কৈথেল খোল্লি লম্বাল পুং খোল্লি।

শোক ১৫০৯ দা খাগী মী চাবী খোরকই, শা অতেকপা চাগে হাঈয়ে, অপুমবা অকংবা চায়োই হাঈ, সগোল, যণ, মশক ওনবা হৌখিএ। খাগী মী চাবীদা পিজে, মতুংদা হাংলসি হাঈবদা নুপীনি, করম হাৎসিগে খয়ে। মমাংঙৈদগী হিংচাবীদি হাৎনরকই হাঈদুনা শম্থি উৎ পৈদুনা মথক্তা নমদুনা থাংনা মতুপ মতুপ কক্লুনা মৈ থাদুনা হাৎলি, মাগী ঈ লৈপাক্তা তাহন্দে হাৎকমদি লুরাং শংবম খুলদা লৈপুং অচৌবা অমা লৈরিবা অদুনি। চুজিক্তি খয়া থুগাইদুনা লৌ উনয়ে। রাকচিংদা লৌ উবদা য়ুহারায়এ,অদুদগী তোক্লখি।

শকাব্দ ১৫১০ দা তাংখুল লমদা হি য়াল্লুবদা মী য়াম্না শিরে, পণ্ডিতনা লৈরোং কৌবীগা লুকারং কৌবীগা পূজা তৌবদা মী শিবা কখি।

শোক ১৫১১ দা পুকশ্রিনা ফৌ চিথেকপা হৌই, অদুঙৈগীনি। ময়াং অতেংবা খোম্নি শজিক লোইনে।

শোক ১৫১২ দা ঙবোংগী লং অপৌবা নাইবা হৌখিএ, কোক চাই খোং তৌবসু হৌখিএ, তোনসেন ঙম্বা (হাওখুল) চহিদা নিংথৌগী মচা নুপী অমা পোকই, তোনসেন ঙম্বি কৌই।

শকাব্দ ১৫১৩ দা মোংসাংগৈদা কৈকম খোল্লি, (কৈবুং) কৈসু সাই চাকসু চানৈ।

শোক ১৫১৪ দা নিংঙেন্দা নিংথৌ শেমবা লান য়াম্না হাৎলি।

শোক ১৫১৫ দা নিংথৌ মুংয়াংবানা মচা ইবুঙো খাগেমববু লাল চৎহল্লি, লাল ঙম্মি, নিংথৌ সিনথোইবা কাই, ইবেম্মা চাংবোমবিনা কৌগৌবা (অদুঙৈগীনি)।

শোক ১৫১৮ দা নিংথৌ মুংয়াংবা চহি ৩৬ তা কম্বাল কাই। পুন্সি ৫২ নি। শ্রীযুক্ত খাগেম্বা চহি ২৪ দা কম্বাল কাই।

৪৬। শোক ১৫২২ দা লম্ফেল মপান্দা কৈঃ শাবদা তেকথরক্লুনা খাগেমবগী খুাং শোকই। খোইজু লাংমৈ শিংনৈ, লুপাসী লুহুপ শিংনৈ, চাক

চানৈ। ক্যাং ভম্মি, মী ১৭৭ কাই, শামু অমোমনা ময়া য়াওবা কারকই। খ্বাইরাকপা খুনজাওবগা, খারোই ভমবগা অনিমক লংজতুনা শি, খাগেমবগী মমাতোন্না পোকপা শানোংবগী হি রাইতুনা হিয়াং তাৱৈ, হিয়াং হিৱান কাইরে, হি লৌ হাঙ্গবা য়াদরে। হি শিংগে হাঙ্গবসু য়াদে, মমল পিগে হাঙ্গবসু য়াদে, ঐগী হি পিয়ু হাঙ্গ, খাগেমবনা হিদি মপাল কাইরে, ইনাওতোন হাঙ্গ, শানোংবনা বাইবা মতমদা কাইখিদে, কাইদনা পিয়ু। খাগেমবনা স্না মিপোৎ পিগে হাই, শানোংবনা য়াদে। শানোংবগী মমানা ইনসন্দুনা নচেম ময়াং নিংথৌদা খাজরিবদা মাতুদা চৎতুনা নিংথৌ শেম্মো লান শোক্লরো হাঙ্গতুনা শানোংবা ময়াং নিংথৌদা চেনথ্রে। মবাই ময়াং নিংথৌদা হাঙ্গরুরে, মবাই ময়াং নিংথৌনা লানমী পি। সিলোটতগী হৌবা পাণ্ডন অমসুং বিষ্ণু পুরিয়া পেরে শাবা, সগোল, শামু, খোব।

শোক ১৫২৭ তা খাগেম্বগা লাম শোক্লবদা খাগেম্বনা ভম্মি, শানোংবা কাই, শামু ৩০, নোংমৈ লিশিং অমা, পাণ্ডন লিশিং অমা, পেরে শাবা খোব, সগোল, শামু, শেনবা অসি লোকই। পাণ্ডন চংনা কাবা, পুমমক লোইশং অমা লিংই। ময়াং লানমী লিশিং অমা কাই, ময়াংগী (কমলাইবা কাম্মৈ তাও, মাইবা তাও, স্না পুথি, তেকাজা, কৈরুংবা, পোঙ্গেং খাগী মিংনাইবা, অসি স্না খুৎনা কাবনি) সগোল কাংজৈ শান্নবা তৌখি, মরমদি নিংথৌ খাগেমবনা য়াম্না লেম্না কুম্মৈ অমা শান্নসি হাঙ্গ, পানা খিবিক্লা কমদৌসিগে খন্নবদা মহারাজনা ঐখোইগী সগোল তান্নবা অসি খুংতা চৈ অমম পাইতুনা রাক্লনা তুম্পাক তুম্না শারগা সগোল তোংতুনা মাতু য়ৈবা তান্নসি রাগী মতুমতু কাংক্রেম কৌসি, খুংতা পাইবা চৈতু কাংজৈ কৌসি, অসুম হাঙ্গতুনা কাংজৈ শান্নবা হৌখি। ভাগ্যি অরা-মবাই তুনবদা কোইদনবা তৌবা ভাব ওইগনি হাঙ্গনৈ। কোয়েং সনাই য়েংপা অতুওৈগীনি, মী অমনা খুরুমবদা কোক নোন্দুনা ওকপসু হৌখিএ খুরুমবদা ওক্তবদি রাকোংঙি।

শোক ১৫২৮ দা অঙোপামবা মুংয়াংচাইবা খুরুম্না ওক্তবগী শুগুদা পাই।
শোক ১৫২৯ দা খাগেমববু লাই নিংথৌ কৌনখি।

শোক ১৫৩১ দা মচা ইবুঙো অমা পোকই, কবোম্বা কৌই। সুপীবু নোং নিংখোই চিনহুনা চাক চানহল্লি, সুপীবু তেন কাপ্পা তম্বি, নোংচুপ নিংথৌ উনসি হাঙ্গীহুনা মখিং, সাইদোন, কাইদৌ, য়োংখুল কাশুংলম, নাছি, নারুম্, মকলচি জাও, খুগাং খুল মপাল অসি থৌথরকই ওম্মি। কাংচুপ থকঅমু বদগী হিদাকপুদা হিদাক থকপা অহুঙৈগীনি। শুগ্নু লৈহেনমে মৈতৈ লৈপাক্কী খোংনাং পুম্নমক হোংঙি।

শোক ১৫৩৪ দা লৈখাম চিনহুনা মাইবা চাক পিজৈ, ক্যাংখোং তৌই।

শোক ১৫৩৫ দা শ্রীযুক্ত খাগেমবনা ক্যাং লৈপাক্কী সগোল অঙোবা ওোংহুনা কবো চাইথাইহুনা লান য়ামনা কাই। কোন্নুংগী চেকপন অকোইবা মথক্কা স্নানা কোই। কৈথেন ১০ মক হোংঙি। স্না কৈথেল কৌথি, লানমী থোংবু স্নাথোং কৌথি, মণিপুর স্না লৈপাক কৌথি, কৈথেন মখিংদি খা কৈথেন, অহোং কৈথেন, মোইরাং কৈথেন, খুমন কৈথেন, কাইবং কৈথেন, চাইরেল কৈথেন, কোন্দোং কৈথেন, অন্দ্রো কৈথেন, ইম্ফালগী কৈথেন অসিনি

শোক ১৫৩৬ তা কবুইনা ময়াং লান হৌরকই হাঙ্গৈরে, কবুই লৌওনবনি খংহুনা হাংলি। লুপাগী লাংমৈ চিন্নসি হাঙ্গহুনা চিৎে।

শোক ১৫৩৭ তা সঙ্গাই মথোল ৫ থোনবা সাই থাংম্বাইপল লিংই (থাংমৈবল্লি)।

শোক ১৫৩৮ দা মকক লম্বী কাওই, রাংথোনবীদগী হুইজ্রাওবী কাওবা লমলোই (লম্বী শেম্মি)।

শোক ১৫৩৯ দা মার্জিং নিংথৌবু থেম্মথৈ, হিদেল খুদিংদা থৌনি।

শোক ১৫৪২ দা সঙ্গাই মাপল কাবা শাই, খোংকাংজৈ শান্নবা হোঁই, মুংশিৎ কল্লি।

শোক ১৫৪৩ মচা ইবুঙো অমা পোকই, খুঞ্জাওবা কৌই; হিয়াং থাংদা থমচেং চানৈ। রাকচিং হিরম তৌহুনা লম লম চৎপস্থ হৌখি (হিরম কাওবা)।

শোক ১৫৪৪ দা স্না খোনবস্থ অহুঙৈগীনি (খোল্লি)।

শোক ১৫৪৮ দা মখিং থুনবীস্থ, কয়োংথেনস্থ, লমলোংস্থ, কাংউইস্থ, খুন পুম্নমক খোমহুনা ঙাপ্রুন লংঙি। মনিংলোমনা লাচদননবা, ঙাপ্রুম লেংহুনা

ইয়াংলি। লাইকৌবুরেন্না নোংমৈ কাপ্নি, করিগীনো ? লাই কাবদা লাইশং শাও হাঙ্গৈহুনা ফুন্না শাই।

শোক ১৫৪৯ দা স্না সজাই মাপল খোনবা সিদোকুনা সজাইরেন ওস্পুনা শাই। নোংমৈ হুৎপা হৌই, যোগী খোরকই, চকপ্রম চাওবী যোগীদা থাজে। লম খুদিং লমলোই।

শোক ১৫৫১ দা পারা তুরেল অমুক ভৌই। মিংথোগা কমনাইবা পুন্নমকা লিংখম পুরিং শিংনহুনা চাক চামৈ, তুরেল অমনবা থিংই।

শোক ১৫৫২ দা লমদা থা ৫ নি পানবা য়ুমশকৈশদা কংলা হৌই, তননা হোংই, কৌক্রুনচিংবা লাই পুন্নমক কুচুদা থৈথহুনা কিজং থল্লগা পুজি-নিএ। লাইগা ৱা ভাংনৈ. তুরেল লিক্লোং ভৌই, মরোংখোং তৌই, ইবুঙো খাইরাকপনা থাগীদা চৎলি, চেক য়াম্না শাই, ইকই। থমংজম অতোন শিএ, ঈশিং চাওই, কৌ চহৈদা লাকই, কৈথেন কাদে, কালেন থাদা নোংশাবগী কংলা হোংঙি। কোম্থাদগী কৌ পিজহুনা চাবা থাংনৈএ। তখেল ওম্মি, লান ২০০ কাই। তাংওমহুনা নিংথেম সিজনা কৈ খুদিংদা চৎতুনা থুল নাই পুন্নমক কৌ পিজৈএ।

শোক ১৫৫৬ তা থাগেম্বনা হি অমা তোং, বিষ্ণুনা হি অমা তোং, পানা হিন্নাং তানবা লৌখিএ।

শোক ১৫৫৭ তা ইবুঙো খোংজোম্বা লাইরিক তম্বা হৌই লাইরিক য়াম্না হৈ. য়ুম তাইএ। নোংমৈবুং চোংবা ওম্বা হামেং অমা কাই হাৎতে।

শোক ১৫৬৬ তা পাইখোমম্বা পোকই।

শোক ১৫৬৯ দা অরা লাল হৌরকই, ইবুঙো মুংয়াম্বনা চিংনা লাল চৎলি ওম্মি, শঙ্কুদা হিদিংগা অনি লোকই শমশোক লাইবারগা ময়াং মুপীগা লমজেল তাম্নহল্লি, মুপীনা থোই। শ্রীযুক্ত খাগেম্বনা কোংবনে কৈনোনে লিংঙি।

১৫৭০ দা কংলা মোইমিং য়ৈবা অহুতৈগীনি (চিয়োং)।

শোক ১৫৭৩ ইঙেন থা নোংমাইজিং মুম্নিত্তা শ্রীযুক্ত খাগেম্বা মহারাজ নোংগাখি, ফম্বাল চহি ৫৫ পুল্লি, ৭৬ থাদি মুমিৎতনে। থরাল নোংমা পানবা থাংজা মুমিৎতা।

৪৭। শ্রীযুক্ত খুঙ্গাওবা কম্বাল কাই চহি ৩২ গুয়ে, মহৌ নাই,য়াজোই লানবদা মাউৎ মচা সঙ্গাইগা শামু মরাম্বগা তোংহুনা লানমিয়ে। মহৌ ওম্মি লেংজোং নিংথৌ কাই। মেরা থাদা ময়াংখোং ওম্মি মিয়ু থোং চৎহৈদে হাঙ্গহুনা লফুনা উওাম থাহুনা লাল্লি, থাদি লমদানি।

শোক ১৫৭৬ তা মচা ইবুঙো অমা পোকই, তাংখেংম্বা কৌই, মচা ইবুঙো মুংয়াম্বনা লম কৌই লাংদে ওম্মি, মচা ইবুঙো অমা পোকই, লাংদে কৌই।

শোক ১৫৭৯ দা মেরা থাদা মুংয়াম্বনা চিংনা অতাং খুল ওম্মি, মেরাগী কুমৈ য়েংবদা হাকমনখিহুনা লাইগী থোং তেকই।

শোক ১৫৮১ দা লাংদে পুংজাও থোল্লি। পোইন্নু রাকচিং থা ২ নস্থ থোং মালহৌনৈ, চেকপল লাংখোং তৌই ময়াং অকোকসা খুন পাম্বা ময়াং নিংথৌ মনিকচাগী মচা রাম তাওনা চিংনা য়ুমনাক মরি থোরকই, ওাপ্রুম পন সাই।

শোক ১৫৮৩ দা পোইন্নু থাদা মিয়ুথোং থোংজিন্দা তুয়েল থিংই।

শোক ১৫৮৫ দা লাংবন, মেয়া থা অনিমক থরানমিচাক মমৈ পানবা থোকই।

শোক ১৫০৬ তা লাংবন থাদা চিওাদগী হৌহনা থাংমৈপল কাওবা পল থোনবি, লাংখোং চাওনা তৌই। কাইরেল, লমদা থা অনিমক্তা লাংখোং লুনা তৌহুনা খাইরমপল কোইনা থোল্লি।

শোক ১৫৮৭ হিয়াঙ্গৈ ২৫ নি পানবা লৈপাকপোকপা সুমিত্তা শ্রীযুক্ত খুঙ্গাওবা মহারাজা কম্বাল চহি ১৫ সুপ্না পুন্সি ৪৫ নোংগাখি।

৪৮। রাকচিং থা মঙানি পানবা ইরাষ্ট সুমিত্তা শ্রীযুক্ত পাইখোম্বা কম্বাল কাই।

শোক ১৫৮৯ ফুরিৎ থোংনাং শাবা শিংনহুনা চাক চানৈ।

শোক ১৫৯২ থরাল থাদা নোংমাইজিং কিম্বৈএ।

শোক ১৫৯৩ লাংবন থাদা থারমদা উচি অঙৌবা রাই নিয়োম চাওবা থোকই, কৌ চিকথোকই রাম্মা।

শোক ১৫৯৪ ইণ্ডা মণ্ডানি পানবা থাংজা হুমিত্তা মচা ইবুঙো পোকই, শ্রীচরাইরোংবা কৌই। নিংথৌ মাহাক থক্তা তেখাও নিপান থোকলকই। নিংথৌনা হংঙি কৈদগীনো? তেখাওদগীনি খুন্মি, অহলুপ শংলেন মমাংদা শংস্নাহুনা লৈহল্লি, কুম অহুগুম কাংঙি, চাক তাংঙি, মহারাজনা চৈরাপ মমাংদা কমহুনা থা অমা কৌ য়েল্লি। থৌরাল থাদা অহিং, থাদা থরান-মিচাক চংঙি, পুং অনি গুরগা অরাংলোমদা চোংথোকই, নিংথৌনা পণ্ডিত-সিং কৌখৎতুনা হংঙি, নোংচুদবা অসি নংনা নংনা খংবা পুজা তৌ. অহৈ অশিংনা হাই, নোংচুনবদি নোংমাইচিংদগী হিজম শালাম অনিমক্তা কুমথয়-কপদা পুরকপা মাখোইগী পম্থোংদা লৈবা মুং অহু মচা পোকপা মুংনি, অহুগী মচা অমতং কাহুনা ঈশিংদা তিংলবদি নোং চুগান। চজিংদা মচা পোকপা মুং অমা লৈ; মচা পোকপনি, মাহু ফাহুনা ঈশিংদা তিংলবসু নোং চুগনি। লোইজিংদা মুং অমা লৈ, মাগুসু মচা পোকপানি, ফাহুনা ঈশিংদা তিংলগা নোং চুগনি। হিজম শালামগী মুংদি হিজম শালামবু কাহল্লু। মুং-কম অনি অহুদি লৈপাক্তী অহৈ অশিংবু ফাহল্লু। হাঙ্গৈরিবা মুংকম অহুম অহু ফাবদা নোং চুগবরা চুদে। মতম অহুনা নিংথৌ শেমবা লোইশং কাবা মোইরাংথেম মাইমুনা মাংবদা মানা মাংকমদি স্না লিকক শাবা হৌবা মকম-দনি। নোং চুগে তৌরকপদা তেখাওগী মী অনি লৈবা অহুনা চোংথোক-লক্তুনা চকপা হৈক্রু মতোন্দা কাহুনা খুদৈদা শোন্দুনা হাইবদা নোং হাংব্রে। অহু উবদা মোইরাংথেম মাইমুনা নিংথৌদা হঙ্গংলি। মহারাজা তেখাও অসিনা হৈক্রুদা কারগা খুনৈদা শোন্দুনা হাঙ্গৈবদা নোং হাংলে। নিংথৌনা হাঙ্গৈ, মুংকম অহুমমক্তগী মুং অহু কারো, নোং চুনবা তৌরো হাঙ্গৈ। অহুদ গী মুংকম অহুম অহু কারুরে। নোং য়ামনা মংলে, লৈবাক্তী অওম্বগা লো-ইনহুনা চৎতুনা স্না লিকক হৌকমদা য়েংববু নোং লাকপা উরবদা তেখাও অমা চোংথোকুনা মাগী খুদৈ মতোনদা শোনহুনা হাঙ্গৈববু নোং হাংব্রে, মাহু নিংথৌসু লৈবাকসু উরে। হল্লকএ মতুংদা লানমী থাহুনা তেখাও ৮ মক হাংলি, মতুংদাদ নোং চুরে, লৈবাক মুঙাইরে।

শোক ১৫৯৬ কৈরোই পুমনা থৌ নাবা কুমশিদি ওম্বয়োই হাঙ্গীহুনা চহি অহু থৌ লেপই।

শোক ১৫৯৮ দা চিংঙাদগী হৌনা মোংসাঙ্গাই য়োনা লম লোইএ (লমখোপই)।

শোক ১৬০০ কালেনগী ১৪ নি সগোঙ্গশেন হুমিত্তা লাই কশাগী ক্বয়াশং কাএ।

শোক ১৬০১ লাংবন থাদা খোংঙাই কৈরোইদগী হৌনা কয়েং কাওবা লম্বি শেমই—লমদা থাদা হুই ঙাওহুনা মী চিকুনা শি। লম্বি খোংবাল শেমবা লোই, লমদা থাদা তুরেল অমমবা শেমবা লোই।

শোক ১৬০২ দা হিয়াঙ্গৈ থাদা তুরেল তৌহুনা য়াইসেন থিংঙি।

শোক ১৬০৩ দা নিংথেমনা নাওয়ে ইবম চাওবীবু লাই কশাদা লুহোংঙি।

শোক ১৬০৫ দা লোক, লাওবুং তৌথংলি, থা ২ চংঙি, নোংমৈ পান্দম্মি।

শোক ১৬০৭ তা স্না মহিগী সঙ্গাই শাই, মৈ হৌই।

শোক ১৬০৯ দা য়ুমশং, কৈশং, খুঞ্জা, নাইক্স, খাক্তনা নিপা ৫১৪ না চেকফু ১৪ শাহুনা য়িকই, চেক অহুনা সঙ্গাইনাচিংবা উত্রা য়ুমথৈ শাই।

শোক ১৬১০ দা মুমিৎ, থা, গ্রহস্থ তৌই, হিয়াঙ্গৈ ১৭ পানবদা লাইরেন অমা পাওনম ইরেন্দা লাইরেল অমনা কৈনা থিংঙি, মাইবনা থৌ তৌরগা লুপখি। রাকচিং থাদা চয়াইরোংবগী মতু হাইস্নাম চম্বু শিএ।

শোক ১৬১৫ খোইদিংজম মচা অমনা যণ, হুই হাঙ্গীহুনা মাজ্জিংদা হাংলি, কাইয়েল, লমদা, শক্তিবু থুমখোং পুম্নমক তেই।

শোক ১৬১৬ তা হঙ্গুল কৈশংবনা ফিগে হুই হাঙ্গীহুনা মপা হাংলি, মচা মনাতোন ককই। রাকচিং ২৮ নি সগোবন্দা শ্রীযুক্ত পাইখোম্বা নিংথৌ কম্বাল চহি ৩২ পুন্সি ৫২ নোংগাখি।

৪৯। শকাব্দতুগী লমদা ১০ নি পানবা ইরাই মুমিৎ শ্রীযুক্ত চরাই-রোংবা চহি ২৫ দা কম্বাল কাই, মচা ইবুঙো অমা পোকই, কোংয়াম্বা কৌই।

শোক ১৬২০ দা কাইরেল ৪ নি পানবা ইরাইদা লৈপাক পুয়মঙী রায়েল থোঁদা থোগলমুংদা লাইরিক ইহুনা লেপনৈ, লাই কশাগী মমাংদা কুমৈ, ৭ নি নিংথৌকাবদা থোং কাংজে হৈয়বা মী ১০ গা হৈত্তবা ১০০ গা শানবা ১০ না থোই, কংলাদা চাক চানৈ, কুম অহু ভুরেন্দা মুং তাওখংলি।

শোক ১৬২১ পোইনু ৬ নি ইরাইদা পাম্হোইবীগী লৈমি তম্মি ১১ নি য়ুমশকৈশাদা অহৈবা হঞ্জবা তারিনা মূর্ত্তি হৈ।

য়োক ১৬২৩ দা স্না মহি মূর্ত্তি হৈ।

শোক ১৬২৪ দা ইঙাগী ২১ নি ইরাই মুমিংতা স্না মহি ফুরা হৌই।

শোক ১৬২৬ শজিবু ৫ নি পানবা য়ুমশকৈশাদা নিথৌনাচিংবা লৈ-পাক পুয়মক চরা হেল্লে, নোং ভাল্লগা লৈপাকপোকপা মুমিংতা লাইমিং লোই, কালেন ১৬ নি লৈপাক পোকপদা অহোং পুং থোন্দুনা শেমই। কাইরেল ২৬ নি ইরাই মুমিংতা সঙ্গাইরেন হৌই, মথোল ৩ নি সেনেসংনা কুপ্পি।

১৬২৭ কালেন ২৯ নি ইরাইদা পাম্হোইবীগী কৈপেন হোংতি, বামন তখেলশংবম কামদেব, চন্দ্রসেখর থোরকই। হিয়াঙ্গৈ ১০ নিদা হুরানবা নিপান চিংমুংলুৎতা ইনথহুনা হাংলে।

রাকচিং থাগী ১৭ নি পানবা ইরাইদা খুরাই ভুরেল তৌবা হৌই। কাইরেল থা ১৯ নিদা ভুরেল মপান শেমবা লোই। ভুরেল অহু তৌবদা লাইরেল অঙৌবা অমা মচি পানবা কোমুংদা চংথিএ।

মাহাক থক্তা পণ্ডিত অমা লৈরম্মি খাই কেক্রে কৌএ, হেক হংবদা হংভিবা রা অহু হেক খুম্মি, ঐ করি নিংবগে, ঐ করি চানিংবগে, ঐ করি লৈ, মী অসিদা করি লৈ, করি তৌরি, ঐ করি তৌগে নিংবগে হাঙীবা হংবা পুয়মক খুম্মি, মী পুয়মকনা লাইনি হাঙীনৈ। নিংথৌনা ৭ চিদা লাইগী মূর্ত্তি অমা লৈ হাঙীহুনা খুকপা চংলি, লাইগী মণক্তি য়োংকী মূর্ত্তিনি, খুক-

ম্ম, ফুক্তুনা পুরকএ। কৈতুপ পোকপিদা পোথাই। নোংদোন্দগী রানাংশুমবা অমা ত্তারকই। নিংথৌগী কোক্তা থেংদৈএ, অম্বু পুরক্তুনা কোন্নুংদা থুংত্তি। মাস্তবু লৈমরেনগী লমথাংনং যোমছুনা নিংথৌগী লুখুমদা থম্মি। নোংত্তাম্নগা লৈপাক্কী অত্তম অথৌ, অহৈ অশিং পুম্নমক কৌথংতুনা তিন্নে। অছুদা নিংথৌনা হাঙ্গী, নখোই পুম্নমক ত্তাও ঐনা ৭ চিংদা লাই থুকমবা চংপদা ঐগী ইকোক্তা নোংদোন্দগী রানা অবা লংথরক্তুনা ঐগী ইকোক্তা য়ুংলরে। অসি মানবা থাং অমা শাও, খুবোম অমা কুইহল্লু। অহৈ অশিংনা মুমিং, থা, থম্নানমিচাক, অকবা মত্তম য়েংনা থাং অসি শাগনি। থাং অসি য়োং অত্তৈনা য়াদে, কয়াংত্তম্মাংগী যোংনে, লেনত্তাকবী য়োংমে, ময়াইপুংগী য়োংনে, য়োং পোকফম ৯ মককী লৌছুনা য়ুমজাওগী মমাং মজলশংগী ময়া য়ুমজাও রৈমগী রাথোকফম মেয়া থাগী ১৩নি পানবা থাংজা মুমিং অয়ুক য়ুথক মতুং পুং অমা ত্তাবদা খুরাই তাবা থাংজম থোমদোয়া শাএ। থাংগী মরোংদি কবো লৈতেং মানবীগী মরোংনি। কুইবদি খুবোম অমা কুইএ, মুমিং ৫ নিদা লোইএ, থাং লোইরবদা নিংথৌনা থাংগী মমিং থোন্নু হাঙ্গরে। অহৈ অশিংনা তিন্নছুনা মমিং থোনবাদ খুনখোম্বা কৌএ। অসিগী মতুংদা তাংখুলগা অরাং হাওগা লাক্তুনা নিংথৌদা হঙ্গংলৈ। ননাই ঐখোই লাল শোক্নজগে য়েংবিয়ু হায়রছুনা য়েংবা চংলি। নিংথৌ কয়বা সগাই শারে। মাখোইস্থ লাল শোক্নবাহোয়ে, কুম্মে য়েংত্তি, তা হুয়বদা অরাং হাওনা তাংখুল ৪ হাংলি। অকোনবদা তাংখুয়া অরাং হাও ১০ হাংলি। মখোই ময়াম শিনগে তৌববদা নিংথৌনা থাম্মি, মথুত্তগী থাং, তা, যুল্লে। হাওনা হাঙ্গী, ঐখোইবু থাম্নবদি ইরোই অমা পিয়ু হাঙ্গী, নিংথৌনা পিরে, অছুগা অরাং হাওনে, তাংখুল হাওনে, তিন্নহল্লি। অছুগী ভুংদা থঙ্গান্দা শুরুং অমা লৈ হাঙ্গীছুনা নিংথৌনা শুরুং য়েংবা চংলি। হুয়কপদা তুম্বক হাওফুংগা ৬ পুরকই। খাইরম্বল রাংমদা তাহল্লি, ক্যাম্বনা কবো লোই চলম্বা অছু লোইপোং থৌবা চংলি, অছুদা নিংথৌনা খল্লি, পোইদোংনে, অকাম হাওনে, ২ অসি ইপানা ত্তমমুদে, ঐনা লাকইত্তৈদা পোইদোংনে, অকাং

হাওনে, অনিমক ঐনা লোই চল্লমলগে হাঙ্গৈনা নিংছুনা লৈপাক লানমী চৎলো পোইদেংগা অকাম হাওগদা হাঙ্গৈরুও, তারবদা হাঙ্গৈরুরে। নখোইবু মৈতৈ নিংথৌনা হাঙ্গৈরকই, লাল শোরুসি হাঙ্গৈত্রা ? লোইপোৎ কৎকে হাঙ্গৈত্রা ? হাওনা থুম্মি, মৈতৈ নশক খংদে, করি য়াবু হাঙ্গৈবনো তুম্না হাংকে, চুং, তা, পাইরে, মৈতৈনা হাঙ্গৈ, হাও নখোহি লৈরমখো হাঙ্গৈরমলগা হল্লকএ। য়ারম পুম্নমক তমলে, মৈতৈ নিংথৌনা শাওছুনা হাওগী পম্বোংদা থাং সংতুনা লাওরয়ে হাঙ্গৈ, হাওশা। নখোইবু নিপা থোক্লবদি নচুং, নতা, শেমছুনা থোরকও নিংথৌ ঐগা শোরুসে। হাওয়াম পুম্না হৌছুনা মুম্বিৎ ৪ নি শোরুরে। হাওয়াম তুম্না শিরে, মৈতৈদি অমতা শিদরে, হাওনা ভাংবৈ। মৈতৈ নিংথৌ অসি লাই ওইরে ঐখোই লাল্লে, লোইপোৎ কৎলগে হাঙ্গৈছুনা শামু ময়া ১০৭ সেম্বং ৪ নে তারকং ২ নে, থাং ১০০ তা ১০০ লোইপোৎ অসি কৎলে। হাওয়ু খর কাছুনা লৈমা মুকলাং কাবিদা থুন্দা হল্লে (লৈমাচিং) অসিগী মতুংদা ময়াং নিংথৌনা লাইরিক পিরকই। মৈতৈ নিংথৌগী লোই লুশাইনা ঐগী লৈপাক থুগাইরে হাঙ্গৈনা রা কৎলে। অছুদগী লানমী পুছুনা নিংথৌ সেংত্তে। লুশাইদা হাঙ্গৈ, নখোইনা ময়াংগী লৈপাক থুগাইরুবদগী রা য়াম্লে, লুশাই নংদি মৈতৈ ঐগী ইলোইনে রা কোংউ হাঙ্গৈরদে, লুশাইনা হাঙ্গৈ, ময়াংদি হুজিকয়ু থুগাইখিগনি, মৈতৈগী লোইদি নত্তে, মৈতৈনা হাঙ্গৈ, নখোইদি ঐখোগী লোইনি, লুশাইনা হাঙ্গৈ, মৈতৈ নখোইবু অকাম হাওনা লাইনি হাঙ্গৈবদি তাই। নখোইগী লোইদি নত্তে, অসি হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈনা থাংনা য়ানরে, তানা থিনরে, মৈতৈ নোংমৈ পাইবা ১০০ না নিপা ১০০ কাপথুরে। হাওয়াম কাঙ্গৈছুনা চেল্ল মৈতৈ লানমী থৎলে, নিংথৌনা চিংনা কম্লাইবা ৩৫ না লুশাই নিংথৌনা চিংনা কারে, অছুদা লুশাইনা ননাই ঐখোই লাল্লে হাঙ্গৈছুনা সেম্বং ১০৩ নে থাং মপুল ৭০ নে, তারকং ১০ নে, লোইপোৎ হারে। খরা কাছুনা পুরকই, মোইরাংগী খুমুজাম্বা পুংদা তাহল্লি, অসিদমু নত্তে, থাংজিং মমুংদগী লৈবতাক রাংমা কাওবদা তারম্বা তখেল লাংথা থুনগং পুম্নমক পুথোরকই। নখোইবুদি চিয়াংদা তাহল্লি, লুশাই তমলে হাঙ্গৈবা তাবদা

মরাংনা কাপোং কংলৈএ। তখেল লাংথা থুল ৩ দি লৈপাক্লা নখোই করি পিন তৌই, হংবদা মাখোইনা খুম্মি ঐখোইদি ঙাগী শিন তৌই। তুমওইরে খংদুনা অদুদি লোক্তাক্তা ঙা কাহল্লু হাঙীদুনা থাংগদা লৈহল্লে, মচেং খরমা হৌজোং পল্লে, মচেং খরনা তৌবুন্দা থুইজুমানগী মনাক্তা মনাক্তা লৈহল্লে, য়াঙোইদা সোই হৌই, অদুগী লাংলুংঙম্বা সোই কৌই। থাংগা চিংদা তাহাল্ল। হান্না লৈরম্বা য়ুমনাক্তি হাওবিজন্নে, নিংথৌজম্নে কাথয়ে, শালামনে, লাইশ্রমনে, হৈস্নামনে, খুইরাকপমনে, লাইরিক য়েংবমনে, তোংব্রমনে, ঙাখেমনে, য়ুমনাক ১১ অসিনে মাখোইদি মৈতৈ লৈবাক্তা কাগ্রে। কোন্না লাকপসিং অদুনা হন্নাগী লৈরম লৈরমবা য়ুমনাক অদু কৌনথিএ, য়ুমকমগী মতুং ইন্না। অসিগী মতুংদা নিংথৌনা কুকেংনে লানজিংবনে অনিমক কৌদুনা যণ নাই পিদুনা অঙোমবু তান্থোকহল্লি। রাক্রম পঙ্থোং য়ৌনা চেনখ্রে। কুকেং লানজিংবা অনিনা লাকপদা লাইথাং কৌবা থাং অমা পুরকই। তাথরে থিবদা চেকলাওবী অমা পাইথোকখি, মকম অদু চেকলা পাই কোই। অঙোম নিংথৌগী সেকপিন মুল্লি কুকেং লানজিংবদা মনা পি, তাইবোম্বীদা লৌ পরি ১০ পি, রাইশেন মপান্দা মাগী তেল্লা কাপ্পদা য়ৌররবা লম অদুগী মথৈ পি, স্না খুজিনে, পুমদারিকনে পিরে। কুফেং লানজিংবনা মথুনগা লোইনা লৈচেং পোকপিদা খুন্দাইএ। মাখোইগা লোইনরকপদি বামন শ্রুপা নন্দগা কপ্ঙা সাবম্ন লাকই, থাং অমা পাইথিএ। (হুখিবা) অদুবু তখেল নিংথৌদা লৈরে হাঙীবা তাদুনা তখেল নিংথৌ মচা অমগা সান্তলুগা অনিমকনা চংদুনা লোরুএ। অসিগী মতুংদা অরা নিংথৌদা শিজ অমা পিএ, অদু থিনবা চংপা লোক্রাকপা হাজারি সয়োক থাইবা কৈরুংবনে অনি অসিনা চিংনা চংলে। মাখোই অনি রা তানৈ, অরা হাঙীবাসদি ময়োল ইয়োল তিন্নদে, মশক ইশক থংনদে, কিজেং চাকমা তিন্নদে, শিজ অদুনা হাঙী, নবাঙলানিনা ঐবু উপায় তৌও। নিংথি মশান য়ৌরে, অরা নিংথৌম্নু নিংথি রাংমদা লৈরে। অদুদা পাও চংলে, উনরে। তুরেল আসদা মী ২০ চনবা হি অমদা নখোই মী ২০ তোংদুনা নোংমৈ থারকনি তাবদা লাকউ হাঙীরম-

লগা হল্লকলে। হেক থুংবগা মী ২০ গা শিজপা হিদা হাণ্ডুনা নোংমৈ থাহুনা যাত্রা তৌরে। আউনপোং হিদা হাপলে, ইয়াইদা শিন্নরদে হাঙ্গী-হুনা শিন্নরে। শিজনা তোংবা হি অহুদি মখাদা হিদা হুংতুনা চুক অমা মৈ, মতোন্দা থৌরি কিহুনা ঈশিং মনুংদা থাঙ্গহুনা মুং অমম্ভু পুল্লে। ইয়াইদা লৈমা শিন্নরে, নংস্থু ..., ঐখোইস্থু চংলগে হাঙ্গীনরে। মাখোই হনল্লে, মৈতৈস্থু হল্লকএ, থৌরি অহু চিংবদা শিজনা তোংবা হি অহু ঈশিংদগী থৌ-রি অহু চিংবদা হলকএ, অরাদি থংদে। মৈতৈনা হাঙ্গী, অরাশা! নখো-ইগী লাইনা য়াদে হাঙ্গীহুনা ওকপা লাকপা অরা মীয়াম অহুস্থু তুয়া হাংলে। মাখোইগী হি অহুস্থু য়ানখোক্ল। অরা তেঙ্গোল অচৌবাহুনা উহুনা লান শোকনরে। নোংশা মৈনা নিংথৌগী মিচং চংহুনা অরা মীয়াম শিরে, হললকএ। অহুগী মতুংদা ময়াং লান হৌরকএ। ময়াং লান শোকবা নিংথৌ লেংঙ্গে। য়াঙ্গোই খোংবান্দা ময়াংনা নিংথৌ কোইশনল্লে। নোং-শামৈনা হোৎচিন্দুনা ময়াং নিংথৌ হাংলে। ময়াং তানখাইরে, লান ওস্মে হল্লকএ, লৈপাক নিংথৌ তিন্দুনা নোংশা মৈগী মনা নোংশা মৈনা হাঙ্গী পিবিগে হাঙ্গীরবদি নিংথৌগী শং থুদিংগী ঐগী ধারানা লাইরিক ইস্থা হয়েং ভুং কাওবা পিনবিয়ু। লৈপাকস্থু নিংথৌস্থু য়াহুনা পিরে। লাইরিক য়েংবম হাঙ্গীনা য়ুমনাক খোনবিরে। অহুগী মতুংদা কালিপুরদগী কালারাজানা চিংনা য়ুমনাক ১০০০ থোরকই। সুংগারাজানে, বোঁচগিনে, মাখোইনা পুরকএ, মাখোইবু উখোংশাদা থুন্দাহল্লে। অকোকপা লিংজি, অহুগী মতুংদা নিং-থৌনা থুমখোং য়েংবা চংলদা ককচিং অমা উনরে। ককচিংনা খল্লি, ঐদি নিংথৌ উনগনি হাঙ্গীবা থংদবনা কন্নিস্থু পুরক্কে। হুজিক্কি মকম অচিকপদা উনরবনিনা, কন্নি কংকনি হাঙ্গীনা খল্লি। কন্নিস্থু লৈতবনিনা খোংবান্দগী হুপ মতোল ৩ দং নিংথৌনা কংলে, থুরুল্মে। নিংথৌনা ককচিংবু য়েংহুনা হাঙ্গী, হে ককচিং। মংনা হুপ মতোল অহুমদং ঐতোন্দা কংপদি কন্নিগী-নো? ককচিংনা হাঙ্গী। নিংথৌদি লাইনি, নিংথৌ উনরবদি অহুল লমন্না হাঙ্গী। মকম অহুদা অউনা লৈরম্বা অমা কংপা হৌমৈ হাঙ্গী। লঙ্গিদনিনা

করিন্থ লৈত্তে, অদুনা হুপ্ মতোল অসিতমগুাইরে, অদুনা কৎলিষনি। নিংথৌনা হাঙ্গী, নংদি নিংথৌবু লাইনি হাঙ্গবা খংলবনিনা ককচিং মথুন্দা নিংথৌ ওইজরো হাঙ্গীদুনা হাপ্লিরে। নংদি বুদ্ধি কৈ হাঙ্গীদুনা বুদ্ধিরাজ কৌরে।

শোক ১৬০৯ ইত্তেন থা ৫ নি পানবা নিংথৌকাঙ্গদা কালিকাগী কৈথেন হোংজি। অদুগী মতুংদা শমশোক ওম্মুরে, হল্লকএ নিংথৌ হকচাং হঁরে, ৩ নি শুরে। মচা ইবুঙো অঙন গরিবনিরাজ কৌশল্লে, নিংথৌনা হাঙ্গী। ইশাদি য়াররোইদনাল্লে. মচল অমা অরা নিংথৌদা মহারাণী হাপকে হাঙ্গীদুনা পিখিবদো মহারাণী হাপ্তুরে. থৈথরে হাঙ্গীনা তাই। মাতুগী মমন শিংবা ইপা ওমনমড্রে। নংনা তত্তাই কদনা লমন শিংঙ্লেপনমক ওমও। মচা ইবুঙো-হল গরিবনিরাজনা থাং চিকুনা ননাই য়াক অরা ওমগনি, পাবুং মহারাজা রাবিগয় রাশকই। ফম্বাল চহি ১০ পুন্সি চহি ৩৫ শ্রীযুক্ত চরাইরোংবা মহারাজা নোংগাল্লে। নোংঙাল্লগা নিংথৌ স্না হকচাং খর লুঙাইরে হাঙ্গীনা পাওনম হিদেল মপান্দা কৈদাঙিদং মশুমাংদা ৭ সেমকাং য়ৈবদি রাংলেন পুংজাও খিনবদি শৈ শরুবদি করিনো? মমা অদুম্মকা হাওবম সেলুংবগা নিংথৌগী মচাগা মাখোই মঙা তানদুনা মপান নিংথৌ শেনবদা হাঙ্গীদোকই। নিংথৌদি স্না হকচাংঙ্গীবা খর করে লুংশিং লাংগে হাঙ্গীরে। মাসি হাঙ্গীদুনা পাও চেলহল্লে, নিংথৌ পুনবা দোলাই অদুদি দোলাই মখাদি হোহল্লে। নিং-থৌবু লাইগী মশক ওইনা, নিংথৌ পোংক্লোই শেৎলে। চমং হাপলে, পুং, শেন, য়ৈরে মোইবুং খোংলে, পে থাল্লে। কাংহৈ, চামর হাইরে। নোং-চুপ খোংলোম পুথোকলকল্লে। খাইরম্বল খোং রাংমা লাল্লে, দোলাইগী মথা অহোবদা তাহল্লে। করিনা তাবনো? নোংদি খোংদনা! নোংমৈ সিংজং তাইএ, তুরি নিংথৌবু থক্তি তেম্না পাল্লে। অসুম হাঙ্গীদুনা শৈ শরুবদি অয়াকপা অসিবু নিংথৌ চরাইরোংবা য়াল্লে, শৈ শক্লেএ। থঙ্গী তেম্না পানবনি, লৈপাক পুম্না খংহল্লি।

৫০। শোক ১৬৩০ শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজ ফম্বাল কাই।

শোক ১৬৩২ রাকচিং থা নোংমা পানবা নোংমাইজিং কুমিংতা লৈশাংখোংদা লাইগী মুং থিল্ল।

শোক ১৬৩৬ তা পাওবম্লে, সেরম্লে অনিমক্কা থুমখোংদা নিংথৌগী য়াথংনি হাঙ্গইদুনা থুন থাইরম্মি হাঙ্গইদুনা মখুৎ ককই।

শোক ১৬৩৭ তা পানা ৪ কা জৈ শাম্লে, কালেন থাগী ২২ নি য়ুমশংকৈশাদা মহারাণীনা লৈশাংখোংদা লাইগী পুথি হোংতি। থবাল ৬ নি পানবা নিংথৌকাবদা তেথাও নিংথৌগী গুরুনাচিংনা বৈরাগ্য ৩৯ থোরকই। অসিগী মতুংদা মপা ইবুঙ্গো চরাইরোংবনা লোইদি চল্লগা লোইপোৎ য়ৌরক্রিবা মখে নিংথৌনা চংতুনা লোইপোৎ লৌরে। অদুগী মতুংদা নোংপোকলোম চংতুনা অরা য়ৌরগা, কোং মতোল ফুরাবু থাংনা য়াল্লম্মে। অদুদগী তল্লকলবদা অরা নিংথৌনা কোংমতোল ফুরাবু থাংনা য়ালশম্মে হাঙ্গইবা তাবদা শাওরে। তথেলবু মৈতৈ নাশি হাইদনা লাল নেকুইরে। তথেম্মা য়ারবদা নখোই মোইরাং কাজন্দা তারকও। ঐখোইস্থু নোংপোলোমদা তারককে হাঙ্গইনা লৈপাক অনিমক তাম্লরে। অরা তথেল অনিমক লানগী থৌরাং তৌরি, অসি য়াবু থমখিগে।

শকাব্দ ১৬৩৮ দা মৈতৈ লৈপাকী স্না মহিনা চংখিদুনা শ্রীহট্ট নরসিংহ কিলাদা লৈবা সান্তি দাসবু কৌথোকই। সান্তিদাস ভাপ্রেম্ চিংজেংদা থুংলরে। স্না মহিনা হে লম্বোইবা! ঐগী লৈপাক্তি অসিনি লাওরকএ। অদুদগী সান্তিদাসনা লাকপদা থুল অমদা থুংঙ। সান্তিদাসনা থুল অসি মমিং করি কৌবগে? লম অদুদা লৈবা মীনা খুম্মি— কংদাবী কৌএ। অসি তারবদা লম্বোইবনা হাঙ্গ। নখোইগী লম অসিদি অরুবা লমনে। শাগী ভাগী ইশৈ শকও। মতিন মরাইচং ওইএ, শকরবা থাদি লাংবন থাদা শকও। কদগী হৌবা মথেক অসিদি অরুবা থুননে শা, উচেকনা লৌ চাদনবা নাম শোল্লো। সান্তিদাসদ নিংথৌ শেনবা য়াইরেক শংদা থুংলরে। নোংচুপ লোমদগী লম্বোইবা অমা য়াংরেক শংদা থুংলরে হাঙ্গইবা নিংথৌনা তারে। নিংথৌ শেনবনা ননাই ঐখোইগী শংদা লম্বোইবা অমা থুংলরে

হাঙ্গৈনা নিংথৌদা হঙ্গংলে। নিংথৌনা হাঙ্গৈএ, ঐ চৎতুনা উনগে হাঙ্গৈতুনা থোক্লকএ। নিংথৌনা হে লম্বোইবা! নংনা ঐগী লৈপাক্তা লাকপা অসিবু রায়ম করিগী লাকপনো হাঙ্গৈনা হংবদা লম্বোইবনা খুম্মি। নিংথৌ নংগী লৈপাক্কী মমিং খংদে। নংগী লৈপাক্কী লাইনা হাঙ্গৈতুনা লাকপনি। ঐবু লাই অতুনা চৎসে, নংগী নাম পিরো হাঙ্গৈবদা ঐনা য়াদে, নংনা য়াত্রবদি, ঐ নংবু হাংকে. গুকশম পাইতুনা নম্মে। ঐগী লাইবু লাকুনা লংএ, অতুনা থাংবা ভমত্রতুনা লাকপনি। নিংথৌনা খুম্মে—হে লম্বোইবা! ঐগী লৈপাক্কী মন্ত্রি লৈরিএ, রা তাম্নাখিগে, আস হাঙ্গৈতুনা কোম্মুংদা চংগ্রে। লৈপাক মীয়াম তিম্লে, নিংথৌনা লৈপাককী অভস্বদা হাঙ্গৈ, নোংচুলকী লম্বোইবা অমা লাকএ, নাম পিগে হাঙ্গৈরে, নংনা নংনা নিংবা হাঙ্গৈরো। লৈপাক্না খুমই, হে নিংথৌও! ঐখোইনদি করি থংবা, নিংথৌনা থল্লগা অতুম মতৌসে। নিংথৌনা হাঙ্গৈ, মানা নাম পিরসন্থ, য়ারসে হাঙ্গৈনা তাম্নরে, অতুদা নিংথৌ শেম্বনা চংতুনা নিংথৌ ম্না য়াথংনে, নংনা পিগে হাঙ্গৈবা নাম অতু পিবো, নাম অতু লৌবদা করি তৌবা হোনবস্থ হাঙ্গৈবিরো। সান্তিদাসনা হাঙ্গৈ:—হে নিংথৌ সেম্বা নখোইগী নিংথৌদা হাঙ্গৈরুও। ঐগা ভাংনবদি নতিক নত্তে, নিংথৌগা ঐগা ভাংনগে। নিংথৌদা তমলরে, নিংথৌশু থোকললকলে, লম্বোইবগা উনরে। লম্বোইবনা হাঙ্গৈ, নখোই লৈপাককী মী শিরগা তৌগদবদি পুং, শেন য়ৈতুনা কুম্মে তৌবদো অতুমক তৌও। ঐবু নাম পিরো হাঙ্গৈরবদি অভাং চহি অতুম শুদ্রিবা অতু শিরবদি লৈপাক তৌতুনা ফুমও। চহি অতুম শুরবা মথৈগি শিরগা মৈদা থাবদি কী থনগনি, মৈদা যজ্ঞ তৌগনি। অশিবা অতুবু ৫ রক কায়গনিয়ে। নুমিৎ ১১ নি শুরগা য়ুম শেংগনি, মাগী শাগৈ পুম্নমক নুমিং ১৩ নিদা শিখিবা অতুগী পোংলোই সম্পোং লাংতুনা ব্রহ্ম রাক্ক-সদা কংকনি, অশিবগী রাদি অসিনি। নখোইগী হান্না শিতুনা ফুম্বা শরদো ভম্না শরুদো ফুকতোকলো। থাওয়া হাল্লগা নখোইগী লৈপাক্কী নোংপোক-লোমদা চংতুনা হিমালয়দগী চন্দ্রকপা তুরেল অচৌবা অমা লৈবনি। অতুদা থাদরুও, অমসুং নখোইগী লৈপাক আসদি করি অক্ষর চৎপা হাঙ্গৈনা হংই।

নিংথৌনা ঐগী লৈপাক্কী লাইরিক্তি অসিনি, লম্বোইবনা হাঙ্গৈ, নংগী লাইরিক অসিদি মীগী লাইরিক নত্তে হাঙ্গৈরবদা, নিংথৌনা হাঙ্গৈ। লম্বোইবা নংনা হাঙ্গৈরিবা রা অসিবু অরুবা রানি। লৈপাক থম্লাখিগে হাঙ্গৈহুনা কোন্নুংদা চংখ্রে। লৈপাক্ক থরলদা লৈপাক নিংথৌ লৈরিভৈদা গুরু খোংনাংথাবা লাক্কুনা হাঙ্গৈরেএ। হে নিংথৌও! নংগী লৈপাক অসিদি অমাবা চংলে, ফুমথ্রবা শরুবু ফুক্তোকলো হাঙ্গৈবসিদি মংথোং হাংবা তৌনদে, নামুবা রানি হাঙ্গৈনা গুরু খোংনাংনা হাঙ্গৈবদা লৈপাক্কদি গুরুনা হাঙ্গৈবা চুমই হাঙ্গৈনৈ, নিংথৌনদি লম্বোইবনা হাঙ্গৈবা চুমই হাঙ্গৈ। নিংথৌনা য়াত্রবদা গুরুস্তু হনখ্রে। লৈপাক্তা নিংথৌনা হাঙ্গৈএ, হয়েংদি শামু তোংহুনা পাও চেল্লা। মংথোং হাংও, অরা লৈপাকক্কী "ইরাবতীদা থাদরুবা অসি হাঙ্গৈহুনা চেলহল্লু। নোংভাল্লগা শামু, তোংহুনা পাও চেল্লে। পাও চেনবা অহ্নবু লৈপাক্কা তাবদা, লৈপাক ঐথোইদি মাংলবা হাঙ্গৈবতু ওইরে, অসিদগী অরা লৈপাক্তা থাওদা হাল্লহুনা থাদরুরে। অতুগী মতংদা গুরু খোংনা কারকলে, নিংথৌগা উনরে। নিংথৌনা হাঙ্গৈ, গুরু না কারকপদি করি রায়মগীনো হাঙ্গৈনা হংভি, গুরুনা হাঙ্গৈ, ঐনা লাকপদি ঐনা হাঙ্গৈববু নিংথৌনা য়াত্রবদি ঐনা লৈবগী করিস্থু কায়দরে, ঐদি লৈররোইএ। পাশংবগী মউম শাবা উপু অহুবু নবুথৌগী মউন অসিদি নিংথৌনা ঐগী লৈপাকক্কী লমচং হুন্দোকতুনা মীগী লমচংপু অকবা ওইনা তৌরবনিনা নবুংশী পাখংবগী মউন অসিদি নবুথৌনা লৈবা মক্কমদা লিশিলমলগে। উপু শঙ্গ পুহুনা লাইনা লৈবা মকমদা লিশিল্ল-মলে। য়োংকী উপু অনিমক্তী মুতুম্না পুহুমা কল্লাম্বুং মথোংদা লৈখ্রে, অহুদগী মুতুম মথেল য়োংকী উপু অহু মুম্নরে, লৈপাকনে, নিংথৌনে বিচার তৌবদা উপু অসি কানিনে মুতুমস্থু অনিনে অমমম য়েম্মরো। উপু অমমম পুহুনা নম্বুল মপান্দা থাইখরে, অহুগী মতুংদা মৈতৈ লৈপাকক্কী লাই মথৈ খোমহুনা মহাবলীগী মন্নুং হৈবোং শিদবগী মথোংদা ফুমজিল্লে, অহুদা লম্বো-ইবনা হাঙ্গৈ হে নিংথৌও! নংগী লৈপাক্কী মীনা শিরবদি মৈদা যজ্ঞ তৌও হাঙ্গৈনা নিংথৌদা তাকএ, অহুদগী সান্তিদাসনা হাঙ্গৈ— ঐনা ফাবা লাই-

দগী হৈপোপকী লাই অসিদি লৈহৌরে, অদুবু কাৰুখিগে হাঙীনা কুমকলে। হৈপোপ মৌরবদা লম্বোইবনা অসিদা লৈবা লাইদি করিনো হাঙীনা কৌবদা লাইরেম্মা থোকলকলে। লম্বোইবনা নংদি করি লাইনো ? হংবদা লাইরেম্মনা হাঙী, ঐদি দেবীনে ইমিংদি দুর্গা কৌএ। লম্বোইবনা হাঙী, হে ইবেম্মা! নংদি তাইবংপানবগী মবেম্মনে ঐবু নংনা হাংপিগনু, নংগী পূজা তৌজগে হাঙীরবদা দেবীনা লম্বোইববু নম্বা থাদোকএ।

লম্বোইবনা দেবী পূজা তৌরে, অদুদগী হল্লকলে। লম্বোইবনা নিংথৌদা হাঙী—হে নিংথৌ! নংগী লৈপাক অসিদি দেবীগী লৈপাকনি, চিং অসিদা দেবীগী খুবম শেমলো। দেবীবু পূজা তৌরো, সান্তিদাসনা হাঙীবা মতুং ইন্না খুবম শেমলে ইরাং থৌনি পুন্নমক তৌরে। শোক ১৬৩৯ মুম অহনবা মচা অমা শারে, মেরা থাদা গুরুবল লাইমিং লৌরে, নিংথৌনা চিংনা লৈপাক পুন্নমক। অদুগী মতুংদা তখেল অরা লান শোক্রবা হাঙীগে।

মণিপুরদা গরিবনিরাজ মহারাজনা পাল্লি, মহারাণীদি দিবাপতি কৌই। মঙায়া হুমিংতুমঙাই, মতম অদুদা তখেল লৈপাককী চিংবু মতম অদুদা হেমগিরি কৌই। তখেল লৈপাককী তখেল নিংথৌদি ধর্ম্ম নিকট কৌই। নিংথৌগী লৈপাক তিন্রে, ছত্রজিৎ, পঞ্চমনারান সেনাপতি অনিসিবু নিংথৌনা য়েংহনা হাঙীরকই। হন্দক অরা নিংথৌনা হাঙীরিবসে, ঐথোইগী পুকনিংদা য়ারে, মৈতৈদা লান্দাকরো, তেঙোন য়ায়া পু, সগোল শামু পু, মৈতৈ নিংথৌ গরিবনিরাজবু ঐন, শাওনিংবা লৈ। তেথাও নিংথৌদা ইচা পিগে, শ্রীভাগবত পিয়ু হাঙীহনা হাঙীনরুবদা য়াহনা তেথাও নিংথৌদা ইচা পিখি, ভাগবত পিরকই। ভগবত অদু পুহনা লাকপদা দিথু তুরেল মপান্দা অহিং লেকপদা মৈতৈ তেঙোল লাকুনা ঐগী তেঙোল চাইথাই, শামু য়াইশ, মুনখি। দোলাই য়াম্বেক—অস্মি, শ্রীমদ্ভাগবতস্য মুনশ্রে, শ্রীমদ্ভাগবত হাঙীবাহদি ঐগী প্রাণগা মায়রবনি, নাগনানাচিংবা পুংস্থ মুনখি, সগোন শামুস্থ মুনখি। মরম অসিনা য়ায়া শাওনিংতি। অসিগী থরাইদা মুঙাইতে, পঞ্চময়াই নংনে, ছত্রজিৎ নংনে, নারান সেনাপতি নখোই অহুমনাচিংনা তেঙোল

ময়াম পুন্থনা চৎলো। মোইরাং লৈপাক্তা তাও। মোইরাং নিংথৌনা ইপা ইপু হাকুক্তা চহি চহিগী লোক্তাকী অচৌবা ঙা, হৈগক, থাংজিং, মোন ১০ লোইহারম্বনি। অতুম্ব মৈতৈ নিংথৌনা মুনখ্রে। গরিবনিয়াজ মৈতৈ নিংথৌ ওমজম্বনা কংলা থুগাইয়্, থো য়াম্বেকউ, সগোন শামু কারকউ, হৈগক থাংজিং পুরকউ। লোক্তাকী ঙা অঙ্গা পুরকউ, নিংথৌগী য়াথং তারবদা তখেল পুংজাও থিল্লে, শামু ১০০, সগোন ৪০০, নোংমৈ ৬০০, থাং পাইবা খোংমী মশিং খিঙমদনা নিংলৌবু খুরুম্মে। পুংসেন হৈ, শামুনা ঙংঙিবা সগোম্না খোংঙিবা, মাসেম লৈপাক থক্ থুকনিকনা মরম অতুম যাত্রা তৌরকএ। সেনাপতি অতুমনা লানজিংহুনা মোইরাং লৈপাক য়ৌরে, অসি য়াবু থমখিগে।

অম্না তোংদোই নিংথৌনা মাগী সেনাপতি মংত্রা কৌহুনা হাঙ্গী, ঐগী থম্নাই অসি মুঙাইবা লৈত্রে। থল্লু থল্লুবদা শিবনা কগত্রা নিংভি মণিপুর নিংথৌ চরাইরোংবগী মচা মমিংদি থোংনাং বৈষ্ণব, গরিবনিয়াজ কৌবা নিংথৌ। মানা মচা পিগে হাঙ্গীহুনা নিংথি মপান্দা তেঙ্গোল শাহুনা লৈবদা, ঈশিং ইয়াইদা হিদা হাপ্লুনা মরৈ তৌহুনা পৃথিবা ভুরেল মপান্দা য়ুম শাও, কাংহৈ চামর নচিংবা নিংথিনা শেম্মু হাঙ্গীরগা পুম্নমক অসি ঐখোইনা শেমহুনা লৈরিঙৈদা মরৈ হৈনা মাগী তেঙ্গোল শিরকুনা হুরাল লম্বিদা আহিং লাকুনা তেঙ্গোলবুম্ব হাংশিন্নি, নোংমৈস্ব মুনখি হিম্ব য়ানথেক অন্মি, পোংচৈম্ব লোইনা লুট তৌগ্রে। ঐগী অম্না লানমী অসিবু সঙ্গ তোইবগুম হোইহুনা কবো শমশোকম্ব খোমগ্রে। মমাংঙৈদম্ব কবোদম্ব মচা পিনি হাঙ্গীসিন্নহুনা লানমী ময়াম লাকুনা মাহাকপুম্ব লোইনা খোমখি হাঙ্গীএ। লমহুইনা তৌবা মংগৌগুম্না মকম মকম থুদিংদা লুট তৌহুনা লৌরে। মৈতৈ লৈপাক্তা চৎহুনা উৎ, রাই লইন নৈথাইকল্লে। মৈতৈ লানমী হাৎ তাকউ, নিংঙাই চাওবা কারকউ। ঐগী লানমী ময়াম পুখো মশিং মরাং থিরুল্ল, শামু ২০০, সগোল ৪০০ পুখো, থুনা য়াংনা চৎলো, মংত্রা সেনাপতি মংনা লানজিংবা ওইহুনা। অসিরাবু তাবদা নিংথৌ মা য়াথং মতুংইন্না অম্না লানমী

মথুংতা থুংলাই পাইদুনা, জয় জয় লাওদুনা অকবা যাত্রা তৌরকএ। অহা-নবদা শমশোক কোন্নুংদা থুংগরে। সুমিং নিনি গুবদা গরিবনিৱাজনা হিয়ানখাইকম নিংথি তুরেল মপান পাইরকএ। ও নি গুবদা চিংগী চিংখোং থোরকএ, অৱাং অৱাংবা চিংগী চিংদোল লাল্লকএ। মৈতৈ লৈপাক্কী মৈরম পাংবদা অৱা লানমীনা তকশল্লকএ। মোইরাং পাংবদা তখেল লানমীনা তকশল্লকএ। তেঙ্গোল অনিগী ময়াইদা মৈতৈ লৈপাক্কী লৈরি। রা, পাও, অসি তাবদা মৈতৈ লৈপাক্কী পুগী, অঙাং, অশোন, অনা, অহল লমন পুম্নমক মিপাইরে। মোইরাং লৈপাক্কী দুত লাক্তুনা নিংথৌ স্না চরন্দা রা পুম্নমক হঙ্গংলে। তখেল লানমী লাক্তুনা মোইরাং তম্পাক তারকএ। মতোমদস্মু নত্তে, মৈরম পাংবা মাইকৈনগী নিপা ৫ লাক্তুনা নিংথৌ স্না চরন্দা তুরুরে। ননাই ঐখোই লৈবা ঙমদরে, অৱা লানমী লাকতুনা পোৎচৈ লুট তৌদুনা লৌরে, অচাপোং মুনদুনা চারে। মাইকৈ অনিগী লানগী লাম্বাওবু নিংথৌ স্না নাকোংদা তারে, অদুনা সমুদ্রগা মান্নরবা বুদ্ধিনি, কনা-স্নু কিরুদে। নরসিংহ কিলাদগী সান্তিদাস কুপানা শ্রীরামবু নিংজবগী শ্রীরামগী কুপানা চংখোল্লবা নিংথৌনি। অতৎপা লৈতবা শ্রীরামবু নিংজবা কুপানা মতিক চানা লৈরবা নিংথৌনি। মহারাজগী স্না পুকনিং অকিবা কৌবদা লৈরুদে। সুমিংকী মঙানগুম চংখোল্লবা নিংথৌনি। সিংহাসন্দা কমদুনা মোমোন নোক্তুনা স্না য়াথং হাঙ্গিরকই। তয়ুম অচানবা। লানবুং পুংজাও থিনগংলু, প্রজা ময়াম কৌথংলু। নিংথৌ স্না য়াথং তারবদা লানবুং পুংজাও থিনগংলে, প্রজা তেঙ্গোল কারকএ। সেনাপতি অচৌ অচৌবা তনবা মিথাই খল মথৈ থুংরে। নিংথৌ সিংহাসন মথক্তা ফমদুনা প্রজা ময়াম য়েংদুনা নিংথৌ স্না য়াথং হাঙ্গিদোকই। তাও তাও নখোই প্রজা ময়াম পুকনিং তপপু। তখেল্লা মোইরাং তারকএ, অৱানা লোকলাওবুং তারকলে। মাইকৈ অনিসি লমলেন শা নিংথৌ নোংগুম্না লানমী তেঙ্গোল তকশল্লকএ। তস্বা নখোই খিবিক্কী পুকনিং মৱাং হৌগদু। নিংথৌরেন ইপা ইপু খিবিকনা নিংথৌ কনাদা লোইপোং কৎলমদে। তখেল অৱা

নিংথৌ অনি লাকখবদি নিংথৌ ইতিক চাই। থাংলেন খুংত্তা পাইনা য়েং-ন্দেম থরাম সোইবগুম সোইদংকে। লানমী সেনাপতি খর লাকপনিনা নিংথৌ য়াকনা করম্না খোংশাননিংগে, ইকাইএ। তনবা নখোই মরাম্না খুং-লাই থুত্তা পাইহুনা লান শোকনৌও। হাওবম অকোং অহল্লুপ লাকপা তনবা মিখাইখল লানমী য়ামনা পুহুনা তখেল্লাল শোকনরুও। নংনা চংপা লানকমদা করিস্থ মাইথিবা লৈতবনি। হুইন্দ্রোম্বা পত্রসিংহ পনসা নহারুপ লাকপা মৈতৈ লানমী মরাম পুহুনা লান শোকনরুও। নিংথৌ ঐদি চংলোইএ অরা নিংথৌ লাকসনু, তখেল নিংথৌ ওইসনু, থাংলেন খুংত্তা পাইহুনা মালেম লৈদা য়াম্বংকে, নখোইনা হান্না চংলুখো, লানমী মরাম পুশনখো। নিংথৌ সু য়াথং তারবদা হাওবম অকোং সেনাপতি অহ-ল্লুপ লাকপনে চোংথা ক্ষেমা সিংহ সেলুংবনে খুমন্থেম লুপা সেনাপতিনে লাইখুবা শক্তি কৈরুংবনে। পত্রসিংহনে নহারুপলাকপনে, ক্রেতু সিংহ লাইকম লাকপনে। মাগী মাগী তেঙ্গোল পুহুনা মথং মথং চংলকলে। অরাং তেঙ্গোল মকমদা মৈতৈ তেঙ্গোল থুংঙে। হাওবম অকোং অহল্লুপ লাকপগা চোংথাম খোমাসিং সেলুংবগা অনিমকনা তখেল লানলোম চংওক্লে। অরা লানমী খুংলাই পাইবা মৈতৈ লানমী খুংলাই পাইবগা মপা মপা হোংচি-ন্দুনা খুংনা কংনা য়াম্লরে। সগোল মশেন থৌজম্লৈ, শামু মশেন থৌজম্লৈ, থাংগা থাংগা য়ানথংলৈ; তেনগা তেনগা কাপশিন্লৈ। নোংমৈগা নোংমৈগা থাজম্লৈ, অকিবগী মশকনি. লাইগা হিংচাবগা লান শোকনবা অহুমওাইরে। মৈতৈ তেঙ্গোম্না জয় রামসিংহনাদ লাওই। পুং, সেন য়ৈরকপনা নাকোং-মক রৈশিল্লে। খোংগী উফুম্না অতিয়াদা মমুলক্লে, লানমী তেঙ্গোল য়াম্বংন-বনা মালেম লৈদা নবোন মবোন তুরকএ। অচৌ অচৌবা শামুনা মশিং থিওমদনা মৈতৈসু অরাসু মশিং থিওমদনা তাম্নরকএ। অরানসু ওমকদে, মৈতৈনসু ওমকদে। মৈতৈ তনবা মিখাইখল থাংলেন খুংত্তা পাইহুনা চেনশিন চেনশিন, অরা লানমী চামা চামা য়ানথেকই। মৈতৈ লানমী কনা কনানা মথুত্তা তাবাক পাইহুনা সিংহনাদ লাওহুনা লান শোকনৈ। ঔশিং

ইচেন কনবগুম অরা লানমী ময়ায়া মৈতৈ লানমীদা পঙ্থংওয়ে। অহু উবদা মৈতৈ লানমী রা থননরে। মৈতৈ ঐগী লানমীদি থজিক্তনি, ময়াই কারবা কৈগুম্বা মৈতৈগী লানমী য়ামদবনা লৈনা লৈনা শোকনৈ। মুমিৎ থর শোক-নরবদা সেনাপতি অহন্নুপ লাকপা পত্রসিংহ লুচিংবনা লাইরিক অমা কংখ্রে। লাইরিকী মরোন্দি, অরা লানমীনা তুরেল ইচেল ইনৌ হৌবগুম হৌজককএ। নাগা, থোংজাইস্থ লৌশিনখ্রে, মৈতৈ লানমী য়ামদবনা অরা লানমীদি য়াম-বনিনা মৈতৈ লানমী কাইগদৌরে। লানগাইনত্রিবৈতা মহারাজা স্না থোং-সানবিরকও, থ্‌না য়াংনা স্না থোংসানবিরক-অবদি লান ওমগনি নিংঙ্গে। মহারাজনা স্না থোংসানবিরকদবা লৈরবনি, লান থাংহুনা লৈজরমথিগে। অত্থগা তেঙ্গোয়া কাইথিবা থোকঅবদি মতুংদা অরেস্বা ওইরনি। অসি চাঙ্গনা মনাই থোংলোই শিহুনা মহারাজদা পত্র কংশিনথি। মহারাজ গরিবনিরা-জনা পত্রসিংহগী লাইরিক ফংবদা রাংলেন পুংজাও থিন্দুনা মৈতৈ অওম অথৌ লানমী পুম্নমক তিনখংলে। পত্রসিংহগী লাইরিক পিরকপা রারম লোইনা তাহল্লে। নিংথৌনা মতুংদা নিংথিবা য়াথং চাঙ্গরকই। নিংথৌ স্না পুক-নিংদদি অকিবা লৈতবহু উহন্দে। চাঙ্গদোরকপা য়াথংদি তয়ুমসা নথোই তাওও।

অরা তেঙ্গোল শোক্লবদা মৈতৈ লানমী য়ামদবনা লান থাংবা ওমদরে হাঙ্গরকই। নবুক্তা রাথন তৌনা করি তৌসিগে হাঙ্গদোকউ। ইচানিংঙোল পিহুনা অরা থেমজনসি হাঙ্গত্রা? পোৎচৈ স্না, রূপা পিহুনা অম্না তাইসনসি হাঙ্গত্রা? মৈতৈ লানমী ময়াম চংহুনা অরা লান শোকনসি হাঙ্গত্রা? নথোইনা হাঙ্গবা রারম নিংথৌ য়াকুম্থ য়াগনি। রারম অসি তাবিদা মৈতৈ লানমী পুম্নমক তাংজ মরু লুঙ্খ্রে। মাহু উবদা লোই তাম্বা সেতু সেনাপ-তিনা হাঙ্গরকই। হে ইনিংথৌ! স্না, রূপা পিরোই, পোৎচৈ অমতা পি-রোইএ, ননাই পাম্বোম তেক্তি ঙৈদা অরা লানমীনা কৈদৌচরনি, ননাই হুজিক চংচগে, অরা লানমী শোকনগে। সেথুগী ময়াথং তাবদা মী পুমতিং-শাওনা হাঙ্গ। তারিম্থ ইনিংথৌ ননাই ঐথোই চংচগে, অরা লান শোকনজগে।

অরা লোইনা হাংভোকে, মপা কনানা কল্লনি। থাংলেন খুংতা পাইদুনা খুং শন্নরা য়াননগে। প্রজামরা তাবদা নিংথৌ সনা পুকনিং মুত্তাইরে, নিংথৌনা হাঈ —তন্মমসা নখোই মরাম লৈরিভৈদা ঐ করিগী রাগনি। হাওবম অকোং সেনাপতিনা তখেল লান শোকনখিবা মপাও অমতন্ম তাদরে। অরা লানমী পুম্নমক চিংথোং থৌনা কুম্মকএ হাঈবদা হান্না চংপা লানমীনা কমদৌনা খাংগবনো লানমী থুনা য়াংনা শোমকংলু। তখেল লান শোকনবদা লানমী খর শিখো। থুনা য়াংনা পাও হল্লো, অসি হাঈনা তখেল লান শোক্লকনদা লানমী খর শিল্লে। নিংথৌ চাইথরে, পূজা লোইরে, নিংথৌ লুক হারে। প্রজা চাবা থকপা লোইরে। নিংথৌ সনা য়াথং পাঞ্জি পণ্ডিত কৌশল্লে। সানা য়াথং হাঈরকই অকবা যাত্রা পিরো পণ্ডিতনা হাঈ। খোং ৯ মঙক্তা হৈনৌ মনা য়েংতুনা ঈশিং থন্না হাপ্তুনা কুমারী ৯ ফিজেং লৈতোন্দুনা য়েং ওইননা লেপহল্লু। পেনে, চামরনে, চেং, থোইদিং কুশ তিংথৌ লোইননা শমখোং লমখোং খুদিংদা লফু চু, থাহল্লে, নিংথৌ আসনদা ফমলে। মাংদা খোং, থাংমৈ, হৈরুক, পান্না থাদুনা গুণ চেল্লবা ব্রাহ্মনবু পূজা তৌহল্লে। নিংথৌনা রামচন্দ্রগী চরণবু কোক্তা হাপ্তুনা খোংকাপ ৯ যাত্রা তৌখোকএ। পুং, সেন, য়ৈদুনা শরিক খিংঙে, মোইবুং খোংঙে মৈতৈ লানমীনা জয় জয় লাওরকই। নিংথৌগী সাদোং, শামু রাইশ শেমদুনা তুলসীগী চরনাম্মৃতনা মকোক্তা খিকলে। মহারাণীনাচিংবি য়োইবু য়োইকেল্লা মজোল তৌরে। রাজবল্লভ কৌবা শামু য়াইশদা নিংথৌ লেংথললে। যাত্রা তৌরে, কোম্মুংদগী মপান থোকএ, মুংমুংবি হেক য়ৌবদা মাইকৈ মরিমক্তী হাওশিং থিবা ভমদনা নিংথৌবু খুরুম্মি। হাওনা হাঈ, ননাই ঐখোই অসি খুজং অমমমদগী অনি অহুমদা খল্লবন। ঐখোই ইবুক্তা লান পামদুনা লাকঅবনি। মহারাজগী সনা থৌগনগীদমক অরা লান শোকনবদা থরাই মাংবা পাম্মুদে। হন্দক অরা লান শোকনবা সনা পুকনিং রাবিগনু ননাই ঐখোই পিসুম লৈরোইএ। পংলবা অরা লানমীনা কৈদৌচরনি, ননাই ঐখোই লানমাং থাজগে। হাওয়ামগী মরা তাবদা মহারাজনা করে ফরে

নখোই ময়াম অরা লান শোকনৌ। অরা লান তুম্নগা ঐনা মনা পিগনি, য়ারম অসি তাবদা হাওয়াম মপামবোম খিংডি, খো শারৈ, মাংলেম লৈবু থক্ থক্ নিকই। মৈতৈ লানমী পুম্নমক জয় জয় লাওবনা নোংদোল অতি-য়া নিংথাইবগুম নিংথৌ স্না থোগন তৌরকই। মহারাজগী কোক থক্তা ছত্র, কাংথৈ, চামর, তুমাই, থোগন তৌরকই। শ্না কোকথোন নিংথিবা পুর্ণিমাগী থাগুম্বা মথুংতা তাবাক পাই, থাং পাই। থোংলেন য়াইকবা লোই থুবী অচেংবা লমবু লাল্লোই ময়াই থাইনা হাওরৈ নোংপোক লোম পাংবা লমশা নিংথৌ মখেলাংবা, লাংথাকনা চিংডু নিংথৌ স্বরারেনগুম, হে লান্দাখিএ, হাঙ্গীদত্রা। ময়ুম খামরন মনিন নাইবা অরাগা চাইনগদবগী লাইরেন মৈ-দিংডু বৈষ্ণব রাজা থোংলাং ময়াম্বা য়োই ময়াই তাওদনবা মশাবি, তাই তুইরেল অরানবগী লাঙ্গোই নেংনা পাই থরাই য়াংজিং লোকচাও ইচা খাসনথেম, কাংগোল নোংদময়ি, চিপিলোক লাওপুংদা লাইরেন নোংশা মখিন নাইনা য়াই থুংলে। চিংডু নোংথৌ শোরারেননা মালেম তম্পাক লৈদা তাবুম্বগুম, নোংপোক মাইকৈ য়াইরং লমবু খোননা লানশিংনখিএ। মদাই-রেম পানা পাম্বো মরিমক ফুংগা নাই মণ্ডামক লানশিংনখিএ। অরাং লাইনা পাংবা লম লাইকম নোংশা, লান্দং নাবগা খাবম কোরৌ মুংশিংপু লান্দা নাবগা অনিমকপু থাবম ভাংগোন কৈরুংহনবা কপেং তনবা মিথন থাইনা হে লানচিংনা খামরন মায়োক য়ানা শোকনখিএ। হাওরৈ খানা পংবারোমদদি লোইনাই অহল্লুপ সংলাকপা মৈরি লান্দানবগা নগারুপ সংলেন মনিন নাইবা চিংলাই লান থনবগা অনিমকনাচিংনা অরা থাংকংননা হাঙ্গনখিএ। লামকম তেঙ্গোল ময়াই থংবদদি পাওন লাল্লোই মাবু ফাববু প্রাহসাকৈরেন্দা নাও-নৌবা খুইবা শিথাশিং অথৌবনচিংবা অরা লান থুং থেংননা খোংফেন মায়োক য়ারে। অরা খামরন মনিন নাইবগুং শাম্মু যাত্রা মাং ওইননা লাঙ্গোই মাইকংসা, কামার খোঞ্জেন চাওনা খুদোং য়াম্না কম্না পোকফম তেনবী খোই পাইকম মংজ্রা কেংহু ওম্বনা খামরন নিংদা থৌনা ইনশিল্লরকলে। পোইরৈ মনিন নাইবগুং রাওম মরাং হৌনা লোরেন য়াইরা মথুং গুনা থবা

লানচেন মৈকাপপিবু শজাইশেন মৈবী পাইবাগুমনা কাপনরে। রাইবা ভেনবী খোইবাইদম কামরন নোংমৈ থাংকেন্নরা খুত্তোং থিনকাপ কুংনা থা কোয়ৌ নোংশা কোন ফুজিনঙা লাজোই মোইশা রাথৌ চিন্নরা পোইরৈ লান-মী চেনবা তেন্না খোংকেন লান শোকনববু লাজোই খোইসা মচুম য়ারম শিন্থবা অমিমকনা থমনা লাকোন য়াইনা য়া থিনবগুম নোংশা চরাম্বা অনিমকনা য়িকেন্নবা গুম্বাগুম লাইজ ইঙ্কন কনবা অনিমকনা নোংপোক প্পাচিং মনাক চিংলন লাইথেংনবাগুম্না হে লান শোকনরে (হাঙ্গদবয়া)। মায়ম থামরন মনিন নাইবদি লানকম মাইপৈদা লাজোই মাইফংসা। লানকম লাইজ ইনোং কাবগুম ঈনৌ অনিমক ইনলম লাবগী পোইরৈ লোংনাহন রাগুম নিংনা ভেকে হাঙ্গনা তৌবগুম লাক্লবদা লাইরেন মৈদিংঙু থাকপা নোংমৈ শিংজং-গুম্বনা মায়ু খোইমোম লৈনিংথৌ অরাং কাংনৌ লাইনা খোম্বা চিংঙু তাই-বংথাইবাগা গুরু স্বামজি মীয়াই ওইবগা কোংয়াং লানয়েং মগুমক কন্না লানশোক মতৌ য়েংববু থামরন মনিন নাইবদি। চকমোই রাগৈ চাকপগুম মাযিন চিন্নকলবগী পোইরৈ মন্নাই ওনগে তৌবগুমলবদা মায়ু খোইমোন লাইনিংথৌ চিংয়াইবী থংহন তোংবা খোইমোম মৈরিতোম শংপোতা য়ুমদি কাইবি চিংগা লুংনা পাও মেনথিএ। য়িয়ু খোইমোম লাইনিংথৌ কামৌ লাইমা খোম্বা পোইরৈ মালেম লৈপাক ভম্বা লাইনিংথৌও! থামরন লান-শোক য়াক্লরবা লানকম মৈশা লাংবা অসিবু লাইরেন্না নোংয়াই ঐগী লান-শোক ইমাং থংদবা পানম খোময়া থাএ। কৈথেন চুরাইলাংগুম চাইথাইগে। লেপনা য়োকতনা কুবিও। অরা লাজোই নথুং নেং য়াইশা যাত্রা মাং থারৈ কৈতোম মরমবু তেন্না সামুমঙাইরোইবু লেংতিন্দবা লৈকোই থোইনা লুরাংবদবু চিংঙু নংবু হান্না নেংহনগে হাঙ্গনা থুকমলবগা লাইরেন মৈদিংঙু শ্রীগুরু সেবা থোংনাং ময়াম্বনা তুবি মৈপুনথেং লাইরেন থিংগু মথিন নাইনা চোইনৌ স্না থাংবু মথুংতা গুনা খোশাথিএ। লাইরেন ইপা মৈদিংঙু তুবি চরাইরোংবা খোইমোম লাইনিংথৌ কুশৈরোকপা লাইগা য়ুম চংনা লৈ। কৈরো তম্ থারাং মালেম ভম্পাক মরোন কাওবা তেনগুমবা শিংগী মাপিরো-

মাপা মুংশিৎ কাইগুম মমকদবা নিংথৌরেল্লা হাঙ্গৈনগল্লি। থাং চুল্লোই মাওনা শাল্লা তুরৈ য়েং ওইননা লোইদাম থানা নিনবাগুন মকোই কবা চুংবু মনা মচুম পাংয়ৈবনা তম্বা য়াইদা লাংনা. হেমোইবা চুংবু তুবি শামু ওইরমসেন লাঙ্গৈরেন থাংলেন মথুৎসু লাঙ্গোই শামু লোকপা য়াংখু য়েকতৈবা য়েন মৈরাববু য়েৎতা পাইনা ককচেং নোংথাং লৈমা চুংশেননবা তুবি শামু মথুৎতোন, থম্বৌ লৈরা য়োৎকুম্ববু থোং থনচিং নোংথাংগুল্লা খৌশারে। হাঙ্গৈরবগা তুবি লাঙ্গোই মথুৎ নেৎ য়াইশা মুং চনবা শাবিচুতা হেপপগা তিলেন ইথুৎসু থামরন থাংমুং থিৎনা খেয়ে চাঃ চন্দুনা মৈগা শিংচেয়ৈ। পায়োং হিংনা চনবা য়ংশিং কোইরেংদা পুরকও। থামরন মনিন নাইববু লানমী চৈরক থাই। লানকম চাপুক থাইনা খুৎ থাইরগে হাঙ্গৈনা শাগৈ খোংয়াই অহুম কুমনা থৌ শারমলববু মদাইরেম চিংথোং লান তৈবি শানা শেননামলিবা শ্রীদাম শৌগাইজামবনা কাইবি চিংগারমনা মনা খুয়া থাদা পাইনা থৌ থামখিএ। লাইরেন কুরেন ইনিংথৌও নোংপোক খানা পাংনবা লমগী নোইনাই, নহারুপ অহলগুপ থোংদা অরা মমাই ওম্না থামরন লোংনা হল্লে। লাইরেন নথোং লেংবিহিগুনঃ হাঙ্গৈনা রা কৎলবদা লাইরেন উবিতেম্না কম কমলে। লাইরেন নোংশা মনিন খোনবু পোইরৈ লানথোং মরিমকপু থৌচান শিনবা থুংনা থৌদোংখিএ। ইতাইরেম পোইরৈ লানমী অথৌবা, অথৌ লাঙ্গোনবা, লাংবন খোইরোই লানদানবা শিংও। লানশোক খোইবা নমুএ, লৈকরোইএ। লহাল ইউ নিংথৌজা খুমাংগী তুবি য়োই নোংদা। নোংদা লাইরেন পাথংবাদগী হৌহুনা লাইরেন য়িপা মৈদিংঙু বিশমবর তুবি চরাইরোংবা তাননা নিংথৌ হাক্তক্ মিলোন খুদিংবু ওমথৈ কনাগুমবদা মী পিরকতে। শ্রীহরি য়িউনিংথৌরেন শেনবি থাগোই মাহাকথক্তসু মযুম থোংনাং মনিন নাইবনা পোই তমদা তানা পম্বেংনববু লোমলৈ অহুপপা রানচেং অহানবা কংগুমববু য়িরেনচাও কোইবাগুম্না থোংনাং মশিং থিওমদনা কারোএ। মনা চোংলেন থানবা মীয়ৈবাক কনাগুম্বা অমতনা ওমলমদে। তুবি মায়োক থিনববু মালেম লৈবু নিকপা লিলাই মশা লামনবনা অরাং

কৌরৌ নোংবু কংবা পাঙ্গল মমকদবা অচুশিংগী মনোং য়াইনে, ইতাইরেম নখোইবু রিউ নিংথৌরোন খুদিংদা শেরাচুমপন তাই, ওইএ। লাইরা শো-ইউ ওইদুনা মালেম লৈবাক ঙানবা লম্বা মনোংরাইনে নিংথৌ স্না ঐগাক থক অসিদদি ঙমথৈ কনাগুম্বা অমতনম্ব পিজংলক করোইএ। খামরন মাবু হাঙ্গদবম্ব থমমুং যম নি থৌগুম্বা মাগাক্লম্ব পংনা চংকরোইএ। হে ইতাই-রেম পোইরৈ অথৌ লিচা হেকপা পুম্নমক নখোইবু হন্দক খোংকেন লানশোক তাকবা খামরন তেঙ্গোল মাপল অসিবু হুয়েন লানশোক ঙমলবদি তনবা নখোই কোল্লোই নামং থেৎ মিংলেন সিদববু হুয়েং পোইরৈ চাতোন কাওবদা রাঙন স্নুতোননা (নিম্নবা) মিংলেন শিদবতুম লৈহৌৎঙনে লানকমখোইবু নমাই লৈগম্ব, তনবা নচাগুম্না লানশোক থর থেংননা শোকনৌও। মালেম লৈবাক ঙাকপা কোল্লোই চাওনা মিং চংকে হাঙ্গনা নোমহনলিবশিংদদি ঝিমোম তম্ফা রাঙমরোন চিংলাইমা ককচেং ঙানবা চনুশিংবু তনবা নথুমযেং পুকনিং রাথি নাইদনা আরাম তম্পাক য়ুমদা মরন লুহোং খোংদোংহিগে হাঙ্গনা অসুম্না থৌদোংলবদা মদাইরেম পোইরৈ অথৌবা পুম্নমক্তি লাইরেন নোংশা মনিন খোনগা পোইরৈ মরাংকৌ রাঙম মথিন নাইনা ময়ুম খাররন মথিন নাইববু তাংশক্তা অরা মী থানদনা নিংশিন্নকসে। লানমিৎ কৈরিকৌ থুবাক তিলিমেল, খাকদোংলাক, লাঙ্গোই থুনেৎকাং, শাঙ্গে, থুম ওনয়ে। নাকথং থুনেৎকাং, খোংলৌ লমথাদম, হরিমিংরেন শোম্না ফুজিননববু মতিক মপাল নাইদে। রাইরুং লমজাও খোন্না মরৈবাক নিংথৌ পানবা অনিমকনা হে লানশোক খোনবু কোরৌ নোংলাও খোনগুম শোকনরে (হাঙ্গদন্না)। সগোল খোং—ওইনবশিংদি পাইমা মখোনগী মবুকনুংদা মতোম মতোম লিন-খৎনখিএ। লাংওন মী ওইনা পোক্লবদি অমল থমলৈ কুরঙনে হাঙ্গববু তাকনা মরৈরে। লাইরেন স্না মাইথোং খাদা রাশকনরকএ। খোইগা ঐ-খোইবু মাই ওম্নগনুসি। হুজিক লানকম তেঙ্গোল লেন অচৌবাসিদা নোম্ন-ম্নবদি লাইগীম্ব লাইথোং ওইবনা স্নাতোন ধর্ম্ম অপোইবনি, তুম কংজঙনি। ধর্ম্মদি লমচং হৌনবতুম খোইমা ইমাই লৈগনুসে হাঙ্গনা রাহমলবগা লাঙ্গোই

সগোল খুম্নপ্‌মামবন হো শাজৈ নমরৈনা তিমেল তজিল মৈরি থোকনা মতোম মতোম ফুজিন্নরকপদা খামরন তেঙ্গোল মাপলমকপু অম্না চাপুক খাইনা কাংথং কাংতমগুম থুগাইরে (হাঙ্গীনব্রা)। খামরন লানমী অথৌবা লানশোক মায়োকনরম্বাশিংদো তিনমেন কাদোংথুম মালেম লৈকাংতুনা খিনথুরে। তাংজ লুরেন কম লানলু চোমাই কোইনা লাই ম্না মথোং খাদা কংলরে। মৈদিংগু খোংনাং ময়াম্বানা য়িয়ু খোইমোম লাইনিংথৌ চিঙ্গু নারন কুকী লানকম য়াইকথোইরে হাঙ্গীনা হয়াওখিএ। ময়ুম খামরন মনিন নাইবদি তময়া লোকমাই খুদিংদা য়ুবিথোক পৈক্রুমগুন লাল—ছুরবগী অমা লানশি য়িনা শিংলেন লৈ মহি লৈরাংমবনা ওই, তোংনা মপান ভাংনা শাবা অদুগুম্বু খোইমানা তাবাক পামেন উনা ভাংনা থিভাংলৈথোং চেনগুম্লে। খামরন তেঙ্গোল কাইনা হে লানশোক ভমলবদা অমা লান চিংলেন মন্ত্রা কেংতু ভম্বনা লাইরেন নোংশা মথুবাক্কীবু থরাই লাইশেং থিনবা মরো খোইবুং লোক্কা চাওনা পাও মেনলকএ। পোইরৈম চৌকাহোম, পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেনও, অমা ঐবু নঙাইরেনতনি, মংম্রা কেংতু ভম্বা ঐবু নমান তম্ফা রাঙম লোন চকপা মথাও ভম্বিগী মপারি মাহাকনে মপুম লানশোকনবগী লানফম লংজা খোইববু খামরন ঐখোইবু মুমিৎ শিংগুম য়ামলবগী ১০ চেংজেল তামলে। নোইপুথুমচেৎ রাৎনা লেমলৈ ভাচেন তেংলে! পাইরোরেন চাওকাংহোম, অমা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মাচোং তোনলেনগুম্বাও। চেংলৌ নশক উনসে হাইবম্ভু পোইরৈ য়িপুম পুকনিংগুম থৌরম অমান চংনা হে লান! শোকনা চিন্নবগী পুকনিং শোংগী চংলে। পোইরৈ নখোইগী ১০ চেং মচং, লেমলৈ শরেং অতেকপা, নোইম্মু থুন অয়াকপবু পিজরকও। নমান তম্ফা রাঙমলোন চকপা মথাও ভম্বিদা কোলোই পাওদমজরুগে। পোইরৈ ইমা পোকপিদা পোইরৈ থৌজানগীনিনা রারম নিংথিববু হয়েং খামরন য়িপুংম্বাইদা রারিনারুগে হাঙ্গীনা অম্নম পাও মেমরম্বগী লাইরেন মৈদিংগু ধর্ম্ম পুর্ণ অথোইবনা ১০ চেংকোক মশিং থিভমদনা নোইবু চামাই ভম্বিবু লমলৈ ভাপোকশিং মরোন য়াম্না রাংলৈ অয়াকপা কোকলেন লীংশিববু

ফুরেন মশিং য়াম খাক্লং নাথাংলোক পোৎলেন শিংলাক ঙমদনা মৈদিংঙু খৌজান হৈবা খামরন মখুৎ পাকনাহুম পিজখিএ। (হাঙ্গদব্রা) ময়ুম অরা মনিন নাইবদি অহিং রিমুংমোই য়াইমাদা খোমলেন তুর কনদনা মৈদিংঙুনা পিরবা ১০ চেংকোক অয়াম্বনা খামরন চেংজেল ওইননা খোইবু মহুম চাইবা ঙম হে লান। চেনখিএ! (হাঙ্গদব্রা?) হে লান মীগীদি রাংজিং লোক-চাওয়িগী অরা কেংমুচা খামরন চোবা লানজিংবা খাগী য়্রাংজিনা পুমুং মঙান নাইবা স্না য়েক কাংহুমকপবু কাইনা হুল্লে। চাখা সলুংথেনগী চুঙ্গোই লিশিং খোমলোএ। শিগোং লোংয়াম পাংকী তরুং থাংগুববু হৈরোএ। খোইমা লান শংপোক্কী লাঙ্গোই সগোল মপোৎতবু লোকহৌএ। কাংগোন নোদম-য়িগী হুংসউদি লানচিংববু কারোএ। খামরন চিংগারমগী সেনবি তরু থাংবু থাংলেন চবুন শানা খোমলোএ। হৈরোক অচনবদগী সগোল লিশিং খোম-রোএ। অরা লানমী ১৫৭ নোংমৈ ১৬০ খোমলোরে। জয়ধ্বনি লাওরে, তেঙ্গোল সভা মুঙাইরে। গরিবনিরাজ নিংথৌরেন কোমুং মমুংয়াইদা থুংওরে। পোইরৈ মৈতৈ অঙম অথো লৈপাক প্রজা তিল্লে।

(তখেল লাল্)

খামরন মংত্রা কেংতু ঙম্বগী তেঙ্গোল মাপলমকপু অরা লানশোক মখে কংবা শোকনা ঙমলবদা লাইরেন মৈদিংঙুদি লানকম মৈশা লাংনবগী হুমাং শেংগোইয়িবু তাকতা, লোক্লে লম খৌয়িবু কংত্রিভৈদা হাওরৈ খানা পাংবা কমগী তখেল লানথোং ঙকহনলিবা খোম্মা চোংথা চাগা লুরাং থুমন থেমব-গা শকখি নাওরোইবগা তনবা মাখোই অহুম্মকনা খোংলোই পাও হনবদা লাইবেন মৈদিংঙু য়িবুংঙোও ময়ুম তখেল মনিন নাইবদি থাবা য়োই কক-চিংবু পুমবন চিংয়াং খাইনা খৎলকএ। লানশোক থুমথেংননা শোকনববু

খোই মমাই লৈদে। তাংজা লিম্না থৌবগুমনা মরিন শিংলকএ। থাংলেন খুংনা ফংনা য়াম্নবু লানকম মাই লৈবিত্রে ওকলেন চৈ থান্নবগুম থিংলো মথিন নাইনবা অহুগুম্না ময়িনজিনলকএ। পোইরৈ লানথোক কাইনা হুংবিরাশৌনেৎ, তিংথং খোংয়ু য়ামলে। নদাইরেম হখোইদি লানকম তেঙ্গোল কাইএ। তখেল লান মমাং লেপগুমদা, কৈলো থোইদায়েং, নানোং শোইরে, লাইরেন স্না লনিন খোনবু য়াং নোংদমবিরকও হাঙ্গনা থোংলোই থৌশিরকপবু য়াংচাক্কাই খুংলরে। লাইরেন মৈদিংঙু নোংপোক রাইরং পামহৈবাও। ময়ুম খোংনাং তখেল মনিন নাইবনা পোইরৈ লোংনা তকথোকলকএ। ছুবি স্না ললিন খোনবু য়াথং নোংদমবিরকও হাঙ্গরকএ হাঙ্গনা লান পাও তম্লে। মৈদিংঙু মরাম্বনা হাঙ্গ। হে ইতাইরেমশা! তখেল মনিন নাইবনা পোইরৈ তেঙ্গোল শোক্লবদা তখেল মনিন নাইবনা লানকম মমাই লৈদে। থামরন মনিন নাইবগী লানকম খুং থেংনবগী হুমাং শেংগোইবিয়ু তাকতা তিমেল চাঙৎং কাংদা চংমাই রাইমৈচাককুম মায়চিনলকক্লে। (হাঙ্গএ) থাকুর বামন হঞ্জবগা থোংনাং তখেল মরামবু পাওন লম চিংবগা অনিমকপু পিরক্তে হাঙ্গবগী পোইরৈ মখৈ ফংনা পস্থেংনগে হাঙ্গনা হে লান হৌরকএ। হায়ব পেংইরৈ তমদা কুমহুনা হন রাইথিও হাঙ্গরুববু. ছত্রজিৎ লানচিংবনা কোনলোই শগোল ১৫ পিরকও হাঙ্গরকএ। অসিস্থ মদোমদে, লহান ঐখোইনা হুয়েল লান শোকনরম্বা চিংপি লোকলাওপুংদা থামরন তেঙ্গোল ৯ মকপু অরা লানশোক ওমাম্বিবা অহুনস্থং হুয়েল মখৈ ফংনা রাম্থিলো অমা রক নিংতেনা হুয়েল হৌরকপবু থাংমিৎঙান য়েন য়ানবু য়ৌরক হিকলে হাঙ্গরে। শংলো ঐখোইবু রামল্লে। করম থৌরাং শিবনো? নিংথৌ স্না চোংলেন থানবা অমনা শাথৈ পান্না লান লাঙ্গোই সগোল পিনা লোইহা থোকসে হাঙ্গত্রা? লানশোক ঐখোইবু বামল্লে। হকচাং কোই নাইয়াম তিংথং থোংজি তোই, হুমাং শেকলোই ঈবু, তামদা, লোকলো নমথুন য়িবু কংদ্রিএ। হাওনা নিংথমলবদি লৈবাক ইমান্নবদি অনি মাদি স্না, চোংলৈরেম লুপা থোংমাইলাং লাঙ্গোই সগোল পিনা লোইহারসে হাঙ্গত্রা? পাইমা নখোইনা উন কোইহুংদা

পুকনিং চিংনদনা পাও খুমও হাঙ্গীনা পাও খুম্ববু পোইরৈ মালেম লৈবাক কোইবা পুমম্নকনা পাও খুমত্রিডৈ, কেগে মোইরা, নারা রাম চরণ থুম্বা রায়েনবা হন্নবনা লোই লাবনা হান্না পাও খুম্নকএ। হে নিংথৌ নদাইরেম হন্নবা ঐদি তখেল খুং কংননা য়াম্নগে। লাঙ্গোই সগোল পিকরোই, নমো ন তম্ফা রাওম লোই পিকরোইএ, পোইরৈ মৈতৈ মীয়াম মীথাই খল পিক-রোই হাইনরে। মৈদিংঙু ময়াম্বা পোইরৈ মৈতৈ তেঙ্গোল য়েং খোইমা হুইত্রোম্বা লুপা খুমঙ থেম্বা পোইরৈ তেঙ্গোল পুনা লমলেন কাকতা য়ৌনা ওসি লাইরেন নোংঙ্গাদা তেঙ্গোল যাত্রা তৌরে। মৈদিংঙু স্না য়াথং তানা পোইরৈ তেঙ্গোল পুনা হে যাত্রা তৌরে, কেগে মোইরাং য়ৌরে। অকোং লাইকম লাকপা হাওবমচা পোইরৈখোং কৈ ওইবা তেঙ্গোল নাক ওইননা হে থুংরাইরে। তয়াচেং লেমলৈ ঙা পুবশিংনা অকোং হাওবমচাদা তামরাই-রে, পোইরৈ তেঙ্গোল লানমীনা বামন হঞ্জববু থোংনাং তখেম্না পিয়ু হাঙ্গীবা তখেল লানশোক অস্থূপ রাবগী নরুপতি বামন কানা পিথোকসে। থোংনাও তখেল হনরাই হনসে হাঙ্গীনা ডাংনহৌএ। অসি রাবুনা অকোং সেনাপতি তেঙ্গোল খোংকৈ ওইবনা তাংজা লৈদা লুক রাখল তৌরাইরে। বামন হঞ্জবা কৌশিল্লে, লাইরিক স্নাখোংদা থুংলুও হাঙ্গীনা পিরকএ। থাগুর বামন স্না মনিক মৈদিংঙু স্না নাক য়ৌরুরে। মৈদিংঙু সনা য়াথং নিংথিবনা মৈদিংঙু স্না শঙ্গাইন্নুংদা কৌশিল্লে। স্না খুংতা লাইরিক কংলরে মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বনা পোইরৈ মীয়াম কৌথংলে। হে ইদাইরেমশা! তেঙ্গোল খোংফে অকোং হাওবমচানা থোংনাং তখেল লান শোকববু পোইরৈ তেঙ্গোল লোংনা হল্লে হাঙ্গীনা থাগুর বামন সনা মনিক থারকএ। ইদাইরেমশা পোইরৈ থম্নুং রাখল তৌনা হাঙ্গীনরো। লাঙ্গোই সগোল পিসিরা, ইমোম তম্ফা রাওম লোন পিন্নুনা হনরাই হনসে হাঙ্গীত্রা? হুয়েন লানদাসি হাইত্রা? মৈদিংঙু য়াথং তাবদা পোইরৈকনা খুমাত্রিডৈ চকশা, চক্রপানি মীথাইথম্না হে ইনিং-থৌও। খুংস্নু থাংশাং পাই, পোইরৈ তেঙ্গোল থোংনাং তখেল লান থাই। লনবা ইতোমতা চংরাইগে, লাঙ্গোই সগোল তোং, তাবন তাবু খুংনা পাই,

তিমেন থাং, নাক্ত থা, শাজৈ, নমথা থা, পঞ্চম নায়ান অথৌবা নায়ান সেনাপতি তিনেল থাংনা শোই, মালেম লৈদা নম লালু কক্না থা, সগোল খুনেং কাংহুনা, হে লান ওমগে হাঙ্গীনা য়াকংলে। পোইরৈ মীথাই অথৌবাসিংনা হে লান হৌগে হাঙ্গীনরে। মৈদিংঙু নিংথৌরেম্না হাঙ্গী, হে তান্দে চক্রপানি অথৌবা! ওসি কোয়ৌ সুমিংতা পোইরৈ তেঙ্গোল পুহুনা ক্বাক্তা লমময়াই অকোং সেনাপতি নাক তাননা চংরাইরো। কোয়ৌ হুয়েং নোংঙালগা পোইরৈ তেঙ্গোল অচৌবা পুহুনা নিংথৌ ঐস্থু লাকরাইগে। অসি য়াবু তাহুনা চক্রপানি চেকশা, নিংথৌ স্না থুয়া থাদা থুরুম্মে। চেকশা যাত্রা তৌরকএ। লমলেম সুংয়ুংবী লাল্লকপদা সুপীচা অমনা থম্না লকোল সুংদা লেমলৈ ওচিং হাপ পাইমা কপোক য়াওনা তঞ্জান থরগা চেকশা মথুংতা পিনএ। তখেল লানশোক ওমজৌ হাঙ্গীনা পিরে, মণকস্থ খংদে, লৈহৌরে, লান য়াইফরে নিংএ। ক্বাক্তা য়ৌরে, অকোং তেঙ্গোল তিল্লে। অহিং ওইনা থুংএ, চেকশানা পোইরৈ তেঙ্গোল পুন্নমক থোংনাং তখেল লানমী হুয়েং কোয়ৌ নোংঙ ল্লগা তনবা ইতোম্মক তিলেন থুংস্থ থাং, পাইনা লাঙ্গোই সগোল থৌজিন্দুনা পোনবী গরুড়না তাংজ লিল্ক্রুয়া মাংহনবগুম মাংহনগে। মৈদিংঙু স্না থুয়া থাদা থৌগন পোইরৈ নখোই পুন্নমক হে লান পাংদেএ। চেকশা মরাদা পোইরৈ অথৌবসিং মহৈ মহৈ শাওনরকএ, সেনাপতি অকোংনা থাম্মি। কোয়ৌ নোংঙাল্লবদা ১০ চাকপু চারে, লাঙ্গোই সগোল তোংঙে। থাংলেন থুংতা পাই সগোল শাজৈ নমথা, থা, লান চংলে। লৈচিন মরোন থল্লে, কোয়ৌ নোংদোল উথিদে। অহিং নোংয়াই মম্বগুম শক্ক উনথিদে। সগোল শাজৈ থানা মহৈ মহৈ থৌজিল্লকএ। চেকশা চক্রপানি লম্বি লমদাং থংদনা সুংগাই শমজেং শাবদা থৌজিনখিএ কফুং ককই মরক সগোল খোংচং য়াদবা থাংজিং চিংকোন লম কাওজ্রে। খোম্মা হুইদ্রোম্বানা সেল্লৌবেন ওয়াং পোইরৈ তোঙ্গোল তনবা মীথাইথন পুন্নমক ইকাইহনখিএ। চেকশানা পাইরৌরেন তনবা ইতিক থংগনি, লোক্তাকক্বী লৈচিন অমমবা কোয়ৌ নোংদোন থুম্বা কোকথিসনু। থর লৈরগা লৈচিন নোং কাই শেংলে,

কোয়ৌ মুমিং মশক উরে, পোইরৈ মহৈ মহৈ থৌজিল্লকএ। লাকপগা থোংনাং লানমী চিরক খাই, তখেল লানমী কাওনা পম্বেংনববু তিমেল খুৎসু অরেমলবগী তখেল চংনা পুগে হাঙ্গৈবগী লরাই হামুন লাকনা চিংহিক লুইএ। তখেলগী মী খনবু ওইঙামলবগী মখোং মালেম লৈদা চিক শামু মখুৎ অনিনা শাবন মরুম পাই, থোংনাং য়ারেন খোংথৈ তোম্না, পম্নুং মখোং য়োমগী খুকমু কাঙ্গোই তেংদা চিকনা, খংলবগী চেকশা তান্দে, থাংজবদি লাঙ্গোই খুজিথা শমু খুং অনি চংনা মালেম লৈদা কাওথরম্মগা তখেল তিলেন মখুৎসুবু মুনহনা মালেম লৈদা নম্না থিনথুববু তিমেন য়মথাংনরবগী থাংলেন লাময়াম্নরকপবু চেকশা শমু হকচাংদি কাইরেন থাংয়ান ফংদ্রে, লাঙ্গোই খুজ্জিগী ওমুং চুম্বুন শাববু য়েন্দেম থরাম শোইবগুম য়াম্বরে। মরোই চুং হুনবা ক্যাম্বা ময়াং চাম্বনা, থোংনাং লানমী চৈরক থাইনা হুয়েন লান লুমলৈএ। চেকশা তনবা মীখনথাইনা থোংনাং তাংজ লুরেন কক লালু চমাই কোইনা হাওরা ঙানশোক শোল্লে। তেঙ্গোল লোন্দা হাম্না রাইথুংলবগা কেগে থাংজিং লাই মরুদা লাপু তম্না য়ানজম্বে (হাঙ্গৈদব্রা?)। ওমা চিরোমচামুং থোংনাং মাগা লান পানববু উনবী থাংগুং মিংনা তখেল লানমী চিরক থাইনা ফুজিল্লখিরে। অসাইউগী চেকশা তিমেন মখুৎসু চেকশা শমু মখুবাক্লা লানবী রৈএ। খোইলি ঙাংবমচাগুং তখেল সপ্তম নারান অথৌবা ওকলেন তাবান শাগুম্নবু তিমেন মখুৎসুনা পঞ্চম নারান হাংথ্রে। মচিন্দা রাম রাম শোন্না নোংগাখিএ। পোইরৈ পুন্নমকসু হুয়েন মীগা লাপাম্নবাশিংবু শমু হাকথেংননা থিননরে, থাংলেন খুৎনা কংনা য়াননববু থোংনাং লানমী অথৌবশিংদি ওকলেন তা, পান সাগুম অনৌবা মরাহৌই তখেলমথিন নাইবা থাজিং উপিন্দ্রা, মৈগুম লানকম মৈশা লাংনা মরি শিল্লকলবগী শোইরৈ চেন্নদনা তখেল চাইনদনা হুয়েল লানশোকনবদি ঈশিং তমলেন চাওরকপদা নাচুংথোং কৈ, য়ৈ, লাইরা শোইউ য়ৈনা থিংলেন লাইজ খাংবা অতুগুম্বাগুম থোংনাং মনিন নাইবনা তকুঙাই তকুথংলকএ। পোইরৈ লানমী পুন্নমকনা লৈউ ইনাখিএ। অক্লা, মিতম খুং, ত্রেংমাইলেখন কদাংলৈ মিতম চিংগুমনা লাম্বোক

তকথোক তকশিলনা শোক্লবে। তেনদা অকন লাংয়েংজেংবু হৌনা হৌনা লানপুক মরাংগী হিংবেং লাইরেংখল থুকম তমথি থল লাইমিং কোরিগৌ। মংরোং চুমাই অহাংয়েং তিমেল তন্নাই শুক্কোংগ্লাথ। পাম্বোম মশেন হাম্বেকনা শম্বেং মশেন থিম্বোকনা লানু মোই কাংলম লোইবৈ লাক্সোই মথুনেংপু হুমাং লোকই থোকপনা সগোল হকচাং চোং, খুংজুম তুরেন চেল্লে। নাকথং খুয়তল রৈ, শাক্তে নমথৈনা খুরূপ মানবন হৌবনা উফুন নোংলৈ থোকপগম্ব চেংলো শক শংদনা তেনবী নমকাপনননা লা বন থোইরেন পাইবগুমলে। লান তেঙ্গোল অনিরুদ্ধগী কামরূপ নোংঙৈ অচৌবাশিং লাংমৈ চিল্লোকননা কাপ্নবী খেংম্বল নোংখাক চৈরোইননা মৈথু নোংলোন শাবনা, হুমিং খোংলেন লম্মা লোই ময়াই তাপ্তদনবনা, অযুক শৈনা থোকলকতৈগী মথৈবু কোরৌ নুমিৎ চুপপা থবি অলাই ওল অত্তানবা থোংজেন খাম্বা য়েনা খোংজেন লানশোক চৈরেপ্তা নিপা পুকচেল অথৌবা হুয়েল লানশোকনবা লোইবৈ মমাই ওন্নদনা শোকনৈএ। তখেল মতিকয়েং লোইবৈ লিংজেল শংনউংনে, থোংনা নমাই লৈকরোই হাঙ্গনা রাহমলবদা তখেল মনিন নাইবনা থোনাং ইংথোইসু থোইমা ইমাই ওল্লোই। পোইবৈ ননিংথোগী স্ম। লানথোং লৌ. কোন হুংশং কাই চংদ্রিবা মথৈদি থাংনাং ইরৈপাক্তা পংনা হলমাইখি-রোইএ হাঙ্গনা পাও থুম্নবগী চেকশা তনবা মীখল থাইনা থোংনাং তাংশক্তা তখেল মী থানদনা হে থোংনাং লানমী অথোইবা! নখোইবু চক্রপানি জানন্দ, খাজবা ঐবু লৈরিবা মথৈদি শামু ইথুবাক্তগী থোংনাং লানজিংবা লংনা চিংনা তখেল লানমী মী পুম্নমকসু তখেল নরৈবাক্তা হলরাই হনখি-রোইএ হাঙ্গনা পাওমেল লমলগা পোইবৈ লানমী পুমনমকতি হুয়েল লান-শোকনক্ষমদগী লিংলো লিংনা তেনা হলরাইর মলে। লাইরেন মৈদিংগু বৈষ্ণব থোংনাং ময়াম্বসুং অশাইতৈগী হুয়েন লানজল্লকপা খিবিকপু লোইয়া, মদাইমা, কেগে, নিংথৌখোং, মোইরাং, ফুবালরাদা লম ওকনরবগী লাইবেন মৈদিংগুনা তৈনবী কপ্পকংলো, থাংশা মপালকুম ওইখিএ। তম্নমশা নখোইদি করিগীদমকপু হুয়েল লানচেনবনো? পোইবৈ লানমী পুমনমক্তি সেনাপতি লানজিংবনাচিংনা

তখেল লান শোকনরিএ। তখেল লানশোক ভমত্রিভৈদা হুয়েল লানচেলকপনো? তুবি তিমেন মথুংসুনা লোইয়া লমজাওখিং লানমী পুমনা থোমনা অসুম থোখোমলকএ। হাইব্রা?

মৈদেংঙুদি কেকে শিংজা কাকতা পোইরৈ তেঙ্গোলদা রাই থুংলরে। মদাইরেম পোইরৈ লানমী অথোবা থোংনাং হাইয়োক রারকতবা পুমনমকসুং লাইরেন সনা মথোংদা পোইরৈ তেঙ্গোল লমদা রাই থুংলরে।

সেনাপতি লোইনাই অহল্লুপ লাকপনা পাও তমলবগা নোরো ইন্দ্র থরা হনবনা উনবী কাকহৌনা লাইরেন থারোল মতাইকাংনা রাহমলকএ। তায়ম শিংও, নথোইদি লানশোক অরা চংলরিভৈনে। থুডাই মরাং কাইনা অরা পোথা ভমও। ছত্রজিৎ মাগুথবু হাঙ্গীদবসুং তখেল মনিংথো মাহাকপু থাংলেন থুংনা কংনা য়াননগে হাঙ্গীনা নোংহামলিবা নোংথৌরেননে, হে তয়মশিংও। হয়েং কৌবা মনোং শোইরবগা লাইরেন ঐগী হৈনা ইতুং ইন, সমাই মৈরাইরকপা যেনপোন চারা ইথোং শোম্বশিংগা থোংনা মাইয়োক য়ানা শেরুরুগে হাঙ্গীএ। তুবি সা ময়াথংবু কুকিল খোনদাননা অসুম পাও মেররবগা মদাইরেম অহিং লিকনা থাং নোংথিন মৈশা লাংনা থোংন মাইয়োক য়ানা থাংলেন থুং কংননা শোকনরম্বাশিংনা চাংজো চেপ্পা লোননা নমু মীয়ামতুনা রাহমলকএ। হে লাইবেন কোরৌ ইনোংমা লিকলাই তাইবং শোরারেলও নদাইরেম ইথোইস্থ অরা হইয়াং শোনত্রিএ। থোংনাং মনিন নাইবা তখেল তানাদববু থাংলেন থুংনা কংনা য়ানাখিগে। তয়ুম ইথোইসুং খোইমা ইমাই ওল্লোইএ হাঙ্গীনা মাদোম মাদোম থৌদোংলবদা মৈদেঙুসু উনবী ময়াংকাইনা চিনবান, কাং, মৈখু, কায়চু শাইনা মুডাইরে। হাইদব্রা?

অসুমনা লাইরেন সু তেঙ্গোল লেন পনজাও পনগোই নিংথিবা পনবান পনদোন থক্তা থাম্বী মৈপুং চাওনা তৌ। হুইশা লমওন মথলতৈ, তেঙ্গোল মনিন নাইনা নোংহামলে হাঙ্গীএ। হয়েং কৌবা চিংগা নোংঙালনা ইত্থুং কৌবা শোইরকপা লাইরেন মৈদিংঙুদ সা হকচাং লেনদা শংদিং লাইরেথেম পুন্থুং লানপোং মতান নাই, রাংকম ফুরি খোল শরি নামৈরেপ,

কবাক থাংলোন কোনবা থাং, খুয়েক, তৈরা, য়েন্নৈ, মৈয়াববু থাংলেন খুৎতনু স্না শচুপাং মত্তান নাইনা হেন পোইপা চুংবু শন্না লোইদাম অমা নিনবাগুম্বা মকোই কাবা চুংবু লমদা হুন, নিংথৌ শামগ্রী মশিংতুনা অলঙ্কার লৈতেংলবদা নিংথৌয়েন বৈষ্ণব থোংনাং ময়াম্বদি স্না লোলাই লেংজা থক্তা চিংত্, নোংথৌ শন্নায়েনগুম লাইয়েন নোংশা মথি নাইনা হুয়েন লান চংথিয়ে হাঙ্গীএ। তুবি লাজোই মখুনেৎ রাজবল্লভ লুরাংববু স্না শাকেৎ মত্তান নাই। পুংজাও, পেরে, মোইবুং, শিঙ্গা, থোপথি, রাকতোন, হিওই, য়াই, ওইরিবা থিবিকপু শব্দ মখোলজেন মনিন নাইনা কৌয়ৌ নোংখোংগুমলে। তথেল তাদবু য়াল্লো হাঙ্গীনা পোইহৈরে মন্নাংহৌ হরি মিংলন শোলনা হুয়েন লানদাথিববু ময়ুম থোংনাং মনিন নাইবদি স্বর্গদেব নোংনাং মন্নামপা চিং নোংথৌ শোরারেগুম্বগী হুয়েন লানলাওখোন অচৌববু তান্নবগী তথেল লানমী পুন্নমক্তি অহিং ইন্নুং শোই রাইমদা রারা তুগুপচুং শিরেল থাবু থংনা নিংখলনথিএ। পোইহৈরে লানমী পুন্নমকনা হুয়েন লানশোকনবস্থ খাস্থী মৈশা লাংবগুম য়াঙমদে। তথেল লানমী অথৌবা পোইহৈরে মখুবাক্তা য়ামনা শিরে। নয়ুম পোইহৈরে মনিংথৌনা চিংনা হুয়েন লান হৌয়কপা অসিদি থোংনাং পুন্না লোই। তথেল হৈনা চেপহৈরভৈনে, থোংনাং তথেল মী পুন্নমকতবু হনথিহল্লোই হাঙ্গীবা অত্ত য়োএদনা থোকলকভৈনে। হুয়েন লান চেল্লদে হাঙ্গীনা রাহমনরবগী তেজোল লানবু তেংনা হুয়েন লানজেন ভমথিরে। থোংনাং হুপচেননা তথেল হাঞ্জেনরবগী থোংনাং চামার মক্তুরিৎ খেল্লা থাংনপক্তি থোংনাং কোকশেৎ লমত্তান কিবু শাইবা মচিন তুম্বনা পল লৌবা খোইফুম্বা শাবনা শেকাৎ লৌবদি বসন্ত শিংলেন লৈপান থাদা লৈন্নাং লমত্তাং নাইবা তুগুম্ববু পামেন উতোন ওান্না য়ৌরে। কেগে থাংজিং লাইমক্ক য়োইরাং চশায়েন অথোইবা মহৌজানগী চেংলৌ মিৎয়েং ময়হল্লবগী মরমগা ভূত লাই তমথিবা যোগিনীনমু মীশা চাবনা শায়েন—শাচানা লাংজা উকৈ ভোংবনস্থ পোম্বী চাকমৌনরৌএ। হুয়েন লানমী কিদি তথেল পঞ্চম রাই অথৌবা থোলদা থাংনপনা স্না কুন্দর নাঙ্গীননববু কাইনহল্লে।

ভাইদে, লৌকোন মুংগী য়ামজঙ্গো য়াইওইবা ৩০ মানচিং নোংমৈ চহুম লোক লৌএ। খুয়োল য়াদৌ নমহুংশিগী থোংনাং যাদৌ লমহুংশিগী থোংনাং থাংলেন মথুংস্থু কবাকপং মথুংস্থু, কয়াক থাংতোন কোনবা খুহুম চয়ানপবু থাংলেন চুম্বুন ২০০ লেখলৌএ। থোংনাং যশ নায়ন তখেল য়াগৎপবু হেনৌএ। কেগে লমাং চাওবাগী বীরভুম নায়ন অথোববু কারৌএ। লাইকা লনহুংশিগী লেলঙ্কি নাহুংলম কবুং ইথিং শয়েংচিংগী লক্ষ্মী নায়ন লথোবা ওক্লেন তোমচং কাওববু লুখক কাদৈথি থৌনাও নেংথেং লৌলুয়েএ। লমলেন লেকপাপি কেকে ইয়াং ফুমগী চুঙ্গোই লিশিং ২০০ থোনলৌএ। খুয়োল খুপীতেক নায়ায়নগী থোংনাং মথেম য়া হাইনা তখেল লানজিংবা অথোববু কইনা লনলৌএ। কেকে খুহুংপোক মোইবা খুনাং য়েনগী লাইবী কুইথাং লানাচবা লনচাং ভারমচিংববু কারৌএ। কেগে চিংদৈবা কায়ন মাইথাং থৈয়া তানয়মকী, লোইমু চিনাই হংনাইপা তখেল লিকং মথুংস্থু লাশ লোমলৌএ। থোইনাই উয়ুম লোক ওয়ইখা পুংগী তেলোনলৈ লিনিং খামলৌএ। মোইয়াং লৌয়েম্বা কেগে মরোং লৌগী কির্ত্তি নানা য়াওবা তেলদৈববু কারৌএ। লিজো কাকতাইং বীর্য্য সংহল অথোববু হেরৌএ। থোংস্থু নায়মাচংগী তখেল লোলাই ১৫ লোকলৌএ। কেগে মথেম লোকী থোংনাং মৈকনবা ব্রজনায়ন অথোববু হেরৌএ। কেগে ফুয়েন লুগী থাংলেন মণিপুরবু লৌ লাক্লৌএ। লমলেন লাইজম কোপকী নোংচুপ কোংয়াং অথোববু কারৌএ। লমলেন খায়োংয়াম লোককী তখেল লাংখা পুংথেববু কারৌএ। লোকনৌ অচনবদগী লোই য়াঙ্গোনচা হুয়েন ফুঙ্গায়েন লথোববু কাইনা হল্লৌএ। লোনাং তখেল লনগী তয়েং শেনবুং লাক্লৌএ। লমলেন ওয়াবুং লোকপী খৈলাইবী মুংকাচা হুয়েন লেনবী য়াং-য়া অথোববু কাইনা হল্লৌএ। খুহুন নৈরেনবা মফমগী লোইবী তখেল লানাজিংবা মুংথন লাইবা অথোববু কারৌএ। লমলেন তয়ালোককী থোংনাং কাবনা অথোববু মাপুঙ্গা য়েললবু হৈরৌএ। কাঙ্গোই চিংথাবমগী লোলোন নোংমৈ কাপপা চপা লানাজাববু হৈরৌএ। ঠাকুপ খানিংলোম্বা চিংগী

লোইবী থংগা চেপচা হুয়েন চিংকাপ অথৌববু কারৌএ। নিংথোন মাওরী রৌগী থোংমোং খেত্রা থাংনকপি পুন্নুং করাংজিবু ১টৈ ফিবুন শানা থোমলৌএ। লমলেন উত্তাথোকী শারি নাটৈ থাবু ১০ থামলৌএ। পুরুষ তাবী লোকী অথেল মায়নিং খিতাইনবু ইেরৌএ। রাশিথোক রাজ পুংগী অথেল লোলাই তোনা হুয়েন লানজিবা [illegible] অথৌববু [illegible] হৌরৌএ। হাঙ্গৈনরা?

তুমি মল্লার মলোমন [illegible] [illegible] [illegible] ওনবু লোংলৌরেন [illegible] রাইর [illegible] [illegible] অথেল [illegible] [illegible] [illegible] লোংলারৌ স্না পুং[illegible] লৈ. [illegible] [illegible] হুয়েন [illegible] কাইনা [illegible] তৌনা লৌএ। [illegible] [illegible] [illegible] অথেল [illegible] [illegible] [illegible] মরৈশী[illegible] হনগ্রাইংলে হাঙ্গিয় লোইটৈ [illegible] [illegible] [illegible] মৈমেন্তুবু [illegible] [illegible] হৈরো. অস্থ। খুদিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোংপা লেন উটৈ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] রাখা [illegible] [illegible] থুংথা [illegible] [illegible]। মধু লাই [illegible] [illegible] [illegible] লাইপু লবগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অথেল চোইনা তারবহু. [illegible] মথে ফংলৌবগী [illegible] [illegible] [illegible] খোংবাং মপ্রাপ্ত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। অথেল [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] তানা উথেল মথৈ ফংহু। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাঙ্গৈনা [illegible] সর্ব্বানন্দ [illegible] হকবানা হাঙ্গৈ। [illegible] মৈমেন্তু [illegible] মন্ত্রাপ্ত! হুয়েন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চেনখ্রে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible], [illegible], [illegible] হুয়েন [illegible] থিবিকপু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোইটৈ [illegible] পুমনকপু [illegible] [illegible] মল্লাংলগী থোৱাবলনা রাঙন

য়াথং কোদাইরোনবা পুম্নমকপু পাঙ্গল মতিক য়েংনবা মথৌ থম্না য়োইবু মশানৌ যাখোইরোল শেনবি পাঙ্গা ঙমবীনা য়াবা পুংজাওখল লাংজল পুলিতুনা খেমজিনলকপা চরৈ নিংথৌ কী কাইবা শিংলাংপাল পুহুংলম ঙানবু মদাইরেম পোইরৌ লানমী অথৌবা লানকম থোইমা লৈতবাশিংদা থৌজান-খিয়ে। থুংনা ললখাইরে। (হাঙ্গৈদবরা)

লাইরেন মৈদিংঙুনা ইদাইবেম অপোং শরোং খাইবা থোংলেন রাংখৈ-য়াকপা নংদি রাইবা শাথোং অরুববু থংলকলবা হুয়েন লানথোং অচৌববু উরকলবনে। থোংনাং মতৌ কয়স্বনো ? য়েংলকও। তখেল মরোং চৈজে-নবা লিংলৌয়াইদা তাদনা তরা চাথকলববু খিবিকপু তরা চাক পিজা চরৈ কী পিনা তখেল মরৈবাক হনরাইহখিও। থোংনাং ঙাই নোংশাং তখেল ইঙাইরেন চায়বনে। অসিরাবু হাঙ্গৈরগা লাইরেন মৈদিংঙুদি হনরাইরে। সেনফাং পুংজাও খিল্লে মোইবুং পেরে খোংলে, কংলা রাই থুংলরে। চেকশা, চক্রপানি, তনবা মীখাই খন্দা তখেল লান ঙম্বদি মাননি হাঙ্গৈনা নিংথৌনা থৌজাল্লে। রাবা মতিক চানা মচা মুপী তম্ফাদা ময়াং ফুগা ১০০ নে, মৈতৈ ফুগা .০০ নে পিত্থনা চেকশাগীদা খিনথরে। মতুং খরা লৈরগা নিংথৌ মচা মুপী লমহেল্লি হাঙ্গৈনা শাওনা চেকশানা তা হুন্দুনা মচা ইবেম্মা তম্ফা স্নাগী কনেক কী পান্দা পাল্লি। মশাদি শোক্তে, অহুদা তম্ফা স্নানা মহারাজদা রাকৎলি। নিংথৌনা শাওহুনা চেকশা নোংথোম্বা কৌহুনা হংঙি। করিনা মুপীদা ঙানা হুনবগে ? চেকশানা খুম্মি, হে ইনিংথৌ ! মচা ইবেম্মাবু ঙানা খিনগে হাঙ্গৈরবদি করিগী ফনেক কী পান্দা খিনগনি। নিংথৌ মচা মুপী লৌরবদি অম্বমনা রারকনি হাঙ্গৈনা খংনৈএ। হাঙ্গৈরবদা নিংথৌনা রাখল তৌবদা চুম্মে খনখিএ। তম্ফা স্না পিত্থনা লৈখিএ। উনখিবা মীহু মখৈ হিদেল কোম মপান্দা থুল তাহনখি। থুল অহুগী মমিংদি কৈনৌ কৌএ, ময়া কৈনৌ কৌএ। অসিগী মতুংদা ঙাংবা সগোল মকোকনা নাম কংঙি, শুভ্র মচাদগী। অহুগী মতুংদা মচা ইবুঙো অমা পো-কই। স্নাংল কৌএ। নিংথৌনা য়ামনা চাল্লি, খরা লৈরগা কালেন থাগী

সুমিৎ য়ুংবদা থংহৌদে, মাংথ্রে। থৌগল্লা হাঙী, ননাই ঐখোই থংদে, মাংথ্রে, নিংথৌদা হক্লংলে। নিংথৌসুং মহারাণীসুং হ্বারে, লৈবাকসু হ্বারে, কৈদা মাংখনো হংবদা য়ুমজাওগী মমাংদা শাম্নবদা মাংথিবনে হাঙীনা খুম্মি। রাম-নগ্রহুনা নিংথৌনা মাসি করম্না থংগনি হাঙীবদা প্রজানা শ্রীযুক্ত মহারজদা তাংজ মরুলুক খুৎকাং ১০ লোম্না হক্লংলে। লাই তাইবং থাইবাংদা লাই কারবদি থংগনি। অসি হ্বাবু তাবদা নিংথৌ স্না য়াথং, নিংথৌ সেনবা চং-তুনা মাইবি কৌখংলে। মাইবিনা হাঙী, হে ইনিংথৌও। কপি হ্বারম লৈবগে? নিংথৌ স্না য়াথং হাঙী, তোকই নংনা লাই কৌও। ইচা স্নাহল মকম থং-নরে হাঙীরবদা লাই কাপোৎ লাংতুনা লাই কারে। মাইবীনা লাইমাং কমবদা কাওই। লাই নিংথৌ স্না মহিনা মীগী মশক ওইনা পোক্কে নিংতুনা মমা থোকতা নোংবা লোই (অঙৌবা চমুদা) মুংশিং নোংমৈ ওইনা তাক্কি-নথ্রে, নাওবুরে, থাশিং কুমশি শুরদনা তাইবং কাওরে। মশানা লাইনিনা মীগা লৈমিন্নো হাঙীবা তম্বগী নিংথৌ খাগেম্বগী হাক্তক্তা লাংগোন লুখোইনা চাকমাং পিজতুনা মী ওইতুনা লমদেংদা লৈরিবি অতুবু মাগী মপোক শুরে, অসিনা লাই ওইহনথ্রগে হাঙীতুনা লমদেংদা খাগেম্বা মাইবী কৌতুনা লৈরি-বিবু লাংগোন লুখোইনা খাগেম্বগী দলক মতু ওইতুনা লাই ওইখিবা তমদতুনা মাইবীবু মপোক ওইহল্লগে হাঙীদনা কালেন থাগী সুমিৎ য়ুংবদা য়ুমজাওগী মনাংদা শাম্নবদা স্নাহনগী থৌগন তৌবা মীয়াম থংহৌদমা কৈক্রক মমুংদা মশক উহন্দনা চংথ্রে, থংহৌদনা মাংথ্রে, থৌগনবনা লাউই। থংহৌদনা মাংথ্রে হাঙীবদা কোম্নুং থনবা য়োইবু য়োইহেন নিংথৌনাচিংবা মমা ইবেম্মানা-চিংবা তাউও, নচা ইবুঙোবু হনজিনথ্রে হাঙীরবদা নিংথৌসু থোকলে, কোম্নুং থনবা য়োইবু য়োইহেন পুম্না থোকলে, য়াম্না কপ্পরে, মাংখিবা মফম অতুদা য়েংতুনা অওম্বা ইবৈ চম্লে, লৈপাক্তা য়োন্দুনা কপলে। সুমিৎ হুমনী শুনা চাবা থকপা তৌদরে, তুম্বা হিপপা তৌদনা মাংবা তমদবনিনা লৈপাক্তি অসুম্না তৌরিয়ে। স্নাহনদি লমদেংদা চংখিতুনা মবেল মাইবী থাগিদা হাঙীরুএ। ঐদি নিংথৌগী মচানে, ইমিং সনাহল কৌয়ে। ইবেল ঐ

লাকরে, ঈবাঙ্গা কুমৈ তৌদে হাঈরে মাইবী খাগীন্সুং মা মহিনে হাঈবা থংএ, সনা মাকমন্সুং খোংজাক কৈমাবে থংএ। অনিমক্তি কুন্নাইনা কৈরে, হে নিংথৌ ঙসা ঈমবাদি নপেল খাগী মাইবীগী থুমদা কৈএ, নিংথৌনা লাও থুনা। ঈচা মাংখিবা কুমিং অদুম ওরে। চাদ থকুনা কৈবা ইবেম্না মচা লাকলে হাঈবনবাদি কবিগীনো? ঈচা পুন্থনা থুনা য়ানা কারকও হাঈরকও হাঈনা নিংথৌ সংসাবে, লাও মচাবে দোলাই পাবনে চংখিবদা খুল্লুরে। খাগী মাইবীনা কম্রিগীনো হাংভি। মীয়ামনা খুম্মি, নিংথৌগী মচাবু সিদা কৈএ হাঈগা তারে। নিংথৌ মচা মাংপ্রে হাঈবা কৈবাক নিল্লবদা ঈপি নংনা তাকুবদি নিথৌ এরবু কীদনা? ঈচা পুন্থনা থুনা য়াংনা কারকও হাঈরকএ। অদু তাবনদা মাইবী খাগীনা য়ামনা লাওরে। নিংথৌগী মচাবু এরনা কৌজবরা? লাই মশেন ওইবগী লাকপনে নথোইগী থংভি-রোই, মীয়াম তুমিন লরে। অতগী মতুংদা হাঈ, নথোংন নিংথৌগা উলৌ হাঈরবাদি নিংথৌগী দোলাই তোংদুনা কাগে কিংথৌদা ঙ ঈরুও, শংলেন ৪ মক্কা দোলাই লেওসংলো, চিংজন্দগী মু-জাও এরবা ঈশৈ শকললো; পেনা ১০০ খোংহল্লা, বাশি ১০০ খোংহল্লা, মাইলনা শৃংক ১০০ খিংহল্লো, মোইবুং ১০ খোংহল্লো, সেনদুং ১০০ ঢৈগল্লো অম্লোং খরাই খোংজিন থুনদা লফু, চু থাগল্লো, নিংথৌগী নোংম কাপশল্লো, দোলাই তোংবদা অমুক কাপও। থুংবদা অমুক কাপও নিংথৌদি তায়েব মমা না ঈরুজরগা (মুমজাওগী কার-লদা ঈরুরগা) মুওজাওগী কারন্দা শগাই মথোল ৭ শারগ ফকলোং ৭ থল্লো, ফীরোল ৭ থল্লো। কারোল ৭ থল্লো শগাইগী চিথেক ৪ মক্কা থাংমৈ ৪ থাল্লো, ইরুক অখম পাং ৪ থাও। শাঈতিবা অসি তৌরগা নিংথৌ মচা পুকনা লাকে ঈরবদা মীয়াম হনগ্রে নিংথৌদা রাবন পুমমক ওম্মুরে নিংথৌগা য়াংনা পৌরম পুমমক তৌরে। পোংলম পুমনমক পুন্থনা খাগী মাইবীগী মথুমদা থুংলে থাগীন্সুং কীপেং কৈজোম্মে, দোলাই মথক্তা তোংলে, শংলেন ৪ মকনা দোলাই লেংওইরে, ঈশৈ শকলে খোংলে, লাওরে, হৈরে, খিংলে। অদুগ তৌনা লাকএ, নিংথৌসুং ঈরুরগা কীডৌ লেংজুনা

শগাইদা কাথংলে। মমানাচিং য়োইবু য়োইহেন পুমনা তিল্লে। মাইবী খাগীস্থং কাথংলকএ। য়ুমজাও মমৈদা দোলাই থারে, মীয়ামনা মহৈ মহৈ ভাংনৈ, খাগী মাইবী কারকএ। সনাহনদি কারকতে, মাইবীস্থং শগাই মথক্তা নিংথৌগা মাইবীগা কমলরে। নিংথৌনা মবেল মাইবী য়েংহনা হাঙ্গী। ইচা সনাহনদি কদাইনো হাঙ্গীনা হংলবদা মবেল্লা খুম্মি, নচাদি ঐগী নাক্তা লৈএ, লাইনিনা উদবনি। নিংথৌ নংগী মিংসেল মখোং নাইবা অহুবু পুরকও। থাংমৈ ১০৮ থাল্লো; নচাবু মিংসেল মহুংদা উগনি হাঙ্গীরবদা মিংসেল য়েংলে। খাগী মাইবীনা হাঙ্গী, মিংসেলগী মহুংদা য়েংহনা. হে সনাহলও! নিংথৌবু উহল্লো, নশাবু উহল্লো হাঙ্গীরবদা মিংসেলগী মহুংদা চোংথোক্লকএ। খাগীনা হাঙ্গী, হে নিংথৌও! মিংসেলগী মহুংদা নচা য়েংও হাঙ্গীরবদা নিংথৌ মহারাণী অনিমক্ত য়েংবদা মিংসেলগী মহুংদা লেপতুনা লৈবা উরে। খাগীনা হাঙ্গী, হে নিংথৌও! নচাবু মী ওইনদি উহৈদরে। লাইগী মশক ওইনা উবসি মঙাইরে। মমানা হাঙ্গী, ইবুঙো সনাহল নংবু ইমানা করম খোমলাং মাইয়োক্লসিবা! করম য়াদরবনো কল্লকএ। য়োইবু য়োইহেন পুন্নমকস্থং কপলে, সনাহলদি মমা মপা উহনলমলগা মাংথোকখ্রে। মাইবীনা হাঙ্গীরে, ঐদি তাইবংপানবদি নত্তে, খোইয়ুম লাইনি। শিবা, তিবা নাংদমলিবা ঐনে। লাংগোন লুখোইনা ঐবু কাহনা মাগী হুপী ওইহনখিএ। অহুনা লাই ওইখিবা ভমদবনি। নচা সনাহলগা শমনবদা ঐগী অমা বা কোকলে। খুল্লাই তোংকোনবানে লৈম্মেন কম্বাল বানে। শংনম লাংবুম বানে চিনাইবনে অসি খিবিকপু শগাই মথক্তা শিন্নরমলগা হাঙ্গী। হে নিংথৌও! য়ুমজাও লৈমা ওইখ্রগে। য়ুময়াং কাংতোকও হাঙ্গীহনা য়ুময়াং কাংতোকলগা মাংখ্রে। মাইবীনা লাই কাবদা কাওরকপা লাক্ত অহুনি। মীয়াম শংলেন মরিমকনা পুরকই হাঙ্গীবগী দোলাই অহু মামং মীয়াম্বা কৌখিএ। অহুদা কাপপা নোংমৈলো কোনয়ান কোনদাখি কৌএ। মাখোই মঙা অসি লোক্তাক্তা লৈএ।

অসিগী মতুংদা শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজগী মচা ইবুঙো। ১ শ্রীযুক্ত শ্যাম

শাইনে। ২ শ্রীযুক্ত চিংশাইনে। ৩ শ্রীযুক্ত ভরশাইনে। ৪ শ্রীযুক্ত অনন্ত শাইনে। ৫ শ্রীযুক্ত ম্লাইলনে। ৬ শ্রীযুক্ত তোলেন তোম্বানে অসি থিবিক পোকলে। ঙ্গঙা থাদা লোক্লৌবুং মপানগী থিংঙেল তৌফাৎলে। শজিবু থা ৮ নি পানবদা মিম্লুথোং তেকই, থোংগী উ, য়ানা ঈশিংগা লোই-ননা চেনশিললক্লুনা লাইগী থোং তেকই। সনলাই তরেৎমক চাকচা ফজনবা পুম্নমক য়েত্থনা পুন্দুনা দণ্ডি তৌএ। খুঙ্গলকতা ওক লোইবা দণ্ডি তৌই, ইবুঙো মুরারি শি, মতু অনিমক অম্নমৃতা ওইহুনা শি। শ্রীবামন কৌইরম-বর মীশ্রগী থারা মহৈ হৈনবা পাঞ্জি তম্মি, হৈরে। অতুদা শ্রীযুক্ত গরিবনি-রাজদা শ্রীসান্তিদাসনা হাঙ্গী, পাঞ্জি তম্বা ওকএ, ব্রাহ্মনগী লাইরিক হৈহৌর-রোই হাঙ্গীহুনা খামহুনা বামনগী হৌনবা লাইরিক তম্মি।

১৬৫১ শকাব্দদা ইশৈ পালা কোকয়েৎ য়েৎতুনা শকপা হৌএ। লাই-রিক পেনা শকপা তাবা হৌই, হিয়াঙ্গৈ পুর্ণিমা য়ুমশকৈশদা লিম্লোংদা ইরুজয়গা নোগুম্নাচিংবগী হৌনবা গৌড়িয়া লোইনা তম্মি। নাম ফৌ নাবদা খাগী রোং পোৎ অহুম পুরকএ।

১৬৫২ শকাব্দদা শজিবু থাদা ৩নি পানবা শগোলশেন মুমিৎতো ব্রাহ্ম-ন ৭ না শ্রীজগন্নাথগী ক্ষেচি পুরকই। মহারাজাদা পি, পোইম্ন ৭ নি পান-বদা অয়ুক কৈথেন কাম্বা তৌখিএ, থাঙ্গা মুমিৎনে। কোম্নুংগী তুরেল রাকচিং থাদগী হৌহুনা লমদা থা নিনি পানবা নোংমাইজিং মুমিৎতো ফুনবা লোইএ। ১৬৫৩ শকাব্দদা শজিবু থা ২৯ নি পানবা থাংজদা রামান্দি চংপা রা কোংভি। গৌড় ধর্ম্ম খর খর স্নৌরকই।

(সনলাই ৭মক ইবা রারম হাঙ্গীরগে)

১৬৫৪ শকাব্দদা থরান থা ২৬ নি থাংজদা হাওবমচা পুথ্রমবনা চিংনা সনলাই ৭কী মরম ইবা হৌবা।

পুরালনা হাঙ্গীবা লাই শোরারেনগী মচা সুপী লাইরেম্মা হেলোই ৭, অস্থমনা মৈতৈ পুরালনা হাঙ্গী।

গোবিন্দদাস নোংথ্রংনা লাই স্না হেলোই ৭ মকনা সনলাই ৭ মক ওই হাঙ্গী।

ওঁ ঋষি হোঁ কৌএ, অশংবনা সরাং লৈশাংথেম পোকই। লাইদি শোরারেননি, মমিংদি ভিলসরেন হুসংচিঙ কৌএ। মচুদি অশংবনে, মুমিৎতি নোংমাইজিংনে থাদি শজিবুনে, পোকপা মতমদি তুউরকপনে। লৈদি লৈশং লৈথম, লাদি চংবি লাঃনে, মুংপাং অহুমদি লৈতাংদা লৈএ। পু অহন, পু য়াইমা পু অতোম্বা, অহুম অসিনে। লাইরেম্মাদি লফুবি লাই স্নানে, হামেং খোল্লে।

ওঁ ঋষি তে তে কৌএ, মেমানবনা থাব ঙানবা পোকই; লাইদি খমচিঙ কোললে, মামংদি লৈহিং চিঙ কৌএ। মচুদি মেমানবনে, মুমিৎতি নিংথৌকাবনে, থাদি ফাইরেননে, মতমদি গুমিং থোকললকপনে, লৈদি মেলৈনে, লাদি লৈহৌলানে, ঈশিংদি অহুম্মক্তি তাকুও খাদা লৈবনে। লাইরেম্মদি লাই স্না লাংকাপ্পীনে, কৈখোল্লে, ঙানবা পোকএ।

ওঁ ঋষি ঞম্ কৌএ, ইমুলৈমনা খুমন পোকএ, লাইদি য়াংবুরেললনে, মমিংদি ইমৌরেল য়াইজিম কৌএ। মচুদি—অমুবনে, মুমিৎতি লৈপাকপোকপনে, থাদি মেরা, হিয়াঙ্গৈনে, পোকপা মতমদি নোংয়াইনে, লৈদি ক্বাকলৈ লৈশং অনিমকনে, লাদি ক্বাকলানে, ঈশিং অহুম্মক্তি পুমলেন্দা লৈএ, পু অহন, পু য়াইমা, পু অতোম্বা। লাইরেম্মদি মাংরাইবি লাইস্নানে, শামু খোল্লে, খুমন পোকএ।

ওঁ ঋষি ওঙ্ কৌএ, ঈশিং অক্নবনা লুরাং পোকএ, লাইদি কৌব্রুনে, মমিংদি তিনপাক—লেন—হিং কৌএ। মচুদি হিগোক্লে মুমিৎতি য়ুমশকৈশনে, থাদি কাঙ্গেননে, লাদি লাঃ য়াইনে, ঈশিং অহুম্মক্তি লম্ফেলদা লৈএ। পু অহন পু য়াইমা পু অতোম্বা, লাইরেম্মদি লাই স্না তুংরাইবী খোইমুনে ইম্না খোল্লে লুরাং পোকএ।

ওঁ ঋষি ত্রেং কৌএ, অঙাংবনা নিংথৌ পোকএ, লাইদি থাংজিংনে, মমিংদি তিনঙাংলেন লেংয়েং-হাং চিং কৌএ, মচুদি অঙাংবনে, হুমিংতি শগোলশেননে, থাদি ইঙানে, মতমদি হুমিং মুংথনে, লৈদি থম্বাল অঙাংবনে; লাদি থমনানে, ঈশিং অহুম্বাক্তি হুমাংবা লৈএ। লাইরেম্মদি লাইম্না মৈতৈ লৈমনে, পাখংবা খোম্না। পাখংবা মাইবাক ঙিয়াল কৌবা পুরাম্না হাঙ্গৈরি; খুগং চক্তা লোনজা পাখংবনা নিংথৌ ওই। লাংবা চঙা লোম্লাং পাখংবনা নিংথৌ ওই। কোনা চক্তা লোয়েন পাখংবনা নিংথৌ ওই। গোবিন্দদাস নোঙ্গ্রলো হুমিংগী মচা পাখংবা লাইমচা পুকৈপোম্বা হাঙ্গি, মৈকৌরোন সাকোক অমাংবনা হুমাংকী মাপোইনা লৈবা নিংথৌ অপনিবা তাওয়োঙ লাইনা পুরক্লুনা লৈম্মরেন ম্নাইবী লোকা পিদুনা কোন্দুনা পাখংবা পোকএ হাঙ্গী। কনাগুম্বনা হাঙ্গি—পাখংবা খুনগুন কৌবা লাইরক্তা পাখংবা ৩৬০ ওই হাঙ্গি। মৈদিংগু পাখংবা হাঙ্গিবদি নিংথৌ হাঙ্গীবনি হাঙ্গিনা খংনৈ। কুম্বাবা পুরাম্ন হাঙ্গী, লৈম্মরেন ম্নাবিরোবনা কোন্দুনা পোকপা পাখংবদি অহিং মী, হুংদিন লাই ওই হাঙ্গী।

ওঁ ঋষি কুপ কৌএ, অতৌবনা অতোম পোকএ, লাইদি নোংপোকনে, মমিংদি তিতৌরেন কুকুপ পুরেং—হিং চিং কৌএ, মচুদি অতৌবনে, হুমিংতি ক্রৈম্রালনে, থাদি লঙ্ঙেননে, মতমদি হুমিং মুবা ঙকয়ানে, লৈদি থম্বাল অতৌবনে, লাদি থমনা লৈকোননে, ঈশিং অহুম্বাক্তি কোংবনা লৈএ। লাইরেম্মদি লৈচিকপী লাই ম্না কৌএ, লোংপুম খোম্লে, অতোম পোকএ।

ওঁ চিরোং কৌএ, অয়াংবনা মোইরাং পোকএ, লাইদি কোয়ৌ হনবনে, মমিংদি তিলনালেন কাক্রুকপা কৌএ, মচুদি অয়াংবনে, হুমিংতি থাংজনে থাদি লমথানে, মতমদি হুমিং মুথকতনে, লৈদি য়েরুমলৈলনে, লাদি থাঙজম্নানে। সম্নাই পকৌ খবান মিচাক হাঙ্গীগে। সজিকনা শরাং মৈশাংলেনগী। শজুংতেনটৈবনা খাব ঙানবা। চিংঙরোইবিনা পুমল লিকথা শাফাবনা পুরাং থবানা নিংথৌজা থাম্লাইনা অতোম পুদোম্লা মোইরাং গুরু শিদবগী পোকপা মিং য়েদেগী সরাং লৈশাংথেম দ্বারগী খাব ঙানবা। নাতোন ম্নেংতগী

খুমন, নাতোন ওইদগী লুৱাং, মিং ওইদগী নিংথৌজা, পুরুষদগী অঙোম, য়াদগী মোইৱাং। ঙাপাং হাঙ্গৈগে। শরাং লৈশাংথেমনে খাব ঙানবনে অনি অসিগী ঙাপং ঙামু, খুমনগী ঙা পাং ঙাক্রা, লুৱাংগী ঙাপাং মুকলাং, নিংথৌজাগী ঙাপাং ঙাতেন, অঙোমগী ঙাপাং খাবক, মোইৱাংগী ঙাপাং ঙা লোই।

মমাংঙৈদগী হৌতুনা নিংথৌগী মচা নিপানা নিংথৌগী মচা নুপী লৌবা হৌনৈ হাঙ্গৈ—মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ মচানা (নিপানা) খুম্লক্কী নিংঙোল লৌবসি বোব লৈতে মরমদি—সলাই ৭ মকাস নিংথৌ পানবা ঙাকনি। মাগী মাগী সলাইগী মকম অতুদা নিংথৌ ওইরম্বনি; অতুনা লৌনবদা বোব লৈতে। মৈতৈগী পুরান্না হাঙ্গৈরিবা শাগৈদি ... নি, হাঙ্গৈরিবা অংনি। পুরোন ৮ গুথ্রবা অতুগী মথা তাথথ্রবদি লৌনবা য়াবে। হাঙ্গৈরিবা অসি প্রমান অমা লে।—শ্রীব্যাস দেবনা লেংবা মহাভারত কৌবা লাইরিক্তা হাঙ্গৈরিঃ—সম্বোধন মহারাজগী শাইথিবা দ্রুপদ কৌবা নিংথৌগী মচা নুপী দ্রৌপদিবু চন্দ্র বংশদি ওইরে হাঙ্গৈরগা চন্দ্রবংশগী পাণ্ডুগী মচা নিপা যুধিষ্ঠিরনাচিংবা ৫ মক্তা পি, দ্রুপদদি মরমদি মঙ্গলিয়া গোত্রনে, মরম অসিননে। ক্ষেত্রিয়গী হৌনবা মচং অমসুং লৈরি, বসুদেবগা পোকমিনবী কুন্তিগী মচা নিপা অর্জ্জুননা বসুদেবগী মচা নুপী সুভদ্রাবু লৌই; অভিমন্যু পোকই। বসুদেবদি চন্দ্রবংশদি ওইরগা পাণ্ডবগা গোত্রসু তিন্নদে। ক্ষেত্রিয়গী মচং মরমদি—কাহুনা লৌবনে, অতুনান।

সলাই ৭ মকাস নিংথৌ পানবা ঙাকনি হাঙ্গৈবদি—নিংথৌজাগীসু পাখংবনাচিংবা নিংথৌ মথং মথং লৈরিবা আসনি। অঙোমগীসু অঙোম নিংথৌ হাঙ্গৈতুনা নিংথৌ পানলি। লুৱাংগীসু লুৱা নিংথৌ হাঙ্গৈরি। মোইৱাংগী মোইৱাং নিংথৌ হাঙ্গৈরি। সরাং লৈশাংথেমনে, খুমননে, খাব ঙানবনে অসদি নিংথৌ হাপ্তরে। মাথোই অসিগী থারাদি য়াম্না লৌরি। নিংথৌজা সলাইগী য়ুমনাক ১০৪, অঙোমগী ৪৯, খুমনগী ১০০, মোইৱাং সলাইগী ৬৫ অসিনাচিংবা সলাই ২ গী য়ুমনাক য়াম্না য়াম্না লৈরি।

শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারিকাদা পাল্লিবৈদা সপ্ত বংশ হাঙ্গৈদুনা লৈরম্মি। যদু বংশ ১ বৃষ্ণি বংশ ২ ভুজ বংশ ৩ অন্ধক বংশ ৪ কৌরব বংশ ৫ কুককুর বংশ ৬ কারস্থ বংশ ৭ অসিনি। অসি নত্তবা দেশ অমদা শাগৈ ৭ শুবা সলাই ৭ শুবা লাইরিক্তা থোইতোকনা কয়া উবা লৈতে। শাগৈ হাঙ্গৈবসি গুরুদগী মশাদগী খাইথি হাঙ্গৈদুনা শাখাই কৌবনি। পোইতাবু থিবানা অসম্বদা শাগৈ কৌথি। গুরুনগী ৭ থোকনা খাইথিবনে।

(শ্রীযুক্ত গরিবনি মহারাজগী মগুণ অমসুং মপোক)।

(কুম্পাবা পুরাম্না হাঙ্গৈ)

শ্রীযুক্ত চরাইরোংবনা তম্পাক য়ুমদা লৈরিবৈদা পোইন্থু থাগী ২২ নি পানবা থাংজা হুমিংতা মচা ইবুঙো ময়ামবা গরিবনিরাজ অসি পোকই। গরিবনি মহারাজনা চহি ৬ শুবদা মম ইবেম্মা নুংথিন চাইবী শিএ, শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজ মহারাজনা চহি ১৮ শুবদা (তম্পাক য়ুম হাঙ্গৈবদি যুবরাজ গুই-রিবৈবু হাঙ্গৈবনি) গরিবনিরাজনা সাপম চন্থু লৌগুনা নিঙোল অমা পোকই, মমিংদি সিজহন কৌই। গরিবনিরাজনা চহি ১৯ শুবদা শ্রীযুক্ত চরাইরোং-বা নিংথৌনা নোংগাখি। (শমশোক গুম্বা পুরাম্না হাঙ্গৈবদি) শ্রীযুক্ত চরাই-রোংবা মহারাজনা শমশোক গুম্মুরগা হল্লকপদা নারে। হুমনি শুবদা গরিবনিরাজ কৌশন্দুনা হাঙ্গৈ, ইবুঙো ইপাদি নারে য়াররোই শিরনি, নচল অমা অরানা মহারাণী হাপপনি হাঙ্গৈদুনা পুখিবা অদু মহারাণী হাপ্তুরে, থৈথ-রে হাঙ্গৈ, ইপানা গুমমন্দরে। ইবুঙো নংনা গুম্মুকো হাঙ্গৈ, গরিবরিরাজনা ইপা ইবুঙো রাবিন্থু ননাই ঐনা গুমজনি হাঙ্গৈদুনা থাং চিকতুনা রাশকই। চরাইরোংবনা ইবুঙো গুমজরো হাঙ্গৈনা বর পিরম্মি হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈ।

শোক চহি ১৬৩০ ইঙেন থ। ৭ নি পানবা নিংথৌকাবদা চরাইরোংবা নোংগাথ্রে, থরান থাগী ২৩ নি শানবা য়ুমশকৈশদা গরিবনিরাজ কম্বাল কাই, মপাগী বরনা অরা গুম্মি, তথেল গুম্মি মপাগী বর হাঙ্গৈবসিদি মৈতাল অয়াবগুম্মি। মপাগী গুণনা গুম্বনি, মপা হাঙ্গৈবসিগী মরমদগী ক্রুপদ নিংথৌগী

মচা ধৃষ্টদ্যুম্ননা কুরুক্ষেত্রগী লান মরাইদা দ্রোনাচার্য্য গুরুগী মওক ককই। মেংউ প্রশুরামনা মপাগী হাক্তুকগী কার্ত্তিবীর্য্যার্জ্জুনচিংবা হৈহয় বংশ পুম্নমক হাৎলি। নিক্ষত্রি ওইহল্লি। শ্রীরামচন্দ্রনা মপাগী সত্য ঙাক্নুনা বন চৎলি। ভীষ্মনা মপাগী ববনা পুন্সি চাওখৎলি। যুধিষ্ঠির মহারাজনা খির, বুদ্ধি ওইবদগী দুস্বাসনা মহারাণী দ্রৌপদিবু শম লাকুনা চিংবদা ইকাইবা পিবদা ঈশাও শাওদনা থাম্মি, ঈশাও শাওদনা লৈ, ওমগনবা মতম য়ৌরে হাঙ্গীরগা দুর্য্যোধনগী তেঙ্গোল পুম্নমক ওমনা হাৎলি, মুণ্ডাইনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লি। হন্দক গরিবনিরাজ মহারাজ অসিগী মপোক অমসুং থাসে। স্যর আইজাক নিউটন, স্যর হমফ্রে ডেভি, পাস্তুর, স্যর আইজাক পিটম্যান, গ্লাডষ্টোন, লর্ড বীকন্‌স্‌ ফিল্ড, স্বর্গীয় রামবিহারী ঘোষ, ডব্লিউ, সি, ব্যানার্জ্জি ঔপন্যাসিক রাডয়ার্ড কিপ্লং, জষ্টিস রায় দ্বারিকানাথ চক্রবর্ত্তি বহাদুর, ভূতপূর্ব্ব একাউণ্টাণ্ট জেনারেল, শ্রীযুক্ত উপেন্দ্রনাথ মজুমদার, হাঙ্গীখ্রিবা মাখোই পুম্নমক অসিগা মপোক তিন্নৈ। জন্মামসদা লাইনিং কনবদগী বিশ্বামিত্রনা ব্রাহ্মন ওইখি। উম্রিন কনবদগী সূর্য্য বংশগী ভগিরথনা গঙ্গা পুথরকই- মিৎনা উনরি। শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজনা পানবা মতম অসিদা পণ্ডিত লৌরেম্বা খোংনাং থাবানা নিংথৌসু সান্তিদাসসু অওম অথৌ পুম্নমক তিল্লিভৈদা হাঙ্গী. ঐ হিয়াং হিরেন অসি য়োংকে হাঙ্গীদুনা ময়াদা য়োংখ্রে। মথুন্দা কাইদোকএ। অদু উবদা সান্তিদাসনা হ'ঙ্গী. ঐসু তৌগে য়েংউ, হংগাম মরু উতোং অমা লৈপাক্তা হৈদোকলে। খুনু ওঙ্গীদুনা খুল্লে। খোংনাং থাবনা হৌদোং ওইদুনা লাকে তৌরে, অদু উবদা কীদুনা তোকএ, সান্তিদাসনা মহাবলিগী হিদেন্দা মাখোই মরিন চিংথোকতুনা চাম্মি। গুরু খোংনাংউদুনা তেংপাক মতুম অমা মন্ত্র শোনদুনা ঈশিংদা হুনখরে। সান্তিদাসগী মখোই মরিন্দা অদু হনজিনবা য়াদরে, শিগে তৌরে। মাদু উরবদা গুরু খোংনাং খল্লি। শিবমক্তি শিহল্লোই হাঙ্গীদুনা রারম অরুবা লৈএ, মখোই মরিঙ্গ হনজিলহল্লে। মাসিগী মতুংদা শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজনা হাঙ্গীরকই, হে গুরু শ্বামজি অখোইবা। নংগা গুরু খোংনাং থাবগা নিংথৌ ঐগা লোইননা

মখারোম চংলুশি, লম য়েংউশি, চংপদা পুবা সাদোংদি হিঃ য়িশমচাইবাবু পুন্না চংলে হাঙ্গইদুনা নৈবাক মীয়ামগা লোইননা চংশে হাঙ্গনা চংলি। মখারোম লাকপদা হি তোংদুনা লোক্তোক ময়াই য়ৌরে। য়িশম চাইবদা পাথংবা চংখ্রে। য়িশম চাইবদি হি পান অমিদক রাংখৎলকএ, মকোকনা ঈশিংলোম লুক্খদুনা চরাং চায়ে, মরৈ তম্লে, খামনা নিকএ। অদুদা নিংথৌনা হাঙ্গই, য়িশম চাইবা লুপকে তৌরে, হে গুরু খোংনাং থাবা খামও হাঙ্গইরবদা খোংনাং থাবনা হাঙ্গই, হে লম্বোইবা নং খাম্ও হাঙ্গই, তারবদা সান্তিদাসনা খামলম্ তেম্না তেম্না হি অদু হাইরে। সান্তিদাসনা পাং হেক পাইদুনা হিগী লুথমদা য়াম্লে। হিং য়ামলা থোকলে, য়িংনা হি অদু থিনগাইগদৌরে। গুরু খোংনাংনা হাঙ্গই, মাহাক্কী পোকহান খোংবাদা নং শোল্লু, থোংবাদা শোনবদা য়িংদি থকতে, হি নিকপদি তেকলে। নিংথৌনা হাঙ্গইএ, হে গুরু গখোইবা! নংবো য়িঃ অসি থকতল্লো হাঙ্গইরবদা মথুংতা চংপা মালানা য়ৈদুনা লোনবনু য়ি তেম্বা থোকে। অদুবু নিংথৌনা য়েংদুনা উরবদা গুরু খোংনাংবু নিংথৌনা হাঙ্গই। গুরুনা খামদ্রবদি শিগে তৌরে। ইসা ঈনা শকলবনে, খাবদিও হাঙ্গইরবদা গুরু খোংনাংনা খামলে। হে হি য়িশম থাইবা! নং তোকলো হাঙ্গইদুনা মথুংনা নরবদা য়ি শুংখৎলে, হি নিকপসুং চাননা তোকএ, হি নিকপা তোকপগী থোংবাদা কৌ পারি ৫ নিংথৌনা শিরে। কুবান রাদা থুলে, উতোং চাক তৌরে, লোইরে। চাবদি চাদবিএ, ফম্বদি নিংথৌনা ফমানন্দা ফম্মি। লম্বোইবনা নোংপোকলোন ফম্মি, গুরু খোংনাং অরাংদা ফম্মি, ফুংগা মুংতুমকুম ফম্মি, লম্বোইবগী মতুং ইনলকপা, মৈতৈ লৈবাকতা অরাবা পিগে হাঙ্গইদুনা নোংচুপলোমদগী পাইরকপা খাজনু কৈথেনগী মপা য়ৌরে। পাইবদি নোংখক্তা পাইএ, কৈথেন কাংনরে, মাগী মাগী মপোং লৌনবা ওমনরে, মহৈ মহৈ চেম্নরে। গুরু খোংনাং পাবনা মাদু উদুনা ফমংনা লৈরমবদগী ইমা হাঙ্গনা লাওনা খংলে। অদুদগী থাংজ ৭ মক কংলা মপা য়ৌরে, কংলা মপা মৈ হৌরে, কংলাদগী মৈ হৌবনা নোংচুপনে, নোংপোকনে, অরাংনে, কোয়ুংগী ঈনা

কুপ্পা য়ুম মখৈ তুমনা চাৎলে। গুরু খোংনাংদি কমলম্বদগী লৈবাক্তা মকো-কনা য়ুংনা লাওতুনা থংলে। লৈবাক্তা চেগাই লৈরমতুনা গুরুগী লাইপাক্তা শোক্তুনা য়ি থামনা থোকলে। লৈপাক্তা গুরুগী য়ি তাহৈদে হাঙ্গৈতুনা মাগী সেনপাক্তা তাহল্লি। য়ি থক্লে অতুদা সাত্তিদাসনা হাঙ্গৈ, ঐহাকনে, নিংথৌনে লৈরবদা নংনা লাওতুনা থংবদি কল্লিগীনো হাঙ্গৈরবদা গুরু খোংনাং থাবানা হাঙ্গৈ। হে নিংথৌও! নংগী কংলা মৈচাকলে, কোম্নুংদা লৈরিবা য়ুমগী মখৈ মৈনা চাকলে। ঐম্ভু মৈ কনবা য়াওরুএ, মৈনা ঐবু খর ফংলে, অতুনা ঐনা থংবনে হাঙ্গৈরবদা সাত্তিদাসনা হাঙ্গৈ, ঐকুম্বা লৈরিঙৈদা নংগুম্বা অঙাং মচা-নবু থংত্র হাঙ্গৈরবদা গুরু খোংনাং থাবনা হাঙ্গৈ। ঐবু নংনা অঙাংনে হাঙ্গৈ-বদি নংদি চহি কয়া গুরে হাঙ্গৈরবদা লমবোইবনা হাঙ্গৈ, ঐদি লঙ্কা মৈ থাবদা ক্ষীরাল পুবাওয়ে হাঙ্গৈনা খুম্মে। অতু তারবদা গুরু খোংনাং থাবনা হাঙ্গৈএ। নংগী লৈবাকপু ঐগী লৈবাককী লাই দেবীনা চাবদা তুমগে তৌরতুনা! ইরাৎ পূজা তৌবদা হেন্না হেন্না তুমশিল্লকলবদা মৈতৈ লৈবাককী পণ্ডিত কৌরুরো হাঙ্গৈতুনা ঐবু কৌরতুনা ঐনা চৎপদা ইরাৎ পূজা তৌবিরে, ফরে, নমানা নংবু পোকতুনা লৈরমবদা নমানা ঐবু নমিং থোলবিরম্মু হাঙ্গৈতুনা সাত্তিদাস কৌবসি ঐনানি। ঐদি অতুঙৈগীদগী অসি নঙাইনা লৈরিবনে। লঙ্কা নাবদি নং অঙাং মচানা করম তৌনি হাঙ্গৈরবদা নিংথৌনা হাঙ্গৈএ। গুরু অনিমকনা হাঙ্গৈনবা অসিবু ঐখোইদি থংদে, অসিনা চুমএ, অসিনা চুমদে হাঙ্গৈবা থংদে। কৈথেননা কাইরম্বা কংলানা মৈচাকলমলবদি ঐখোইগী গুরুনা চুমলে, কংলানা মৈ চাকলমত্রবদি লম্বোইবনা চুমলে হাঙ্গৈনরে। নিং-থৌগী মতুং ইনবা মীয়ামনস্তুং নিংথৌনা হাইবা চুমলে হাঙ্গৈনরে। উতোং চাক চাবস্তুং লোইরে, নিংথৌনাচিংবা লৈপাক চাবস্তুং লোইরে। চাব মী থরদি লোইদ্রিঙৈদা কোম্নুংদগী সগোল তোংবা চেনথয়কলে। ফুবালরা য়ৌরে, সগোল তোংবস্তুং ফুবালরা য়ৌরে। নিংথৌস্তুং চাবা লোইতুনা কমলে, থর লৈরগা শগোল তোংবা পাও লাকতুনা নিংথৌদা পাও তমলে, হে নিংথৌও। তাবিয়ু—অহানবদা কৈথেল কাইরে, চুম্মা কাইবা নত্তে, মানা

মানা পুবা পোৎ অচু কৌশিনবা কাওনা ওমহৌদনা লৈরিএ, অচুদগী কংলা-দা মৈ হৌরে, য়ুমগী মথৈ তুমনা চাকলে, য়োইবু য়োইক্তেন পুমনমক কাই নরে হাঈনা পাও তমলরবদা গুরু খোংনাং থাবনা হাঈয়ে, এখোই লৈপাক অসিবু লম্বোইবা অসিগী মতুং ইন্নরুপা থাংজা তরেৎ ৭ লাকলে, অসিনা থাকপনে, নিংথৌসুং হিদা তোংএ, লৈপাক মীয়ামদি হিদা খর চৎলে, থোংনা খর চৎলে। দেবীগী চিং হিয়াং থাং য়োরে, হি থাংলে। মরম অচুদগী হিয়াংথাং কৌএ। নিংথৌনাচিংনা লৈপাক পুমনা থুংলে, মী অয়াম্বদি তুমন-রমলে কংলাদি লৈপাকক্তা লোইননা চাকলমঈএ। মৈগী মনিনক্তনা কোম্লুং চংবা ওমদে, কৈথেলদা নিংথৌসুং লৈপাকসুং লৈরে, নোংওাম্লগা নিংথৌনা লম্বোইবদা হাঈএ, হে গুরু অথোইবা নংনা মৈ অসিদি মুৎপিয়ু হাঈরবদা লম্বোইবনা এনা মুৎকনি, লৈপাক নখোই রাগম্ব হাঈ, জল সন্ধ্যদা ঈশিং চাইরুবদা লৈরম্বা মকমদগী খর হেন্না হেন্না চাকখৎলকএ. সান্তিদাসসুং চেল-লকলে। অচু উববদা লৈপাকসুং নিংথৌসুং হে গুরু অথোইবা নংবু হেনবা কনা লৈবনো? মৈতৈলৈপাক অসিবু মুৎলগদনে, মৈ অসিবু মুৎপিয়ু হাঈর-বদা সান্তিদাস গুরুনা খুমএ-- এদি ওমদ্রিএ, গুরু খোংনা থাবদা গুরু নংনা মুংপিয়ু হাঈবে। গুরু খোংনা থাবনা খুমএ, গীদি মুৎহিরোইএ, লম্বোইবনা ওমদবা শেংলগা এনা মুৎকনিএ হাঈবদা লম্বোইবদা নিংথৌনা হাঈএ, মৈ অসি মুৎপিয়ু হাঈরবদা, এবু মুৎলু হাঈরবদি পন কোইনা খিংগৎলু অখিং-বগী মনুংদা মীয়াম্না ঈশিং হৈরো, লৈপাক মীয়ামনা ঈশিং হোন্দুনা পন কোইনা মনুংদা হৈরে। ঈশিংনা মৈদা হেনশিল্লগা থাও চাকপগুমনা চাকলে। মীয়াম চেন্লে, নিংথৌসুং অমম্বসু লম্বোইবসুং চেন্লে। গুরু খোংনা থাবদা নিংথৌনা হাঈএ.— গুরুনা মুৎপিদ্রবদি লৈপাক অসি মাংবা তারে। গুরুনা নিংথৌদা হাঈএ হে নিংথৌ! মিৎনা উবা মৈ অসিদি অরাইবনি। মিৎনা উদবা মৈচাক অসিবু করম থাংসিবনো! পন মনুংদা ঈশিংবু থাওনা চাক পগুম চাকলিবা অসিবু থাদোকউ হাঈদুনা কাৎতোকলে হাঈবগী কংলা ঈপোং ফাংপা কৌএ। ঈশিং কাৎপা লোইরবদা গুরু খোংনাংনা হাঈ—

হে নিংথৌ য়েংউ, লৈপাক নখোইস্থং য়েংউ চাকলিবা মৈ অসিদি অরাইবনে মিৎনা উবনে, মৈনা অরুবনিনা অত্তুদগী খোংনাং থাবনা মৈরমলোমদা চিংত্থনা ওইনা কোল্লে, য়েৎনা পাইরে, লম্পাক মঙ্গুংবা নমশিল্লে। মৈ নংদি মীনা উনা চাকপদি তৌফরোইএ, নখোই থাংজা তরেৎমক্তি মক্ষম অসিদা লৈরো হাঙ্গৈনা লৈগ্রে। মৈ নংদি লৈপাকী অরাবা ফংলাইদমনা খুদম তৌও হাঙ্গৈতুনা থমলমলে। অসিগী মতুংদা খোংবাল লাই তিনখাকনা মী চারে। অত্তুদা নিংথৌনা খোংবাল লাই তিনখাকপু হাৎপা কনানা ডমগবা হাঙ্গৈরবদা গুরু খোংনা থাবনা হাঙ্গৈ—মাসি ওম্বা মীদি কনা লৈতে। এনা হাৎকে হাঙ্গৈতুনা গুরুনা শোন্দুনা শিহল্লে। লাই অঙনা চাউবদি রাই নিপালগা খুবাকনে, শাংবদি লম নিপাল থগাইনে। মাঙবু শিরে, খোংবাল লাই হাৎপদি হিয়াংথাং তোনবানা লাই হাৎপগী মনাদি হিয়াংথাং তোম্বা কৌথৎ-তুনা নিংথৌগী মচা মুপী পীরে। লম্বোইবস্থং খোংনাং থাববু কীঙনা লৈম-চিংদা চেনখ্রে। অত্তুদগী মোইরাংখোমগী চিথেক্তা মাঙও অমা শাতুনা দেবীবু ইরাৎলৈয়ে।

অত্তুদগী নিংথৌগা সান্তিদাসগা চৎতুনা হৈপোক্তা দেবী পূজা তৌরম্মি। অত্তুদগী হল্লকলগা সান্তিদাসদি মক্ষম অমদা চৎখিএ, অত্তুগী তুংদা মহাশয় অমা থোকলক্তুনা দেবীগী মাঙবতা থুংলৈএ মীওইদি চাক চাদে, ঈশিংস্থং থকতে, মুপীগী মশক য়েংদে, অসিবু নিংথৌনা তাতুনা মাগী রা অসিবু অরো-ইবরা য়েংশি হাঙ্গৈতুনা লৈপাকনে, নিংথৌনে, মানা লৈবা মক্ষমদা লাকলে নিংথৌনা লৈপাক্তা হাঙ্গৈয়ে। মানা মুপী মশক য়েংদে হাঙ্গৈবসিবু কররম তৌবা য়েংশে। মানা পাম্নবা মুপী অফবা অমা পুশে হাঙ্গৈতুনা লৈপাক অয়াম্বদগী মোইরাংদা লৈবা মাইরেনবম লৈশাবী অমা পুনা লৈশাবী অত্তুবু মহাশয়গী মশা শোকনা থোগনহনলে, মহাশয়না হাঙ্গৈ—হে লৈশাবী নংনা এবু থোগ-নবা এ পেল্লে। এগী ইচা অমা পোকচৌও হাঙ্গৈতুনা গর্ভ পিরে। লৈশাবী মাইরেনবম চন্থ অত্তুবু মহাশয়না হাঙ্গৈ—এগী ইচাবু নঙোন্দা পিরবনি। নংনা পুরিবা নচাসে নিপানি হাঙ্গৈনা থংলো, নংনা গর্ভ পুরবদা মীনা

খংলকলবদি মহাশয়গী মচানে হাঙ্গবদি তাকউনো, মীনা হংলবদি খুরাইয়াকপগী মচানি হাঙ্গীনা খুমও। মহাশয়না হাঙ্গএ, ঐদি থা অহুমদং চংলুখিগে, ঐনা লৈবা মকম অসিদি কাইহনগনু হাঙ্গীনা থৌরম পুন্নমক তৌরমলগা চংখিরে। মানা চংখরবা মতুংদা মোইরাং চনু অহু মপুক কংবা উহনা মীয়ামনা খংলে। নংনা পুরিবা নচা অসি কনাগী মচানো হাঙ্গীনা হংলে। মানা মহাশয়গী য়াথং মতুং ইন্না খুরাইলাকপগী মচানি হাঙ্গীনা খুমই। খুরাই লাকপদা হংডি—মোইরাং চনুনা গর্ভ পুরিবা অঙাং অসিবু ইবুঙোগী মচানি হাঙ্গিরিএ, অরোইবরা হাঙ্গীনা হংডি। ঐগী ইচা নত্তে ঐদি খংদে হাঙ্গীনা খুমই. অহুগা পোক্কদৌরিবা অঙাং অসি নুপীরা নিপারা? খংদনা লৈরিয়ে। অহুদগী থর লৈরগা অঙাং নিপা অমা পোকএ, মোইরাংদা মমাগা লোইনদনা থমথ্রে।

গরিবনিবাজনা অব্রাবা খর ফংবা মরম।

মরমদিঃ— (সান্তিদাসগী য়াথং ইন্দুনা লাইরিক মৈ থাইএ)।

১। তাওয়োইনাই য়াংবী ২। পাথংবা য়াংবী ৩। তাউরোইনাই পিচা ৪। পাথংবা নাওয়োম ৫। স্না মহি নাউয়োম ৬। স্না মহি লমহিং ৭। স্না মহি লাইহুই ৮। পাথংবা লাইহুই ৯। স্নামহি লাইখনলোন ১০। লৈথক লৈখারোন ১১। লৈখা নোংখারোন ১২। লৈচিন লোনয়ুম্বি ১৩। নোংলোন য়ুম্বি ১৪। নোংলোন লাইজম ১৫। নোংলোনক্রাথোং ১৬। নোংদোন লাংবুম ১৭। নোংলোন লৈচিনলোন ১৮। লৈরোন য়ুমচেৎপা ১৯। লৈচিনলোন নাউয়োম ২০। লৈমদা হাউবা লৈচিনলোন ২১। পাতাল লাংবুম ২২। থিরেল সাকোক ২৩। থিরেল শিংকাপ ২৪। খুমুংশিংকাপ ২৫। থিরেন মৈরম লিবা ২৬। থিরেল লাইয়াং

২৭। থিরেল লাইজম ২৮। থিরেল চেপ্পী ২৯। থিরেল থিরোংবী ৩০। থিরেন ক্রাথোং ৩১। লৈশাংখোং থিরেন ৩২। য়ুম্বী থিরেল ৩৩। নোংমাইজিং থিরেল ৩৪। হৈবোপ থিরেল ৩৫। লাঙ্গোন থিরেন ৩৬। কৌব্রু লাইথৈ ৩৭। থাংজিং লাইথৈ ৩৮। চিংথৈ শেকনিং ৩৯। চিঙা লালথৈ ৪০। লল্লাম্বু লানথৈ ৪১। ৱাংমরেন শেকনিং ৪২। মুংলোন লম্বুবা ৪৩। নোকলোল য়ুম্বী ৪৪। মুংলোনথ্রা ৪৫। মুংলোন লাইজম ৪৬। মুংলোন য়াংবী ৪৭। শগোক লাইজম ৪৮। চান্দামহৌ ৪৯। খোইমহৌ ৫০। মহৌ লাংবম ৫১। মহৌ চাংত্রা খেল ৫২। মহৌ শেকনিং ৫৩। মহৌ কাফী শাকোক ৫৪। মহৌ লাংবুখেল ৫৫। তাথোক মহৌ ৫৬। লেমথোক মহৌ ৫৭। নোংরাই মহৌ ৫৮। লৈহৌ মাইয়ো ৫৯। য়ুমবী মহৌ ৬০। থেনখেল মহৌ ৬১। লৈচাই মহৌ ৬২। থেনগা মহৌ ৬৩। নোংলোন মহৌ ৬৪। লৈরোন মহৌ ৬৫। চকপরোন মহৌ ৬৬। হিরি লংস্নুং মহৌ ৬৭। কিমবুম মহৌ ৬৮। চকপরোন ৬৯। চকপরোন থেংঙাবা ৭০। কোম্মা নুংবুং কোইবা ৭১। পাতাল লাংবুম ৭২। নোংদোন হিরি ৭৩। খুমুং শমবুম ৭৪। থিয়াইরোল ৭৫। মরাম লোন ৭৬। চুরাকলোন ৭৭। মরাকলোন ৭৮। হিরি লংশুংলোন ৭৯। চোংখুরোল ৮০। খামবিরোল ৮১। লাইয়াং থেংগৌরোল ৮২। চরাপলোন ৮৩। পোক্লোন ৮৪। ঙাপোক লাংবুম লোন ৮৫। নোংমাইজিং চিংগোল লোন ৮৬। হৈপোপ চিংগোললোন ৮৭। চিংখাং চিংগোল লোন ৮৮। কৌব্রু চিংগোললোন ৮৯। লোই জিং চিংগোললোন ৯০। কুমজেং কুককাইলোন ৯১। চোংখুংলম্বী ৯২। খুমুং পুমকোইবা ৯৩। খাবী থেল্লেল্লোন ৯৪। শিবজ্ঞা ৯৫। জ্যোতিক পুরাল ৯৬। থুনথোক য়াইবী ৯৭। চিশকলোন ৯৮। মহৌ য়াংবী ৯৯। উরোন ১০০। ৱারোন ১০১। পাবক খাংজংরোন ১০২। শংবুম লাংবুমলোন ১০৩। গ্রীলংশুংলোন ১০৪। থায়াং হিবুকলোন ১০৫। শিংখল লংখললোন ১০৬। শিংদা পুংগীয়াল ১০৭। স্না

শেকনিং ১০৮। পোইরৈতোন খুম্বোক ১০৯। পোইরৈতোন নিংচেং ১১০। খমগোইয়াল শেকনিং ১১১। স্নামহি থিরেল ১১২। পাখংবা থিরেন ১১৩। নোংশাবা খুনথোক ১১৪। মুংবী মুংহারোন ১১৫। য়াবা শাংকা লোন ১১৬। কোংখা লাইচোরোন ১১৭। শেললোই নিংচিৎ-লোন ১১৮। পাকল উচৌরোন ১১৯। হুমিৎখেলচংলোন ১২০। খা খেনজংলোন ১২১। শরানমিচাক খেনজংলোন ১২২। তাউমা হিয়াই কোল্লোনা হাঈগ্রব লাইরিক পুয়াল অসিদি মীরোইবনা অমতং খংবদা অথো-ইবা কৌএ। অসিগী মতুংদা শক্করিবা লাইরিক পুম্নমক উত্তা মমাংদা পৈন্থনা মৈ থাগদৌরমদাইদা গুরু খোংনা থাবনা খাম্বদা য়াদে। থাগা অয়াংগা ওন্দুনা উচুক তরুক ৬ য়ুংতুনা মৈ থাই। উচিরা মরি য়ুংতুনা সান্তিদাসনা মখুংতা চফু অমা ঈশিং হাপ্তুনা পাই। থাং অমনে মৈহুম অমনে পাই, মানা মাং থানা কোই, ৭ রক কোইতুনা চুথেক মরিমকী চুক অতু থাংনা হকই। ঈশিং হৈরে, লাইরিক্তা মৈ চুরে, মুঙ্গোননে, পাখংবা নাওয়োমনে, অনি অসি গুরু খোংদা পাইখি। থাংজিংলোম পাইখিএ, অতুদগী হুমাই হুম্বদা তাওরোইনাই নাওয়োম চিংথৈরোম পাইখি। অতুদগী হুমাই মেতারক হুম্বদা শিংখল নাওয়োমনে, য়াংবী থিরেননে পাইগ্রে, তেরা অতোবা মথোং-দা তাখি। লোক্তী শমিং লাংগোল কুমরোক কৌখিয়ে। অতুদগী হুমাই ১৩ রক হুম্বদা শাকোক থিরেন হাঈবা লাইরিক অতু পাইগ্রে। লাইরিক অয়া-ম্বা অহ পাইখিতুনা মার্জিং শাকোক চিংদা পাইখরে। লাইরিক অতে খরদি তুয়া চাকখিএ। সান্তিদাসনা হঈএ, এৗনা লাইরিক থারিবা অসুম তৌনা মী শিরগা থাও। এৗনা থাং পাইরিবা অসুম্না মচানা মনাওনা পাইহল্লু। অসিগী দোবনা নিংথৌ খব শোয়ে, বুদ্ধি তাদরে।

অসুম তৌনা নিংথৌ চহি কুমশিং য়ামনা অহল ওইরক্লবদা শ্রীমতি মহারাণীগী মবুং মুজুমদারনে, প্রেমনে, অনিমকনা রা তায়তুনা মহারাণীনা পোকপা স্নাহনবু নিংথৌ ওইহনগে হাঈতুনা শ্রীযুক্ত গম্ভিরনিরাজবু কোম্বাদা লৈহল্লি। ইতাগী ৯ নি পানবদা কুম্মি, পুগ্রি তোবা হোই।

শকাব্দ ১৬৭০ দা কোম্বাদগী তাম্বোক্তুনা লৈহনজ্রহুনা মোইরাং কাক-তান্দা রাম নগরদা লৈহল্লি। অহুদা শ্রীযুক্ত গরিবনি মহারাজগী মচা ইবুঙো অহল শ্রীযুক্ত শ্যাম শাইনা শাওহুনা ইপা ইবুঙো ননাই ঐ লান শেক্রুজরগে, ইনাওনা তৌরিবা অসি হাকমল্লি হাঈরে। অহুদা শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজনা হাঈ, অঙাংহল তৌরুগনু, ননাওগী মনিং থুংনা পানজসনু হাঈহুনা থামজিল্লি।

শকাব্দ ১৬৭১ দা শ্যাম শাইনা অরাদা মচন হাংখৈরাকপগী মচা নুপী শিজা অরা ওঙ্গী অরা লৈমা ওইহনগে হাঈহুনা অরাগা রায়বার চংলবদা য়ানরহুনা শ্রীযুক্ত শ্যাম শাইনা থিলজিনবা চংলে, শ্রীযুক্ত মহারাজনা রাম নগরদা লৈহৌই শ্রীযুক্ত শ্যাম শাইনি অরাদা লৈগৌরে, মীয়ামদি থর থোকলকই। অহুদগী শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজবু তপ্পা তাম্বোকলে। কোইনা কোইনা চত্নুনা শকাব্দ ১৬৭২ গী হিয়াঙ্গৈ থাগী ২৫ নি পানবদা অরাদা থুংলুরে। অহুদগী শ্যাম শাইনা লোইনহুনা অরাদগী লাকলে। শ্রীযুক্ত মাহল মরাম্বা নিংলৌনা তারহুনা শ্রীযুক্ত মনাও ইবুঙো তোলেন তোনববু কৌহুনা হাঈ—ইনাওতোন নংনা নগাকপম থারোইনে, কোইজাম্বা হিদংনে, অয়াংহনবন হোংবানে, ইরোইবা লানজিংবনে, সরোক থাইবা সেল্লুংবনে মা-থোই অসি য়াওনা তেঙ্গোল পুহুনা নংনা চংতুনা ইপা নিংথৌবু কৌরু হাঈহুনা মু য়াথং পীবে। অহু তারবদা মনাও ইবুঙো তোলেন তোনবনা মমা য়াথং হাঈরিবা মী পুম্নমক পুহুনা অকন অথৌ লানমী পুহুনা সগোল লোংবা লানমী য়াওনা মপা নিংথৌবু কৌরুগনি হাঈহুনা চংলে। অহুদা শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজ মহারাজসুং কোইনা কোইনা চংলুরগা হল্লকপদা অসোমদগী ওকপা চংখিবা মীশিংগা থুজাইরোক মপান্দা ওক্লরে। অহুদা শ্রীযুক্ত গরিব-নিরাজগী লোইনবা শ্রীযুক্ত সান্তিদাস কৌবা মহাপুরুষ গোযাইবু লোকপান অহুদা খুৎলাইনা থাহুনা লোকপান অহুদা লোইথোকলে। মরমদি ঃ——মাসিনা ইপাদা ইনশিন্দুনা ভাওহললিবনি। লৈপাক অসি রামানন্দি চংপা, গৌরিয়া চংপা, হাঈহুনা রা য়ামনা থোকলে। মাসি বেরাগী মশকনি

হাঙ্গৈহুনা শাওহুনা হাৎলি। মথম অহুদগী লোক অহুগী মমিংবু গোযাইরোক কৌনখি। অহুদগী হৌজিক্তি খুজাইরোক হাঙ্গৈনা কৌনগ্রে। অহুদগী অমস্তুং শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজনা কাইহুনা চেললে। শ্রীযুক্ত শ্যাম শাই খুরাইলাকপগা মী খর লোইনরিবা অহু নিংথৌগা নিংথি মপাল য়ৌরে। মকম অহু রৌনা তাম্নহুনা নিংথি ভুরেন মপাল তোমকাং হিদেন ব্রহ্মপুত্রগী ইখাই কংবা মকম অহুর শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজ মহারাজদা খুলাইনা থাহুনা লীলা ওইরে। শ্রীযুক্ত শ্যাম শাই নিংথি তুরেন্দা চোংথখি। বামন অরিবম হঞ্জবনে, মচানে, ব্রহ্ম রামনে, রাওভু লম্বোইবনে, মোইরাং লমহানবনে, কত্থান মনাও কৈদা হঞ্জবনে, মনাও সেল্লুংবনে, অঙোম চন্দ্রমনিনে, মনাও লোইবা সেল্লুংবনে, নিংথৌ খোংজম কামদেবনে, নিংঙোম্বা শ্যামরামনে, কৈদা হঞ্জবা তখেল লমবুনে, অমস্তুং লাইরেনজাম্বানে, অসি খিবিক লোইননা শ্রীযুক্ত মহারাজগা লীলা ওইমম্নখিএ। মতম অহুদা য়ুহারাইএ।

শকাব্দ ১৬৭৪ কালেন থা ১৫ নি পানবদা শ্রীযুক্ত ভরসাইনা নিংথৌ ওই। নিংথৌ শেম্বা (শংকোই তাবা) লৈপাক মাল্লহুনা শ্রীযুক্ত সনাহন সাই কংগ্রে, (সনাহন লোক্তা' শ্রীযুক্ত মনাও সেনাপতিবে মচা দেবসাইনে, মরাংদা চৎহনখি, তাম্হোকই। ইবুংশিং ককরাবিবুগুং পোঁলোমদা তাম্হোকই। ইঙাগী ৬ নি পানবদা ইবুংশিং অনন্ত শাই মন্ত্রিনা শ্রীযুক্ত গরিবনিরাজগী অস্তি লৌবা চংতুনা নাম শংকীর্তোন তৌহুনা শ্রাদ্ধ তৌরম্মি, ২২ নিদা থুংডৈ।

শোক ১৬৭৫ দা মরামবা কম্বাল কাই, হিয়াঙ্গৈ ২০ নি পানবদা সঙ্গোই তাবা অরাদা থাজিল্লি। খুমন থেম্বা লুরাং পুপ্রমবা হাৎলি, ওইনা শেকমু হাৎলি, ইবুংশিংতোলেন তোম্বা ওকস্তুদা থাই।

শকাব্দ ১৬৭৭ ডা তোলেন তোম্বা নিংথৌ সেমবদা কাহুনা মচিন পুন্দুনা হাৎলি। মাহাক্কী নিংথৌ সেম্বদা রাওবা য়ুম থাইবা অনিরাম, লাইকাংবা রামচোরন খুজ্রাকপা মোইরামবা থাংজবা মুরারি, তম্পাক নাইরাম চরন, ইরোম পাওন, মোইরাং থেমবা খগিন্দ্র অসি পুম্নমক হাৎলি।

শকাব্দ ১৬৭৯ রায়েনবমচা খেলৈ সুংনাং তেলহৈববু শ্রীযুক্ত মরামবা গৌড় শ্যামগী মমাগা পোকখিন্নবা মামানি হাঙ্গইহুনা মোইরাংদা মোইরাং নিংথৌ হাপ্লিরে। অতুদগী থর লৈরগা খেলৈ সুংনাং চিংভাদগী হৌনা লম পিয়ু হাঙ্গইবনা পিদে হাঙ্গইহুনা অরাদা মচা শিগে হাঙ্গইহুনা অরা নেকুনা লাল হৌরকই।

শকাব্দ ১৬৮০ দা য়াকোই চলিদা যুবরাজনা মোংজাম্বা নহারূপ লাক-পনা তোংহু লমদা লাল চংপা লাল লম অনিমক অরানা তাকখাইরকএ, ককচিং য়ৌরে। হিয়াঙ্গৈ ২৮ নিদা নিংথেম মরামবা ভগ্যচন্দ্র পুম্নক অরা-নাবা ককচিংদা মৈতৈ তেঙ্গোল লাল থাংভি। পোইন্নু হুমনি পানবা লৈপাক পোকপা সুমিৎতা তেঙ্গোল কাইরে, পোইন্নু ২১ নি লৈপাক পোকপদা মনাও ইবুঙো ভগ্যচন্দ্রনা লৈশাংথোংদা শোকনববু ভমজহুনা লৈপাক কাইরে। অরা সুমিৎ ৯ নি লৈরম্মি. চংগ্রে, অতুদগী লৈপাক শেমহুনা পাল্লে।

শকাব্দ ১৬৮১ শজিবু থা ৭ নি শগোলশেন সুমিৎতা পুণ্য নক্ষত্রনা পানবদা শ্রীযুক্ত ভগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইরে, অথাম চম্ভু মহারাণী হাপলে। ফম্বাল কারে, শ্রীযুক্ত মরাম্বা গৌড়শ্যাম ফম্বাল কুমলে। মরমদি ইচিল ইনাও চহি অহুম শিম্ম শিম্নহুনা নিংথৌ ওইসি হাঙ্গইনথিবনা শ্রীযুক্ত মরামবা গৌড়শ্যামগী চহি শুরে হাঙ্গইহুনা শ্রীযুক্ত ভগ্যচন্দ্রনা পাল্লে।

শকাব্দ ১৬৮২ শ্রীযুক্ত ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা হাঙ্গইরে, হিয়াঙ্গৈ থা ১২ নি পানবা শগোলশেন সুমিৎতা য়াংকোনবগী থাকুরগা খুম্বোং মযুমচা ভুনিরাম সিংহগা সিতানন্দ মপু মনাই অহুম্মক তারহুনা পাপ্তি লিংখৎলু হাঙ্গইহুনা পাপ্তি লিংখৎলি। মাহুদা য়াওবদি তাইবংজম কোন্রাম, চিরোম শুনারাম, ওইনামচা, অনন্তশ্যাম, এন্দেমবা গঙ্গারাম, অচোইবা শ্যাম রাম, ৫ অসিম্নু য়াওহল্লি। থা ৫ শুনা শেমগৎলি। পাপ্তি অসিগী মমিংদি চন্দ্রাব্দ কৌরে। শ্রীযুক্ত মহারাজনা ব্রাহ্মন পণ্ডিতশিংদা শামু অমা, সনা লুপা দান তৌই। সেন তাংগ কৎলি, শ্রীযুক্ত সিতানন্দদা নাই ফুংগা ১৫ পিএ, কবো মুনিরা-মদা পচ্ছারম চাহল্লি, সনা ফিরোই পি লুপা থাং, পে, চোং অসি পি।

চন্দ্র সিদ্ধান্ত কম অসি ওইহল্লি, মাগী শাগৈ মখৈ মথৌ কোকই, লৈবাককী লৌ শান চাহল্লি। পাঞ্জি থিবিকপু অস্থম তৌনা শেমখিএ।

শকাব্দ ১৬৮৩দা অখাম মাধব, উশম কৈদা হনজবা অনিমকপু অরা লম গুাকই হাঈহ্লনা ককচিং মহাদা লৈহল্লি। মতম অহুদা ব্রহ্মচারিনু ভগ্যচন্দ্র মহারাজগী মনাইনা হাংলি হাঈহ্লনা শ্রীযুক্ত ভগ্যচন্দ্রবু কম্বাল কুম্মে। শ্রীযুক্ত মরামবা গৌরশ্যামনা নিংথৌ ওইরে। শ্রীযুক্ত ভগ্যচন্দ্রনা যুবরাজ ওইবে।

শকাব্দ ১৬৮৪ দা মুংশিং য়াম্না শির্লল, উ রা, য়াম্না তেকই। শকাব্দ ১৬৮৫ দা থারালগী ২৯ নি পানবদা শ্রীযুক্ত মরামবা গৌরশ্যাম কংখরে, ভগ্যচন্দ্রনা অমুক নিংথৌ ওইরে। তৌরিবা থবক পুম্মক অসি সঙ'ইথেন কোম্নুংদনি। অরানা লাল হৌরকপসি ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা অন্দ্রদা লান থাংডি, মৈতৈ লৈপাক মুমিং ৫ নি লান কাইনৈ। অরানা খেলৈদা শমশোক গুমবি পিরো হাঈরে:— খেলৈ মুংনাংনা থিং নহা ওইরি হাঈহ্লনা অর হনখি। ভগ্যচন্দ্র হজন্দুনা অমুক পাল্লে। অহুদগী খেলৈনা মৈতৈ নিংথৌ অমুক হজন্দুনা পাল্লে হাঈরুহ্লনা অরানা অমুক লাল হৌরকই মৈতৈ লৈপাক অমুক হন্না মুমিং ৯ নি লাল কাঈনৈ। খেলৈদা অরানা শমশোক গুমবি পিখো হাঈ। খেলৈনা কুমশিদি য়াখিরোই, নোংমৈ পিগে হাঈহ্লনা অরা হনখি। ভগ্যচন্দ্র অমুক হজিন্দুনা পাল্লি। অহুদগী মৈতৈ নিংথৌ অমুক হজিনলক্লে হাঈরুহ্লনা অরানা অমুক লাল হৌরকই। অহু তাহ্লনা মৈতৈগী অঙমবা প্রজা পুহ্লনা মচা ইবুঙো মধু চন্দ্র, লাবন্য চন্দ্রনা ককচিং পলেন মথক তেংনৌবন্দা চরুনা পন শাই। অরাগা লান শোকনৈ, অরা তেঙ্গোন্না কোইশন্দুনা মধুচন্দ্র লাবন্যচন্দ্র অনিমক কাথ্রে। মধুচন্দ্র লাবন্য চন্দ্র অনিমকী মথক মগুণ উবদা অসিদি লাইগী মচানি হাইনা থম্নহ্লনা হাংপা রৈবা চৈবা তৌদে।

অরা লানমী থরনা অরা লৈপাক তান্না পুহ্লনা অরা নিংথৌদা কংন্নুরে। অরা নিংথৌনা অসিদি অচমবা মচা নত্তে, লাইগী মচানি হাইহ্লনা

লুনা তৌহুনা থমবি। মাখোই অনিবু দণ্ডি অমতা পিদে। অসোমদদি মৈতৈ তেঙ্গোল খাংবা ওমদহুনা কাইরে। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা মচা অনি কাপ্রে হাঙ্গবগী রানা, য়ামনা রাই। লৈপাক কাইবগী তাংওয়নে, মহারাণী ভানু-মতীনা মচা অনি কাপ্রে হাঙ্গবগী তেংথাবনে। থাংবা ওমত্রহুনা ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা অওয়শিংদা হাঙ্গ। নিংথৌ ওইবগী লৈপাক ভাকপা ওমত্রবনিনা ঐ চেনবা তারে হাঙ্গনা রা তায়ে। অওম্বা প্রজানা চুম্মি মহারাজ হাঙ্গহুনা থেমজল্লি। অমুম তৌরিভৈদা ভগ্যচন্দ্র মহারাজ অরানা তানখাইরকলে। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা মনাই ওইনাম চাওবনা চিংনা মনাই ৪ গা লোইননা চেল্লে। অতৈ অতৈদি মৈতৈগী কম নাইবা থর মহারাণীসুং মোইরাং তান্না কাহুনা হোইগ্রে। অসোমদদি ভগ্যচন্দ্র মহারাজ মনাই মরিহুগা অহিং মুংখিল নাইদনা চেল্লকলে। ভাপ্রেম চিংজিন লানলকলে, লম্বি মকম খংখি-দ্রে, হাওগী থেল লৈরম্মি। কবুই খুন খুন খুদিংনা মতেং পাংই। লান কাইবগী হৌনবা অহিং মকম খংদনা লাকপনে মরাপ্পনে খোৌরাংবনে অহিং নোংশোইবা অওম্বা চিংদা কাথংপবু চিংগী অওম্বনি হাঙ্গবা মকম খংখি-দরে। কোরৌ নোংনা ভাল্লকলে, মতম অতুদা চিংগী চিংমাইহু হন্না য়েংখিববু চিংগী চিংমাইহু উবদা ভগ্যচন্দ্র মহারাজবু স্বাই লাওই। মিস্না থম্বাল মান-বদা তরং লাইজা ইরা হৌরকলে। খুবাং ১০ লোমহুনা ইবুধৌ নোংদ্রেন পাথংবা, ননাইনা মণিপুর স্না লৈপাক্তা ইপা ইবুংঙোগী খুবমদা অমুক্কুং পাল্লগদবা লৈরবদি য়াইবি থরাই কনবিয়ু। পাল্লোইদৌবা লৈরবদি য়াইবি থরাই থারগে। মিস্না থম্বাল মানবদা তরঙ্গী ইয়া চেন্দুনা চিংগী চিংমাইথক্কু-গী ভগ্যচন্দ্র চোংথরকলে। ওইনাম চাওবনা ভৌবিমু ইবুঙো হাইহুনা চোং-শিল্লি, মাখোই নিপা অহুম অহুসুং চোংশিল্লকই। ভগ্যচন্দ্র মহারাজবু খামবা নংহৌদ্রে। স্না কোকথোন কোয়েং অহুদি মুংশংনা পাইথোকহৌ হুনা ওইনাম চাওবনা ওকহৌই। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা মশিরগে চোংথববু উরহুনা চিংগী চিংমাই অওম্বদা মুংশমচেং অনি ত্তিংথোকতুনা মথকতা মুংপাক অমা থাই। তেরা মোনপাক মক্কম থোংগ্রে। ভগ্যচন্দ্র মহারাজ খুবম

অনি চপ মান্নবা ভগ্যচন্দ্র মহারাজগী খোংগী খোংগুণ অনিচু হৌজিক কাওবা লৈরি। মকম অনিবু ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা খৌশারম্মি হায়না মৈতৈনা তেং-থানৈ। তাইবংপানবা মবুংঙোনা ভগ্যচন্দ্র মহারাজবু ইনাইনি হায়না কাও-হনগে হায়হুনা কংবিখি। অদুদগী ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা চিংগী চিংমাই কাখৎলকলে। ঐ অমুক্তংদি মণিপুর স্না লৈপাক্তা পাললখিনি হায়না পুকনিংদা খজিক্তং হয়রাওই। অদুদগী মনাই ৪ গা লোইনহুনা লোইবী চিং-শাং চিংমুং চিংমুং কোইনা কোইনা চংলকই। করিগুম্বা মরক্তা কবুই লৈর-স্বন, ভগ্যচন্দ্র মহারাজবু তেন্নাংঙি। অস্নুমা ওইহুনামকপু মহারাজগী চাকম থককম মথোং খখিনরে। মহারাণীনা করম তৌরিগবা খেলৈ মুংনাংবু নিংথৌ হাপপুবদগী মরম অস খোকখ্রিবনি। ঐনা লানদবা থোকঅবদি তাইবংপানবগী মবুংঙো নংনা লেপনা নোংদমবিরকউ। অসি হায়না তেং-থাবনা অহিং মশক থংখিদা মুংখিল পোখাবা লৈতনা লোইবী চিংগী চিংশাদা কোইনা কোইনা চংলকলে। মনাই ৪ দুদি থাদোকনদে। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা কোইরম্বা মকমদি লোইবী চিংশাংদা খুভম অনি লৈরিবসিনি। তাইবংপানবা মবুংঙোগী নোংদমদগী লোইবী চিংশাং লাক্কুনা তাইবংপানবা ঈশ্বরগী কৃপাদগী জি এরোমদা থোরকলে। অসোমদা খেলৈ মুংনাংনা মনাও নিপাস্থ মৈতৈ মিচং চংঙি হায়হুনা মনাও নিপাস্থ হাৎতোকলে। মৈতৈ কম্নাইবা থরম্থ নিংঙাই চাওই হায়হুনা হাৎতোকলে। মী নিপানগা মহা-রাণীগা নবুঙো ভগ্যচন্দ্র ইকাইদবহুনা লালহৈদবা ঐঙোন্দা লানবহু খিজক্র হাইহুনা নংবুদি থুপীনি হাৎলরোই হাইহুনা থারকই। খেলৈনা মপাম্বোম তিংহুনা শিগনি হাইবা কাওহুনা মোইরাং লৈবাক্তা পাল্লহৌই। অন্না লানমী নি া ২০০ না ঙাকহৌই। ময়াং লম্বি পোমদা থারকই। ভানুমতী মহারাণী হায়বাহু পুর্ণিমাগী লোইশাম থানা কোরৌনোংদা থোকপগুম্মি। ইবেম্মা খুদাং পিভম তৈনা মণিপুর স্না লৈপাকপু হন্না হন্না য়েংহুনা হে লাই নিংথৌ পাখংবা! লান্দবদা ওইরবদি অমুক্তংদি কুবিথো হাইনা হাইনা তয়ুম মনাই ৮ গা লোইনহুনা চিংমুং লম্বি লাকপদা জিরি উমুং মমুংদা মকম

খংদনা অরাবা মৈনা চাকুনা চৎলম্মিবা নিংথৌগা উনরে। ভগ্যচন্দ্রনা হাঈ, হে ওয়ুমশা! লাকইবসি কনানো? মনাই মরিনা হাঈ, হে নিংথৌ! মনাই ঐথোইদি ইবেম্মা মহারাণী ওইরবোই হাইনা হঙ্গৎলি। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা মানি হাঈহুনা চেনজল্লকলে। মহারাণীসু ঐগী ইবুংঙো উরে হাঈহুনা কপ্পুনা চেনঝললকই। মহারাজ সা চরণদা খুরুম্মে। মহারাণীনা কপল-কই, মধুচন্দ্র, লাবন্য চন্দ্রবু কৌহুনা মণিপুরবু তেংথাহুনা কপাখি। মরাম অসি মী অমনা তেংথাহুনা ভমকম থোকতে। অসিগী তুংদা ভগ্যচন্দ্র মহারা-জগী গ্যান লাকলে। মনাইশিংগা খররে, হে ওয়ুমশা! অসিগী অরাংদা রামচন্দ্র হাঈবা নিংথৌ অমা পাল্লি। চাবা থকপা ফিরোম্না চিংবা য়াম্না হোংঙি, মুংঙাইনা পাল্লি হাঈনা তাই। মাগী মকমদা চত্তুনা ঐথোইগী অরাবাসি লেননবা নোংমা নিনি লৈরুশি। রামচন্দ্র নিংথৌসি ঐথোইগী ইমাগসু মরি থোকই হাইএ। অসিরাবু তাবদা মহারাণীসু মনাইশিংসুং য়ারে, সিদগী মহৌশাদগী খিতং মুঙাইবা পোক্লে। অদুদগী অরাং পাংনা চৎখৎলকলে, চিংগী লম্বিদা লাকপদা মকম অদু য়ৌরমদাইদা মনাইশিং শিহুনা রামচন্দ্র নিংথৌ খংহল্লুই। হৌজিক মকম অসি তিমাপুর কৌই। রামচন্দ্র নিংথৌনা তাবদা য়াম্না লুনা মনাইশিং কম্লাইবা থারহুনা ওকহনলে। পুনশিন্দুনা কোম্নুং চংঙে, নিংথৌ অনি উনরে। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা মাগী তৌরকপা রা পুম্নমক তম্মি। রামচন্দ্র নিংথৌনা ইবুংঙো মামনা লৈরিবা মকমসিদা মুংঙাইনা লৈয়ু। মতম ১ দা থেলৈ মুংনাং ওম্নবা থৌরাং তৌগনি। অসুম্না হাইহুনা মনাই ১২ গা নিংথৌ মহারাণীগা মাখোই ১৪ সি মুংঙাইনা লৈমিম্নরে। মুম্নদি মুঙাইরবদা অরানা মচা ফাখিবগী মণিপুর লৈপাক হুন্দোকলম্বগী থামবি মৈনা চাকপগুম থম্মোইগী মম্নুংদা চাৎই। অসিগী তুংদা থা অহুমলোম সুরকলে, বরিবা ওইবগী নোং চুরকপনে লৈপাক অদু চাক তাংঙম্মে। মাতু উরবদা ভগ্যচন্দ্র মহারাজগী ববুক্ত খল্লি, রামচন্দ্র হাইবা নিংথৌ অসিনা ঐগী মতেং পাংহুনা মণিপুর লৈপাক লৌবসু মতিক চারোই। চাক তাংঙবা অসিনা কনাদি লুনা তৌই হাইববু চাগদবমকপু

হল্লোইরে। অসি খন্দুনা মনাইশিংগা লোইননা রা তাগ্লে। ভগ্যচন্দ্রগী নিংঙিবা রাহু হাঙ্গীলোকএ, অহু তারবদা মহারাণীসু মনাইসিশংসু য়ারে। নোংমগী খুমিত্তা ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা রামচন্দ্র মহারাজদা হাঙ্গী। মহারাজগী লৈবাক্তা লৈবসি য়াম্না খুংঙাইজরে। সুম্নদি ওইবদা তেথাও নিংথৌ স্বর্গদেবসি অমুক্তং উনজগে নিংঙি। রা অমত্তং ঙাম্নজগে নিংঙি, নোংমা নিনি দংদি চৎচরুখিগে হাঙ্গী— রামচন্দ্র নিংথৌনা মবুক্তা ইকাই। তাংঙস্বাসিনা মা ইকাইহুনা চৎলগে তৌরিবোরে খন্দুনা ইবুঙো নোংজুখা লোইরগা চৎলু। ভগ্যচন্দ্র মহংরাজনা মাম ইবুঙো হৌজিক মতম অসিদা উনহৌবনা ফগনি। রামচন্দ্র নিংথৌনা য়াররোই হাঙ্গীবা খংলহুনা, করে অহুদি হাঙ্গীহুনা ভগ্যচন্দ্রগী মপোং মচৈ পি মখুংনা লাইরিক ইহুনা পি, লাইরিক্তা হাঙ্গীবা রাহৈদি মণিপুরগী নিংথৌনি, লাইগী মচানি, এগীদি ইমাক খোকই, তাইবংপানবদা লানবা হৌনদ্রবনি। ভগ্যচন্দ্র হাইবসি শ্যামশাই খুরাইরাকপগী মচানি। য়েরুবনা তাথিহুনা অরা তেঙ্গোল খাজিন্দুনা লৈপাক মুনহৌই। স্বর্গদেব মহারাজনা অওস্বা সহাই তৌবিহুনা অমুক্তং মরৈপাক কংহল্লু।

মরম অসুন্না তৌরবদি খুমিং থাগী মতমগুমনা মহারাজগী নিংথিজরিবা মিংচং অসিদগী তথাই হেনগৎনা চাওখৎকনি নিংজে। মরম অহুনা মহারাজগী নকমদা চংজগ্রিবা অহুনি। সুম তৌনা লাইরিক পিরে। অসিদগী অফবা খুমিং য়েংহুনা মহারাজ খোংশানলকলে। নোংমা নিনি চংলকলগা তেথাও কোম্লং য়ৌরমদাইদা মনাইশিং শিহুনা স্বর্গদেব মহারাজদা খংহল্লুই। রামচন্দ্র নিংথৌগী লাইরিকসুং স্বর্গদেবদা কংলে। ভগ্যচন্দ্রগী মনাইনা তম্বা পাও রামচন্দ্রগী লাইরিক অহু পাবদা স্বর্গদেব নিংথৌনা য়াম্না খুঙাইহুনা তেথাওগী লানমী ১০০ গা সগোল শামু মন্নামগা ওকুনা পুশিল্লে। স্বর্গদেব নিংথৌনা মাগী প্রজা অওম অথৌ তিন্দুনা লৈরমই। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা চংঙকহুনা খুরুম্মি, স্বর্গদেব নিংথৌ লাও ইবুঙো চংঙকউ হাইহুনা কিদা থাহুনা ভগ্যচন্দ্র কমহল্লি। ভগ্যচন্দ্র উবদা নিংথৌসু প্রজাসুং মাগী নিংথিজবা উবদা ইঙক ওকই। ভগ্যচন্দ্র নিংথৌসুং প্রজাসুং ইমুং লুংশিবী স্বর্গদেব

নিংথৌনা থল্লি। রামচন্দ্র নিংথৌনা লাইগী মচানি হাঙ্গীবসি অওইবমক ওইরে হাঙ্গীনা স্বর্গদেব নিংথৌনা হে ইবুঙো ভগ্যচন্দ্র। মরম করম তৌত্থনা মণিপুরদগী লাকপনো? ভগ্যচন্দ্রনা রা পুম্নমক তম্মে। অদুদগী স্বর্গদেব নিংথৌনা মনাইশিংদা হাঙ্গীদোকতুনা মাগী চান-থক্লবা অমদি য়ুমকৈ নিংথৌগী স্না য়াথং হাঙ্গীদোকপদা লোইনা তৌথরে ভগ্যচন্দ্রগা মহারাণীগা মুণ্ডাইনা লৈহল্লি। স্বর্গদেব মনাইশিংত্থু নিংথৌগী হৌনবা থর পিত্থুনা রামচন্দ্র নিংথৌ-দস্থুং ঐনা কনবা তৌনি হাঙ্গীত্থুনা লাইরিক পি। মনাইশিংত্থু হনখিত্থুনা নিংথৌদা রা পুমনমক তমখি। থর লৈরগা স্বর্গদেব নিংথৌগী মহারাণীনা ভগ্যচন্দ্রবু কৌশিনত্থুনা ভগ্যচন্দ্র চংঙি মহারাণীমা য়ামনা লুনা তৌরম্মি, ফিদাদা কমহল্লি ভগ্যচন্দ্রগী নিংখিজবা শক গুণ অদু উবদা মহারাণীনা হাঙ্গী। ইবুঙো মরক মরক্তা চঙকউ। নিংবা থুংদবা লৈরবস্থ হাঙ্গীয়, অসুম হাঙ্গীত্থনা য়ামনা লুনা তৌরম্মি। ভগ্যচন্দ্র মহারাজা সিদগী হন্দোরকএ, য়ামনা মুণ্ডাইনা লৈরে, চাবা থকপা লৈবা য়ামনা মুণ্ডাই। পুকনিংদদি মচা অনিগী থল্লুবনে মণিপুর প্রজাগী থল্লুবনে, পুক নিংদা চাকপা মৈত্থদি কনা-নাস্থ উদে। অসুম তৌনা লৈরকপাসিদা মৈতৈ লৈপাক্তা খেলৈ মুংনাংনা মী শিত্থুনা কোইনা কোইনা ভগ্যচন্দ্রগী পাও তাহল্লি। থর লৈরগা তেথাও লৈপাক স্বর্গদেবগীদা লৈরে হাঙ্গীবা তারে। খেলৈ মুংনা না লাইরিক ইরে, মী ৩০ থারক্লুনা স্বর্গদেব নিংথৌদা লাইরিক কংলে। লাইরিক রত্থ স্বর্গ-দেব নিংথৌনা পাই। লাইরিক্তা রাহৈদি হে মহারাজ মুমিংতগী ভানথোই-রিবা! লোইদাম থাজদগী হেলথোক্তইরিবা হে নিংথৌরেন। অদুপ নিংথিরিবা লৈপাক্তা অদুপ নিংথিনা পাল্লবদা ওম্নোকপা মতৌ অমা ওইবা তারে। ভগ্যচন্দ্র হাঙ্গীবা মচৎ কৎমনদত্থুনা য়ামনা তাং, পাং, হৈ, হাঙ্গীত্থনা ঐনা তাম্নোকখিববু মহারাজগী নিংখিজরবা লৈপাক্তা চংগ্রে হাঙ্গীনা তারে। মশক মতৌ কজবনি, রাহৈ খোনকম কজবনি। মতুংদদি ওম্নোকনা কত্তবা অমা তৌরক্লুনা লৈপাক মাংবা রাবা থবক খোকঅরনি। মাসি মহারাজনা রাখল তৌবিত্থুনা থম্বিগম্থ, য়াররদি হাংতোকউ। ঐনা হাইরিবসি

খনবিহৌত্ৰবদি মমৈদা য়ামনা মাংলকলগনি অসি হাঙ্গৈনা লাইরিক পিরকএ। নিংথৌনা হৌনবী খর পিত্নুনা খেলৈগী মনাইশিংছু হনহনগ্রে। অত্নুদগী স্বর্গদেব লৈপাক্কী অওস্বা কৌথংতুনা লোম্না য়া তাম্বৈ। ভগ্যচন্দ্রদি তাহন্দে, খেল্লৈনা পিরকপা লাইরিক অত্নু যেংহুনা রা তাম্বৈ। এরঙোন্দা চংজরবা মীবু অমন্থুং কয়দৌনা হাংসিগে হাঙ্গৈনা মহারাজনা হাঙ্গৈ। হাঙ্গৈরিবা য়াসি স্বর্গদেব মহারাজগী মবুক্তা ভাব অমা লৈ। মীঙোন্দদি হাঙ্গৈদোকতে এরগী মহারাণীসিনা ভগ্যচন্দ্র সিবু লুনা তৌবসি কয়িনরো থল্লি। মহারাণীদা হংবদি এরগী ইবুংশিংগী মচাশিংনা পোকপনি খুন্মি। নিংথৌগী স্না য়াথং তাবদা প্রজা মওস্বনা খুবাং ১০ লেম্লনা রায়ম নিংথিজবনা হঙ্গংলি হে নিংথৌ ফোংনা হাংপদি য়াত্রবনিনা মীনা তাবদস্থু খর কজ্নবা মাবু লাইগী মচানি হাঙ্গৈবস্থু খনবা, এরথোইগী রাজমুহন কৌবা মচুম তাবা শামু য়াইশশে গোর শেম্মে হাঙ্গৈয়গা ভগ্যচন্দ্রবু ফাগনসি ওমলবদি করে, ওমত্রবস্থু শামুনা হাংচবনি। এরথোইদা মিংথিবা লৈরোই, অস্থুমনা তৌয়সি হাঙ্গৈহুনা লেপ্লয়ে। অয়গী হুমনি লৈবণা ভগ্যচন্দ্র কৌথংলে, ভগ্যচন্দ্র কারকই, নিংথৌবু থুরুম্মি। কিদাদা ফাহল্লি; প্রজা অওম্বা পুমনমকনা মহারাজ ভগ্যচন্দ্রবু উবদা অসিনা ময়ানবা চংকনি হাঙ্গৈবা নিংদে। মাহাকপু ইন্থুং হেক মুংশি, স্বর্গদেব মহারাজনা হাঙ্গৈ :— হে ইবুঙো ভগ্যচন্দ্র নংঙোনদা রায়ম অমা হাঙ্গৈগে। নহাকপু লাইগী মচানি, মণিপুরগী নিংথৌরেননি। অস্থুমনা থংই, নংগী নগুণ ফোংদোকনা খংনবা এরগী রাজমুহ কৌবা শামু য়াইশ অসে গোর চাউনা শারগা লৈপাক মীয়ামনা পনবানদা ফোইরগা মস্থুংদা শামু য়াইশ থাজিন্দুনা নহাক নতোম্মা চংহুনা ফাবা ওমলবদি নংগী মণিপুর কৌবা লৈপাক্তা এরনা নংগী নত্তেং পাংহুনা শোইদনা নিংথৌ ওইহনগনি। অসিয়াবু তাবদা কোরৌনোংদগী অথাক অবাওনা ভগ্যচন্দ্রগী কোকথক্তা তাবগুম্না য়াই। নিংথৌ স্না য়াথংবু কোরৌ থক্তা কাফদবা মালেম লৈদা তাকদবনিন চিনবাল থোংদদি কগনি মহারাজ হাঙ্গৈ। মিস্না থম্বাল মানবদা লাইজ তাবংইহৌই। স্বর্গদেব নিংথৌনা ইবুঙো কুম্মা হাঙ্গৈহুনা থারকই। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা

খোংখাং ২ খুদিংদা ঐবু মালেম লৈদা চংপনি হাঙীবা থংখিদরে। মহারাণীনা লৈরিবা য়ুমথুং য়ৌরকপবু য়ৌই হাঙীবা থংখিদরে; থোংগান্দা চংপনি হাঙীরা থংদখিতুনা হঙ্গং হন্দা চৎতুনা লৈরে। মাতুবু মহারাণীনা লাপলপনা উবদা চেন্থোরকুনা হোঃ ইবুংঙো নিংথৌরেন! মনাই ঐনা লৈবদি মকমসিদা লৈজরি, করি রাখল খন্দুনা লেংশিনবিরক্লিবনো? অদু তাবদা মহারাজ লেংশিনলকই; আসন থুদাদা কমগনি হাঙীবা থংখিদরে, মিস্ত্রী থম্বাল মানবদা তরঙ্গি ইরা হৌহনা মহারাণীনা হঙ্গৎলি। ইবুংঙে স্বর্গদেব নিংথৌনা কৌবদি করি হাইরকপনো? ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা হাইরকই — নংনা হাইরিবা রাসি কাওবা ঐনা মুম্না তাবা লৈত্রে। মণিপুর স্ন লৈপাকতা ইপা ইপুগী খুদম কংবা উবদি থমখো। নংগী নশকসি উগদবসি ওসি হয়েং অসি মওাইরে, স্বর্গদেব মহারাজগী রাজমুহন কৌবা শামু য়াইশ গোর মতুংদা থাদোকলগা ইতোম চংতুনা কাও হাইএ, নিংথৌগী স্না য়াথংনিনা মীরৈপাক্তা তাংভিবনিন মাই হাইবদি ওমদে। কনা উদবা অচিকপা মকম অমদা শিরুরবদি কগদববু তেথাও লৈপাক মীয়াম মমাংদা খুংগোইনবগুম্না শিগদৌরি, সি হাইনা ২ তেংথারে। অসি রাবু তাবদা মহারাণী মিস্ত্রী থম্বাল মানবদা তরঙ্গি লাইজ হৌরে। খুদাং পিকম তৈরগা হে ইবুঙো লাইনিংথৌ সনা পুকনিং অহ্ রৌনী করিগী রাবনো? তাইবংপানগী মপু ইশ্বরগী খোংদম লাক্কনি। মাওইবা হাইবসে কনাস্নু মনিং তম্বা ওম্বা নত্তে, মাহাক্কী নোংদম মতুং ইনবতনি। মাবু কাওত্রেগা মাগী নোংদম লাক্কনি। অসুম্না খেনজিন্দুনা নিংথৌবু চাইখহল্লে। হৌনবা তৌহললি। ইশ্বরদা নিংথিবা তুলসী পত্র কৎলি, মিৎলুদা পি সিনথৈ খুবাং ১০ লোম্নৈ, খুরুম্মি, সি লোইরগা মহারাণীনা থোংইবা লুক হারে। থবক্তি ওসিনি হয়েংনি খংগদবনিনা তাইবংপানবগী মপু ইশ্বর কৃষ্ণবু নিংতুনা লৈ। অসোমদা স্বর্গদেব নিংথৌনা প্রজাদা য়াথং পিথোকলে, য়োৎকী পল্লোন থারো, প্রজাগী কুম্মৈ য়েংকম শেমও, মুস্নীগী কমকম মাইকৈ, নিপাগী মাইকৈ, নিংথৌগী মহারাণীগী য়েংকম অহল লমন, পুং, শেল য়ৈবগী কমকম তোপ্পা ২ শেমহল্লি।

অকোইবহ সগাই থাক ২ নাইনা শারে। অসি লোইরবদা ভগ্যচন্দ্র মহারাজ কৌথংতুনা ওসিদগী হুমনি তুবদা শামু ফাবা তারে হাইহুনা তাকলে। মাহু তাবদগী কুম্মকপদা ভগ্যচন্দ্র মহারাজবু লোইবী চিংনা কোক্তা ননবগুম রারে। মহারাণীনা থোংগান্দা থোক্তুনা ওাইরম্মি। মহারাজগী লুক হানবা সেবা পুন্নমক হান্না লোইতুনা থম্মে। নিংথৌ উবদা মহারাণীনা ইবুঙো ওসিদি কব্রি হাইরক খবগে হঙ্গংলি। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা ইবেম্মা ওসি হুমান শুবদা শামু য়াইংণ ফাও হাংরকই। অমুম্মা তৌগনি থংওবদি মণিপুর ইরৈপাক্তা শিবনা করমগদৌরনি। সুম হাইনা সঙ্গাই চওকএ। মহারাণীনা ইবুঙো চাংশবো, লুক হারো, ইশ্বানা তম্বা লাকনি। ঐখোইগী ইতেং পাংবিগদবা হাইববু তাইবংপানবা মপুদনি। ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা ইবেম্মা নংনা থোংবা চাকসিবু য়োংপা য়াখিগদ্রা, চরম খৌনাও কংবনে শিগনি ক্লাইবগী থম্মোইদা থোইদোকনা ক্রিরুবা নত্তে। মণিপুর নিংথৌরেন ইপা ইপুনা চিংবা পুন্নমক শাগী ওাগী মথুংতা শিখিবা লৈতে। ভগ্যচন্দ্র ইহাক্তক্তা অসি থোকদৌরি। হুমিং অহু ইরু মাইথজ চা থক্তুনা অহিং অহু লেল্লে, নোংঙাল্লে, ইরু মাইথজরে, চাবা থকপা লোইরে, অঙানবা হুমিং তাখরে, অহিংগী মতম চংওকলে, বৃন্দাদেবী খুরুম্মে। থাওমৈ চাওনা থাংগংলে, ইমুং মমুং চংঙি, কিসেং সেংলি, ভগ্যচন্দ্র থোংগান্দা ফংদুনা বৃষ্ণদা ভক্তি কংখি।

(মথাসি য়ান্না চাওনা লেংথংচরকখিনি)।

